শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন শৈরেং পরেং

শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তনাবলি।

অনিঙুবা শরুক



অইবা :

শ্রীযুম্নাম ধনঞ্জয় সিংহ



MANIPUR UNIVERSITY LIBRARY

শ্রীহরি [illegible]াবলি

অনিঙ্গবা শরুক

[illegible]

শ্রীয়ুম্নাম ধনঞ্জয় সিংহ, [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] ইম্ফাল

[illegible]

[illegible]

১। অকোংবগী ময়ুম

[illegible] ইম্ফাল

২। সরস্বতী বুক হাউস

[illegible] বাজার, ইম্ফাল

ফোংজবা ঃ

শ্রীয়ুম্নাম লোকেন্দ্র সিংহ

চিংঙামথা মাইস্নাম লৈকাই,

ইম্ফাল।

৭,১৫১২

তা ২৮।৩।৯০ ইং, (মার্চ)

কোপি মশীং—১,০০০

মমল লুপা ২০

স্বঃ পুস্তক অইবগী

ছাপা নম্ফম ঃ— এস. আই. প্রিন্টিং ওয়ার্কস
সিঙজমৈ খাপম লৈকাই, ইম্ফাল

থাগৎ ৱাহৈ খরদং

শ্রীযুম্নাম ধনঞ্জয় সিংহ, সাং শিংজমৈ চিঙামথা মাইয়াম লৈকাই, ইম্ফালদা লৈবা ওজা অসিনা ইবা শংকরি সঙ্কীর্ত্তনগী ঈশৈ শৌবা অনিশুবা শকক অসি পাক্তরে। ঈশৈ অসি মণিপুরগী ওইনা হয়া লোন্দা ইবনা পাবদা খুদংলাইবগা ওইরগা, ঈমা ইশৈনশিনা তাবদা ভাব তাবা ওইগদবা অমসুং হরি ভক্তিগী মখলদা যেসি ফাংলো ইবা লাইনিক যাম্না লৈতবগা লোইননা পুক্রিদা থাগৎনবা, নখনি পোকতনি। লোইন-লোইননা অসিহৌশা হরি ভক্তি লংখলদা থামদনা হৃদয়দা লৌবক্কদবা ভাগ্য-সুর্ব্য পুম্নগী নতচি পন্থাপ পোক্কহনবা ওইবনকপা যাই। মরম অসিদগী ওজা ধনঞ্জয় সিংহ লোইননা হুন্দসু হরি ভক্তিগী ঈশৈ শৌবা মরি লৈনবা অচৌবা থাগৎলি ইনা-লম্দা পাংথোকপা চুংবা ঈশ্বরনা তাল্লবিবা ওইরসনু হায়না।

শ্রীবাংশেম মনাজাও সিংহ

থাগচ্চবা

ঐখোয়গী গুজানা "শ্রীহরিনাম সঙ্কীর্ত্তন শৈরেং পরেং অনিশুবা শরুক" কৌবা লাইরিক অসি ফোংবিরকপদা থম্মোইদা হরিগী কৃপা ফলে খন্দুনা হনাগুবা ফোংদোকচরি। মণিপুরী লোল চাওখৎনবা মাপুম খুদিংনা মায়কৈ খুদিংমক্তগী হোৎনবরুবা মতম অসিদা ঐখোয়গী গুজানা য়াম্না হোৎনবিদুনা লাইওইরবা মণিপুরগী ঈশৈগী গুজা কয়ানা খোনবিরম্বা ঈশৈ ময়েক, পুরাণ কয়াগী মত, সঙ্গীত গ্রন্থ কয়া কয়াগী বিধানবু অনুবাদ তৌবীদুনা ফোংবিরকপসি কীর্ত্তন সমাজগী অরাংপা অমা মেনথংপিবত নত্তনা মণিপুরী সাহিত্যগী লেকোলদা ভক্তিগী লৈরাং চার অমা থাবীরবনি। অসিগুম্বা লাইরিক কয়া অনন্ত পুথোকপিরকুবা গুজা ইবুংঙোবু শ্রীহরিনা থৌজালবীনবা হরিগী চরণদ হন্না হন্না প্রার্থনা কচরি।

গুজাগী সেবক
থোদাম নোদিয়া সিংহ
হৈরাংগোই থোং, ইম্ফাল।



ৱাহৌদোক

চংনরকপা মতমগী মতুং ইন্না ইমালোনগী ঈশৈব্ পামজহুনা ইজবনি। অবানবা অৱাংপা অশোইবা ভদ্রলোকশিংনা পাবিৱগা তাকপি-তম্বীরক্কবদি হরাওনা তমজগনি হঙ্গৎচরি। থংবা ওমদবা হরিগী লীলানি খংজবা থরদং পামজহনা ইজবনি।

ছাপা নমবদা খরচ অয়াম্বা:

১। শ্রীরাজ কুমার সনাতোম্বা সিংহ
উরিপোক য়াম্বেম লৈকাই, ইম্ফাল।

২। শ্রীহিজম ইবোতোন সিংহ
চাংঙা মখক, ইম্ফাল।
শ্রীশ্রীবিশম্ভর প্রভুর সেবাইত।
শ্রীরাধা কৃষ্ণ যুগল সেবা অভিলাস।

ভদ্রলোক অনিনা শেলগী মতেং পাংবিহনা ছাপা তৌজে। মপোকসিনগী সমন তোল্লে; বৈষ্ণব অনিগীদমক শ্রীরাধা কৃষ্ণগী নাম শোনবা চবণ কাটদবা ওমহনবায়ু হায়না শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য প্রভুগী চরন্দা হন্না হন্না প্রার্থনা তৌজরি।

১। শ্রীরাংথেম সনাজাওবা সিংহ, ওজা পাঞ্জি।

ভদ্রলোকসনা ইজরিবা শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন শৈরেং পরেং অনিশুবা শরুক মুন্না পাবিরগা হায়নিংবা খর তাকপিরকপবুস্থ কাউবা লৈতনা ইকাই খুম্নজরি।

২। শ্রীথৌদাম নোদিয়া সিংহ, হৈরাঙ্গোইথোং হায় স্কুল ওজা অমসুং কার্ত্তনিয়া। উক্ত কীর্ত্তনিয়া অসিনা ঈশৈবু সঙ্কীর্ত্তনবু পামজতুনা হজবিবা লাইরিক শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন শৈরেং পারে' অনিশুবা শকক অসি মুন্না পারগা মানা অপাম্বা মোত ফোংদোত্তুনা হায়রকপগী হবদা পুক্লিং নুংঙাইবা অতুগা অওম্বা শেলগী মতেংসু থব পীবিরকপগীসু মপোকসিগী কাওররোই। কীর্ত্তনিয়া অমা ওইনা পামজবা শ্রীহরিগী নাম শোঞ্জবা ভম্বা ওইহনবীযু হায়না শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য প্রভুগী চনন্দা প্রাথনা তৌজবি।

৫। শ্রীশাপম ইবোমচা সিংহ
সি.সি, হায়ার সেকেণ্ডরী স্কুলগী ওজা
শিংজমৈ সাপম লৈকাই, শবাংথেম লৈরক, ইম্ফাল
(প্রেস মহাজন)।

ওজাসিনা শেলগী অমদি মচাক পুন্নমক অরাংপা মেনথংশিত্তুনা ফোরবা ছাপা তৌবা ঙমহনবীবগীদমক মপোক থসিমগী লমন তোন-ঙববনি মতম পুন্নমক্তা ওজাগী মঙ্গল ওইহনবীসু হায়না শ্রীহরিদা প্রাথনা কচ্চবি।

শ্রীযুম্নাম ধনঞ্জয় সিংহ
পাকা সঙ্কীর্ত্তন বিদ্যালয় প্রধান অধ্যাপক।

কচ্চবা

শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য প্রভুগী চরন্দা
প্রভুগী চরণ খম্মোইন্নংদা চেৎনা কোঙরগা
শ্রীযুক্ত গুরু দেবশিংনা তম্বীবা ঈশৈ খবদং
ইমা লোন্দা ইথোকচবগা কচ্চবি ॥

শ্রীযুম্নাম ধনঞ্জয় সিংহ

ওজা খুরুমজবা

খল্লমহৈ লম্মুক্লবা মাবু লম্না তাকপীবগুম মিং তাংনবা মিং পাইনবা,বগুম পাক্লবা লাইজ ঈপাক্তা লম্মাংনবদা, হিরাইবু ধ্রুব তারাদা। হিনগু শাবীবগুম মতমগী ওমম্বদা মঙাল পীবিবা। মচাগী মতৌগুম নিংবাবিনা ওজাবু কাউজবা লৈতনা খবনজে। ওজাগী চরণবু কোকথগা হাপচৈ, ওজাবু ইপামরি হায়না খুরুমজে।

ওজাগী মনাই
শ্রীযুম্নাম ধনঞ্জয় সিংহ

ওজা

১। শ্রীযুক্ত লাইশ্রম ৺গোপাল সিংহ।

২। শ্রীযুক্ত ভাঙোম ৺যোগেন্দ্র সিংহ।

৩। শ্রীরাজ কুমার সনামচা সিংহ।

৪। শ্রীলাইময়ুম লালবাবু শর্ম্মা।

৫। শ্রীগুরুময়ুম বাবুসনা শর্ম্মা।

৬। শ্রীসাইখোম ওজা ৺লাবন্য সিংহ, ব্রজবাসি।

৭। গুরু ভাই শ্রীমাইস্নাম ৺কুল্ল সিংহ।

ওজাশিংবু কাউতবা লৈতনা পুক্নমজে

শ্রীয়ুম্নাম ধনঞ্জয় সিংহ

সূচী পত্র

বিষয়		পৃষ্ঠা

অরানবা চুথোকপা

লামাই	পরেং	অরানবা	অচুম্বা
১	১২	বন্ন	বর্ণ
১	১৩	প্রীয়ৈ	প্রায়ৈ
২	১৫	নুংশিনা	চংখোন্না
৭	৬	নৈবিদ্যা	নৈবিদ্য
১৩	৭	সংহগী	সিংহগী
৭	১০	গুলরা	গুরাল
২৩	৫	বিনোদনী	বিনোদিনী
২৬	১	ধনি	ধ্বনি
২৭	১	লডু বেড়া	লড্ডু পেড়া
২৮	১০	অসিগী	অনিগী
২৮	২	লড়ু বেবা	লড্ডু পেরা
২৯	১৩	মপারি	মচা ইবুংঙৌনা
৩৬	১	পন্তি	মন্তি
৩৭	২	শোল্লবদা	শোল্পবদা
৩৯	৮	নিংবিনা	নিংথিনা
৩৯	১৩	তহদেগা	তদগাহে
৪০	১	কুরুজন	গুরুজন
৪১	১৩	লীলদা	লীলাদা

লামাই	পরেং	অরানবা	অচুম্বা
৪২	৯	থত্তুনা	থত্তুনা
৫২	১৭	থল্লবদা	থল্লুবদা
৬০	১৪	মণনা	মনিনা
৬১	৫	নেনা	নৌনা
৬১	৭	পুরুং	পুরিং
৬৫	৬	লাংলকনিদো	লাংহংকনিদো
৬৫	৭	বৃন্দা	বন্দা
৬৭	১	নোমা	নোংমা
৬৭	৬	য়ৌবত্নুনা	লৌবত্নুনা
৬৯	১	লৌরো	লোরে
৭৩	১১	পাপাল	গোপাল
৭৫	১৬	নৌরবা	নৌববা
৭৮	১	মকলা	মকুল।
৮৪	১৭	পামজরা	পামজবা
৮৫	১	নখোং	চবনা
৮৭	৫	গুবিনা	শুমহংলিন।
১০১		শুবনা	ভাবনা
১০৫	২১	সুবলগীসু	সুবলগীসু
১০৬	১১	শুব	শোন
১০৮	১১	ননা	নংনা
১০৯	১	বামানন্দ	সুবন নেস

লামাই	পরেং	শাবানবা	অচুম্বা
১১৪	৮	ব্রহ্মবারি	ব্রহ্মচারি
১২৫	২	ম[illegible]ক্তো	মদুক্ত
১৩১	৫	রসমৃত	রসামৃত
১৩১	১০	সথ্যদর্গী	সথাদর্গী
১৪১	৪	শো[illegible]দোরকপা	শৌদোকরকপা
[illegible]৪২	৭	নান	নাল
১৪২	১৫	মণনি	মনানি
[illegible]৪৫	৪	শ্রীমদ্ভাগ[illegible]	শ্রীমদ্ভাগবত্তা
১৪৮	৭	কক্কা	কাকনা
[illegible]	[illegible]	নমাইনি	ননাইদি
[illegible]	[illegible]	ঐন[illegible]	ঐগী
১৫৬	[illegible]	[illegible]	শুক
১৬০	৯	ড়া[illegible]গা	ড়ালনা
[illegible]	[illegible]	[illegible]ন্দাক	শব্দাক্ত
[illegible]	[illegible]	[illegible]নিনা	নাইমা
[illegible]	[illegible]	[illegible]নিনা	মাননা
[illegible]	[illegible]	[illegible]	মুক্তরার
[illegible]	[illegible]	[illegible]লমং	খোংলমই

শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন শৈরেং পরেং
শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তনাবলি

শ্রীহরিশরণমঃ

১। আজানু লম্বিত ভুজৌ কনকাবদাতৌঃ।
সঙ্কীর্ত্তনৈকপিতরৌ কমলয়াতাক্ষৌ ॥
বিশম্ভর দ্বিজবরৌ যুগ ধর্ম্ম পালৌ।
বন্দে জগৎ প্রিয়করৌ করুনাবতারৌ ॥

২। বরাহ পুরাণ •
কলেঃ প্রথম সন্ধ্যায়াং লক্ষ্মী কান্তোভবিসতি
ব্রহ্মরূপং সমাশ্রিত্য সম্ভবামি যুগে যুগে ॥

৩ মার্কণ্ডপুরাণ ঃ —
গোলকঞ্চ পবিত্যক্তা লোকানাং ত্রানকবিনং।
কলৌ গৌরাঙ্গরূপেন লীলা লাবন্য বিগ্রহম ॥

৪। শ্রীমদ্ভাগবতে ১১ স্কন্ধ ঃ -
কৃষ্ণবর্ন্নং ত্বিষাকৃষ্ণং সাঙ্গোপাঙ্গস্ত্র পার্ষদম
যজ্ঞৈঃসংকীর্ত্তন প্রীয়ৈ যজন্তি হি সুমেধসং ॥
হবিভক্তি বিলাস ধৃত শাস্ত্রবাক্য।

৫। গুরুর্ব্রহ্মা গুরুর্বিষ্ণু গুরুর্দেবো মহেশ্বরঃ।
গুরুরেব পরংব্রহ্ম তস্মাৎসংপূজয়েৎসদা ॥

শ্রীহরিবু খুরুমজৈ

১। সনা মচু হেল্লবা পাম্বোম্মা খুকউ য়োনা চোল্লবা।
সঙ্কীর্ত্তনবু হোংদোকপিবা মংনা থম্বাল লকা চমজবা।
শৌজান্না মবম চইত্তুনা শায়োনবা ব্রাহ্মণ শাগৈ অথোইবা।
বিশম্ভর গৌরাঙ্গ প্রভুবু হন্না হন্না খুরুমজৈ॥

২। বরাহ পুরাণদা হায়রি।
কলিগী অহানবা [illegible] শ্রীলক্ষ্মী মব [illegible]
ব্রহ্মাগী মচা [illegible] লোত্তুনা যুগ যুগ [illegible] [illegible]

৩। মার্কণ্ড পুরাণদা হায়রি
গোলক থাদোক্লগ ম পুনমক [illegible] হৌরগা
কলিদ [illegible] ফজবা অহৌবা কুনা শায়গা
শ্রীগৌরাঙ্গন [illegible] [illegible] [illegible]

৪। শ্রীমদ্ভাগবত [illegible] [illegible] সক্তদা
কৃষ্ণ কৃষ্ণ [illegible] [illegible] [illegible] ওইবা নডাম মচুনা।
নিত্যানন্দ অদ্বৈত শ্রীবাসনচিবা অয়াম্বা ভক্ত [illegible] হৌনা।
পণ্ডিতশিংনা [illegible] সঙ্কীর্ত্তন যজ্ঞনা শ্রীগৌরাঙ্গবু পূজা [illegible]

৫। হরি ভক্তি বিলাসদা হায়রি।
শ্রীঅনন্তদেব [illegible] ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বরনি
তাথোইবা ব্রহ্মাগী মচা [illegible] শুকদেব তমুনা পূজা তৌজগনি

শ্রীগৌরাঙ্গ আরতি

কাটাদাসপেড়ে—গৌরি ॥

ফৌজে ফৌজে গৌরাঙ্গগী আরতি কচ্চরি

ঙ্গ শিবরা খোঙ্জেলনা কীর্ত্তনযাত্রীদা নিল্লি ॥

মোইরং খোং ই কাঁশী হৈরি করতালসু খিল্লি

থাইথমলরা পুগী রোল্লা শুক্ষাংনা হৈরি ।

মঙ্গল মঙ্গল হৈ পারেংনা চুকশাদা খোল্লি

[illegible] হাজ কোতি চমজনা [illegible]

ব্রহ্মানচিংবা লাইরাংগী পুম্ব [illegible] তুরা [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

শ্রীনিবাস হরিদাস [illegible]

[illegible] থৌগল চ জরি ।

হরি [illegible] দাসনা চরণতুং নিজরি

[illegible] পুম্বা শিবরা [illegible] নঙ্গণনা [illegible] ।

শ্রীরাধা রানী সন্ধ্যা আরতি

ইমন কল্যান

শ্রীরাধা রানীনা জয় ওইবি চবন্দা চংজবি ।
অসিগুম্বা আরতিনা লেপনা জয় ওইবি ॥
কুপ্পবা কত্রং ফিজোল শংলবা শাড়ীনা লৈতেংলি
শিরগ্র সিন্দুর তচা বনা তাইবং শুম্নাংলি
চান্নববা সখিশিংনা নিখিনা ফিজোল শেংগল্লি
রতনগী সিংহাসনদা ইরেম্মা লেংশিল্লি ।
সনা, লুপা, হেবা, মণি-মুক্তানা হংলব ।
লংলবা ফিজেং লৈতেংনা থাল্লি সনাহকচা পুম্ব ।
মংকৈ মন্দিরদা সখিশিংন হবাংনা থুবাক থৌব ।
চংগা থোইবীনা ললিতানা ফজনা আরতি কচ্চবি
নেব নৌপ ব্রজগী মাশিং না মতম ইশৈ শকচবি
চান্নববী সখিশিংনা চানব থোগগুরি ॥
শ্রীরাধাগী চরণ থম্বালতবু ভক্তশিংনা পামজবি
দাস মনোহরনস্থ চরণ সেবাতবু পামজবি ॥

শ্রীগোপালদেব আরতি

গৌরি

মাংখরে পাপ পুন্যা মপোক মপোক্কী।
লোমখরে যমরাজগী থবক দণ্ডি পিবগী॥
আরতিনা জয় গুইরি শ্রীমদনগোপালগী।
সনগী ঘাঁদা লুপলবা করপুরগী বর্ত্তিনা॥
মণ্ডান্তনা পুমডাল ডাল্লি সনাগী পুখমদা।
থাজ কোটি কোটি নুমিং কোটি মুর্ত্তিবু হেন্না॥
মাইথোংনা নিংথিজরি নন্দগী মপারিনা।
চরণ থম্বাল অনিদা নিঞ্জরি মণি নোপুরনা॥
বৈজয়ন্তি লৈপরেংনা থবাক্তা হাই ভুমলি।
খ্বাহোং চুরা কোকথোন্নি সনা-ফিগে খ্বাজেৎনি॥
খোলি বাঁশি নুংশিনা পুকনিং শুম্মৎলি।
নিংথিরবা লাইবকনি চাইরুং মতা ফবনি॥
য়েংজরি পুক্রিং পেঞ্জনা মদন গোপালবু।
মা লাই মনিশিংনা আরতি কচ্চরি॥
ভক্তনা খুত্তম চল্লবা তাইবং মপুগী।
য়ৈবি কাঁশি য়ৈরি তাল মৃদঙ্গ ঝাঁজরি॥
লৈ খুবাম খুবান কচ্চরি তঙাংলবা লৈরাংগী।
হুঁ হুঁ হায়না হীক্রা হীক্রা রঘুনাথ দাসগোস্বামী॥
চরণনা তাইবং শুম্মৎপা গোকুল থাজগী।

আবতিনা জয় ওইবি মদন গোপালগী।
মদন গোপাল জয় জয় যশোদা মচাগী ॥
যশোদা মচানা জয় ওইবি নন্দগী মচাগী।
নন্দগী মচানা জয় ওইরি গিবি ধাবী লালগী ॥
গিবি ধাবীনা জয় ওইবি গোবিন্দ গোপালগী।
গোবিন্দ গোপালনা জয় ওইরি গৌব গোপালগী
গৌব গোপালনা জয় ওইবি নিত্যানন্দ লালগী।
নিত্যানন্দ লালনা জয় ওইরি শ্রীঅদ্বৈতদয়ালগী।
অদ্বৈত প্রভুনা জয় ওইরি গদাধব লালগী।
গদাধব লালনা জয় ওইরি গৌবভক্ত পুঞ্জগী।

বৃন্দা তুলশী আরতি

গৌরি—আড়া

খুরুমজে খুরুমজলি তুলশী মহাবাণী.
বৃন্দে মহাবাণী খুরুমজবি। ধ্রু॥
হন্না হন্না খুরুমজবি ইমা নাবায়না;
ব্রহ্ম সনাতনা খুরুমজবি।।
উজবদা শোকচবদা মা হল্লিবা পাপ পুণ্যা
নহুণব্ বেদ পুবাণনা শকচরিবী।
মনাগা লোইনবা থোংলবা মঞ্জুবীনা;

শ্রীলক্ষ্মী মবুংঙো চরণ থম্বালদা ওন্থোইনা লৈরিবী
রাধাগী মবুংঙো চরণ থম্বালদা ওন্থোইনা লৈরিবী।
ধন্যনি ইমা তুলশী ইমাগী লাইনিং অসি;
শালাগ্রামগী মহাপাটরাণী।।
ধূপ দ্বীপ নৈবিদ্য আরতি কচ্চরি;
লৈ-তনা নোঙ্গম্না হৈথত্তুনা কৈদৌনি।
লুক্না য়াংখৈতরুক ইনশা মথেন কুনধ্রাতরুক;
তুলশী য়াওদনা অমত্তা লৌদবনি।।
শিব সনক-নচিংবা অতুগা ব্রহ্মানচিংবা;
কোইনা চত্তুনা থীরি নগুণব মহামুনি লৌশিংবনা।
চন্দ্রশেখরনা ইমা ইমাগী নগুণ শক শোল্লিয়ে;
প্রেম ভক্তি পীনবিয়ু ইমা মহারাণী।।
কবি অমত্তা পামজদনে প্রেম ভক্তি নত্তনা;
ব্রজ রাধা শ্যামগী প্রেম ভক্তি নত্তনা।
শ্রীগোবিন্দগী চরণ থম্বালদা বাধা গোবিন্দগী;
চরণ থম্বালদা শেংলবা প্রেমভক্তি পীনবিয়ু।
ইমা মহারাণী খুরুমজরি ২।।



যুগল আরতি—খোইড়া

জয় ওইরি শ্রীরাধা গোবিন্দ আরতি কচ্চরি।
জয় ওইরি শ্যাম সুন্দর মদন মুহন বৃন্দাবনচন্দ্র ॥
রাধারমন রাধাবিনোদ শ্রীগোকুলানন্দ।
জয় ওইরি রাসেশ্বরী বিনোদিনী ভানু শাগৈ থাজ ॥
জয় জয় ললীতা বিশাখানচিংবী সখী ময়াম্না।
পু নমাশী কুন্দলতা জয় ওইরি বৃবানচিংবী ॥
জয় ওইরি শ্রীরূপ মঞ্জুরীনচিংবী মঞ্জরী অনঙ্গ।
খুরুমজরি থৌজালবিহুনা পীনবিয়ু অনিগী চরণ ॥

সিংহার আরতি

আরতিনা পুমডাল ডাল্লে শ্রীরাধা গোবিন্দ।
ভক্তনা খুতম চল্লি চরণদা ভক্তি লৈজকবন ॥
মংথক অহুম থেকপা শক্তম মাইথোং থাজ হেনবা।
চাগী মণ্ং মানবা নাইন্না ডাল্লি চাইকং মতাফবদা ॥
থম্বাল-লকা এমজবা মিযেংনা জগৎ পুম্বা শুম্বাংপা।
সনা ফিংগে খ্বাংজেংনা রমনীশি গী পুক্লিং শুবা ॥
মোমোন নোকপা মাইথোংনা গোপীশি গী নুংঙাইজবা
ভাগ্যচন্দ্র তোল্লবনা নিজবি অনিগী চরণ সেবা।

থাল আরতি—পাঁচ তাল

আরতি তৌরি নন্দরাণী মচাগী মাইথোং য়েংই ।
রাখালশিংবু কোইশিন্দুনা গোপীশিংনা ইশৈ শকই ।।
ঘীগী থাওমৈ লৈ চন্দন লফোইনা থল্লবা সনাগী পুখম ।
ফজরবীশিংনা হুলুধ্বনি তৌই সখিশিংনা খুবাক খুরি ।
রাক্ষি শিঙ্গা বেনু থোংই যশোদানা রাম কৃষ্ণবু কোল্লি ।
মাখন শঙ্গোম ক্ষীরনচিংবা ইন্দুনা চারি রাম কৃষ্ণ ।।
ননশেল নহাশিংগী নৌরবা মাইথোং নুংশিনা চুপই যশোদা ।
জগোই শাই ব্রজনুপীমচাশিংনা রাম কৃষ্ণবু য়েংনা হরাওনা ।।
ন ওাইজরি রোহিনী মমানা মঙ্গল তৌরি নন্দঘোসনা ।
ধন্যনি ধন্যনি হায়না ভগদানন্দনা নুংঙাইজরি ।।

শ্রীগৌরাঙ্গ আরতি

শ্রীগৌরাঙ্গনা ঐগী ধর্ম্মনি কর্ম্মনি ;
গৌরাঙ্গনা ঐগী জাতিনী ।।
গৌরাঙ্গনা শাগৈনি মিংচৎনি সন্মাননি .
গৌরাঙ্গনা ঐগী পাঙ্গন্নি ।।
গৌরাঙ্গনা ঐগী থব্রাই মিরেলনি ;
গৌরাঙ্গনা ঐগী থব্রাই মপুনি ।।
গৌরাঙ্গনা ঐগী লৈজবা ললনি ;

মাগী মনাইনা ঐনি ॥
হরি নাম ধ্বনিনা লুপথ্রে শাগৈ ;
অঙাঙবা ওইহল্লে ঐবু ॥
নুংশিনা শক্লকপা ইবুংঙোগী স্ববনা ;
যুমদা লৈহল্ল্রে ঐবু ॥
গুরুজন্না তাকপা হাপলরোই নাকোংদা ,
ইকাই ইকি থাদোক্লনি ॥
শাগৈ মান হুন্দোক্লনি হায়জে জ্ঞানদাসনা :
শ্রীচরন্দা কচ্চরি ॥

শ্রীগৌরাঙ্গ মঙ্গল আরতি

বিভাস—ভৈরবী

মঙ্গল আরতি কচ্চরি শ্রীগৌর কিশোরগী ।
মঙ্গল ওইরি নিত্যানন্দ লোইননা প্রভূগী ॥
মঙ্গল ওইরি শ্রীঅদ্বৈত ভক্তশিং লোইননা ।
মঙ্গল ইশৈ শক্লি প্রেমগী ইথক হৌনা ।
মঙ্গল পু য়েবক্রে খোল করতাল্লা ।
মঙ্গল জগোই শাবক্লে হরিদাস ফজনা ।।
মঙ্গল ধূপ থাওমৈ কৎলক্লে স্বরূপ হরাওনা ।
মঙ্গল আরতি মৈওন্না পুমও ল ডাল্লি ॥
মঙ্গল নুংঙাইবা ফো দোক্লুনা গদাধরনা নোক্লি
মঙ্গল ইশৈবু তোল্ল কৃষ্ণদাসনা শকচবি ॥

শ্রীরাধা গোবিন্দ মঙ্গল আরতি

ভৈরবী- পাঁচ তাল

মঙ্গল আরতি কচ্চরি শ্রীরাধা গোবিন্দ।
জয় ওইরে শ্রীরাধা গোবিন্দনা শখিশিংনা নিংশি।
সনাগী পুখম খন্না ঘীগীবর্ত্তি মৈনা পুমডাল ডান্নি।
মাইথোং থাজ অনিমক্না মকা লামনা ডান্নি॥
ললিতা বিশাখা সখ অনিগা প্রেমদা লুপচবি।
মাইথো অনি চিনা যেংজৈ ন্ন ডাইজবা ওইক্লবি।
বৃন্দাবনগী কুঞ্জ লৈকোন পুন্সা পুমডাল ডান্নি।
অনিগী ফজনা শক্তমগী মঙান্না অঙকপা ওইবি।
মঙ্গল হংশৈ শক্রি কোকিল নাহোং জগোই শাবি।
মাইথো থাজগী থাবংদা নোংইন্না মিতাজবি॥
বীনানচিংবা যন্ত্র মযাম মঙ্গল ধ্বনিনা নিঙ্গনি।
শ্যামানন্দনা ন্ন দাইজবা চমীগ লৈজদবি॥

মহাদেব আরতি

আড়া

আরতিনা জয় ওইরি সদাশিবগী অঙকপা ওইরি ।
কাংশি করতাল শরিক খিংলি পুং ফজনা য়ৈরি ॥
ভৃঙ্গিনা করতাল হৌনা খিংলি নন্দিনা পুং ফজনা য়ৈরি ।
মাইগৈ মরিমক্তা লাইয়াম পুষ্পনা ভাল ভাল লাওরি ॥
উফুল লৈতেংলহ্‌না মহাদেব ডম্বুর খিংলকলি ।
প্রেমদা ময়াই কাহ্‌না শ্রীগোবিন্দ তোইনা শোল্লি ।
মাইথোং থাজ মঙাদা হরাওনা পঞ্চনাম শোলক্লি ।
বৈষ্ণব দাসনা হরাওনা শ্রীচরন্দা স্তুতি কচ্চরি ॥

দেবী আরতি

করুন দেবচাল্লি

আরতিনা জয় ওইরি দেবী ইমাগী ।
ভবানা ভক্তশিংগী কিবা কোকহুলবিরিবী ॥
মক্রুবা ফিজোল খোল্লিবা সনানা লৈতেংলিবী ।
সিন্দুরনা কোক্তা চাল্লিবী চক্রা মুক্তানা লংলিবী ॥
ব্রহ্মা শোরারেন্নচিবা লাইয়াম পুষ্পনা খুরুমলিবী ।
শুবা তরা লোন্নহ্‌না মুনি ঋষিশিংনা স্তুতি কৎলিবী ॥
মোইবুং শেম্ব শরিক কাঁশি বেন্নু যন্ত্রনা তোইনা থৌগল্লিবা ।
লাইরেম্বী পুন্নমক্না হরাওন চামর থৌগল তৌজরিবী ॥
রাম প্রসাদ দাসনা ইমাবু হন্না হন্না খুরুমজরি ।
মপোক মপোক খুদিংদা শ্রীগোবিন্দগী চরণ কাউজদবা নিজরি

শ্রীগুরুদেব আরতি

আড়া

জয় ওইরি শ্রীগুরুদেবঃ আরতি কচ্চরি।
শ্রীচরন্দা চংজবদা অরা অনা কোকচরি॥
চরণামৃত মরিক অমত্তনা কোটি তীর্থগী মহৈ ফংজবি।
গুরুনা তম্বীবা মন্ত্র নামশোঞ্জবদা কোটি পাপ্প কোকচবি
অহিং নুংথিল অনিমক্তা শ্রীকৃষ্ণগী চরন্দা ভক্তি লৈহনবিবি।
নিজবি রসিকানন্দনা থৌজালবিযু হায়জবি॥

নরসিংহ আরতি

আড়া

আরতিনা জয় ওইবি শ্রীনর সংহগী।
ভক্ত প্রহ্লাদবু কলবীবা অহানবা থৌজাল নহাক্কী।
কল্লবা থুজিন্না হোংগাইত্নবা মবুক লালবীবি হিবণ্যকৌশিক্কা
বেদ পুবাণনা শকনরি নগুণ মত্তুবা নহাক্কা॥
অনিশুবা আরতিনা বামন দেবনা জয় ওইরি।
অহি নুংথিল অনিমক্তা বলিনা সেবা ফংজরি॥
অহুমশুবা আরতিনা ব্রহ্ম পদবী ফংজরি।
পান্থোম লিশিংনা বাজ্য সাশন ফংজবি॥

মবিশুবা আবতিনা হিংচাবা পুষ্পা লালবীবি .
অৱাংবা থাক্কী সিংহাসন ভক্ত বাভিনন্দা পীবিবি
মণ্ডাশুবা আবতিনা কল্লবা কংস লালবীবি।
প্রেমতনা গোপীশিংনা তাংলবা চরণ ফংজবি॥
লৈ তুলশী পত্রনা সেবা ওইনা কচ্চবি।
মপোক মপোক খুদিংদা কবিবনা চরণ কাউদবা নিজলি

শ্রীবৈষ্ণব আরতি

আড়া

আবতি কচ্চবি হবি গুরু বৈষ্ণবকী।
গঙ্গা যমুনা বেবা তীর্থ কোটি মশক চবণামৃতগী॥
প্রেমগী মন্দিব মনুংদা ওইবিবা প্রেম সেবাগী।
কেশব চন্দন যাবক চন্দন মৃতিকাচন্দন মুক্তা মালাগী
বস্ত্র মশক ওইবা জল পাত্র মঙ্গলগী মশক্কী।
হায়জৈ পীতন্না হে হবি লালবীবিবা তোল্লবগী॥

শ্রীরাধা গোবিন্দগী আরতি

আরতি কচ্চরি ব্রজনিংথৌ মচা ইবুংঙোগী ।
ঙাল্লি ওইদা নোংথাংগুম মমোম বৃষভানুগী ॥
ব্রজ গোপীশিংনা নুংশিনা ইশৈ শকলিবী ।
কাম কোটি ঙমজবা মাইথোং থাজনা পুমঙাল ঙাল্লি ॥
মিন্না থম্বালগী ফজবনা জগৎ পুম্বা শুক্কাংলি ।
কুমকুম চন্দন থোলবনা নোংদা নোংথাং কুপগুম্নি ।
রস মখল মখলগী ভাবনা শ্রীঅঙ্গদা থৌগল্লি ।
শ্রীরূপ মঞ্জুরীনা চামর থৌগল চংজরি ॥
দাস বৃন্দাবন্না নিংথিবা অনিগী সেবাবু পামজরি ।

শ্রীরাম সিতা আরতি

আরতি কচ্চরি ভক্তশিং ময়াম পুম্নমক্না ।
মোইবুং তোইনা খোংলি নিল্লি খোল করতান্না ।
জয় ওইবি সিতা রাম রঘু শাগৈ থাজনা
অনিগী চরণ সেবাদা পুক্নিং চংই লক্ষ্মন্না ॥
ওমফদ্রবা মহাদেবগী লিরু ইরাই লাইনা থুদেকই
সিতাগী অরাবা পুম্বা ইরাই লাইনা কোকপী ॥
লেবাক খুদিংগী নিংথৌরেলশিংনা পুজা কচ্চরি ।
অনিমক্কা চামর থোগল হনুমান্না তৌজরি ।
অনিমক্কা চরণ থম্বালদা তোল্লভদ্রশিংনা চ জরি ।

শ্রীশ্রীজগন্নাথ আরতি

জয় ওইহরি শ্রীজগন্নাথ আরতি কচ্চরি ।
উজবদা চরণ থম্বাল অরা অনা কোকচরি ॥
তোইনা তোইনা কাংশি য়ৈরি বেন্নুস্নু খোংলি ।
মৃদঙ্গনা তাল চানা য়ৈরি খঞ্জুরিস্নু য়ৈরি ॥
ইন্দ্রদ্যুম্ন সমক্রু নাক্তা খোঙ্গেল রাংনা কৌজবি ।
মার্কণ্ড স্বেতগঙ্গা নুংঙাইনা ঈথক হৌরি ॥
সনা মণি থাওমৈ কচ্চরি মঙান্থনা পুম্নলং লংই ।
মনগী ঘী অগরবর্ত্তি থাংমৈনা পুমঙাল ঙাল্লি ।
মী লাই মুনিশিংনা খোংদা লেপ্লি ব্রহ্মানা বেদথিবি
ধন্যনি ধন্যনি হায়না রাঘব দাসনা পেঞ্জবি ॥

শ্রীবিজয় গোবিন্দ ভুগ আরতি

জয় ওইবি গোবিন্দজিগী আবতি কচ্চরি ।
মোইবুং শরিক করতাল পুং যন্ত্র পুন্নমক য়ৈবি ॥
অহানবা আবতিনা মাইথোং থাজদা কচ্চবি
মবোল অহুম্ব শুম্মাৎনা নুংঙাইবা পীবিরি ॥
অনিশুবা আবতিনা ঙক্তা লৈ পরেং থোল্লি ।
শংবানবা কুচ্ হকচাং মাইথোংনা পুমঙাল ঙাল্লি
অহুমশুবা আরতিনা শ্রীগোবিন্দজীগী ফজবা ।
কামদেববু শুম্মাৎপা শক্তম গোপী পুক্লিং হুরিবা ॥

মরিশুবা আরতিনা নুংঙাইবগী মশক ওইবা।
তোল্ল-তাবনা লালবিবা শ বান্নবা চংখোনবা ॥
মঙাশুবা আরতিনা মতিক মহৈ ফোংদাক্লিবা।।
ভক্তশিংবু য়েংকখৎপিবা ফত্তবশিংবু মা হনবিবা।
চরণ থম্বাল অনিবু মপোক কয়াদা কাউজদবা।
দাস মনোহরনা পামজে শ্রীচরণগী সেবা ॥

বল রাম কৃষ্ণ আরতি

ব্রজ গোপাল লোইননা ব্রজলাল লালজী।
ব্রজলাল কৃষ্ণ শ্রীবলদেবজী অনিনা চাংহৌরিবি।
ঘণ্টা ঢোল থাংজেং শ্রীদাম সুদামনা আরতি কচরি
ব্রজ গুলরা লোয়ননা ব্রজলাল লালজা ॥
আরতি কচরি অনিগী মাংথো যেংজবি।
ব্রজ হুরাংলশিংনা হনাংনা থুনাক থুবি ॥
ধন্যনি ব্রজগী থবাই কাহাই বলাই অনিসে।
আনন্দসাই গৌরাচান্দনা চরণদা চাংজবি ॥

শ্রীবিজয় গোবিন্দ সন্ধ্যা আরতি

গোবিন শ্যাম অনিগী মাইথোং য়েংজবি।
হরি কেশব ফজবা শক্তম্না ইমিৎ পেঞ্জবি।
নুমি কোটি থাজ কোটি চমজবা শক্তম্নি।
টজনদা পুক্নি মিংকা নুংঙাইজবা মশক্নি॥
অশংবা শাড়ি সনাফিগে ফৈজোম খ্বাজেংনি
কুঞ্জদা লন্দা শান্নবদা যান্না হৈশিবনি॥
বাকোং চনা খোনবা থঙা মুকুল পাইবা
চা নরোগী নাইন্না নাপদা হাই ত্তমলিবা।
হৈগী নব সিংহাসনদা চাংখোইবি ঙৌবি
নিপালক্তগী অহোংইবা চাংখোইবি ঙিংবিবা
ব্রজগী গোপী পুন্নমক্না আরতি নচনবি
নন্দগী মচা ইনংভো বৃষভানুগী মচা হন্নেম্মা।
যান্না নুংঙাইনা ফজনা হবাঙনা ঙাংখোইবি
অনিগী মাইথোং য়েংজনা আরতি কচ্চাবি
হরে কৃষ্ণ পুম্বা অনিগী ফজনবা চালিন।
আরতি কচ্চবি বিজয় গোবিন্দনা চয় লৈবি

শ্রীমদ্ভাগবত আরতি

আরতিনা জয় গুইরি শ্রীমদ্ভাগবত স্বয়ং ব্রহ্মগী মশক
জয় গুইরি শ্রীমদ্ভাগবত শুকদেবগী থবাইগী লন ।
মহাত্মা কৃপাদগী পরিক্ষিৎনা থল্লাই হিংজবি ।
শ্রীগোবিন্দগী মশক ওইবা পুরাণ পুন্নগী অথোইবা ।
মরোক অমনা ব্রহ্মগী মশক অবেপ্পা শক্তমনি ।
শিংদনা উপাল কোটিদগী খোইনা চানবিহৈবনি
লক্ষণ দাসনা হায়রি অসিবু হেল্লবা লৈতবনি

শ্রীমদ্ভাগবত নাম সঙ্কীর্ত্তন

কাটা দাসপেড়ে

জয় ওইবি শ্রীচৈতন্য বিশ্বম্ভর গৌরচন্দ্র গেন ।
শায়োন পুম্নগী কোক্কা লৈতে ; কলি যুগকী চিন্তামণি
শ্রীগৌরাঙ্গ গৌরহরি গৌর কিশোর ।
শায়োলনিবনা ধন্য কলি যুগ কৌবি ॥
যুগ যুগ খুদিংদা ওইখিদ্রি অস্মুম্না খোজাল হৈনা
মতু দস্তু ওইবক্রুবোই অস্মুম্না চানবা হৈবা ।
গদাধরগী থরাক্ত ওইবা সুপণ্ডিত নিমাই
চংজনি চবন্দা অকি অথ পুম্না কোকপিবা
শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য প্রভু শচিগী মচা ইনুংঙো ।
প্রেম ভক্তি শিদনা ভূপাল জিব পুম্নগী হুক্রু ।
জগন্নাথ মিশ্রগী মচা বিষ্ণুপ্রিয়াগী মপুঙো ।
নবদ্বীপ চন্দ্রগী মি লেন শোল্লনে তপুনা ॥
গৌর গৌর গৌর শোল্লি যমগী দণ্ডি লৈবোই
ননেহে ওনেহে ওনেহে কলি জীব পুম্না ॥

নাম সঙ্কীর্ত্তন অহোবা

ডাসপেড়ে

১। জয় গুইবি শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য বিশম্ভর গৌবচন্দ্র গৌব।

২। শ্রীগৌবাঙ্গ গৌব হবি গৌব কিশোব ॥

৩। গদাধবগী মবুংঙো পণ্ডিত নিমাই।

৪ শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য শচী মচাইব ঙো ॥

৫। জগন্নাথ মিশ্রগী মচা বিষ্ণুপ্রিয়াগী মব ঙো।

৬ নবদ্বীপকী খাজ গুইবা শোলন্ শ্রীচৈতন্য ॥

১ জয় গুইবি জয় গুইবি, শায়োল পুম্বগী অথোইবা,

২ কলি যুগকী চিন্তামনি; প্রেম ভক্তি পীনবিবা, জীব পুম্বগী মবুংঙো।

৩ চন্দ চংঙবি, বিদবন পীনহৈবা, প্রভু নংগী,

৪ যশোদাগী মচা গুইবম্বা ব্রজদা মাখলুচুবা কৌবম্বা,

৫ গৌব গৌব গৌব শোলন্, মমগী দণ্ডি কংলোইনে, মমলবা কলি যুগতা।

নাম সঙ্কীর্ত্তন

তাল অন্তম

জয় গুইবি শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য শ্রীনিত্যানন্দনা

জয় গুইবি শ্রীঅদ্বৈতচন্দ্র গৌব ভক্তশিংনা ॥

শায়োন পুম্বগী অথোইবা কলি যুগকী চিন্তামনি।

জীব পুম্বগী মপু প্রেম ভক্তি পীনহৈবা ॥

জয় গুইবি নিত্যানন্দনা বোহিনা মচাইবুংঙো।

তোল্লা তাব লালবিবা থৌজালহৈবা ইবুংঙো ॥

শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন শৈবেং পরেং

নাম সঙ্কীর্ত্তন

আড়া

জয় গুইবি শ্রীনিত্যানন্দ অদ্বৈত গৌবাঙ্গ।
নিত্যাই গৌবাঙ্গ নিত্যাই গৌরাঙ্গ ॥ জয় গুইরে ॥
রোহিনীগী মচা ইবুংঙো বলবাম নিত্যানন্দ।
মাগুন্না থৌজাল হৈবা কনা লৈবগে ॥
লংজববা ফাওবদা প্রেম পীনহৈবা।
শাস্তি গুইবি জগাই মাধাইনা ॥
জয গুইবি যশোদাগী মচানা শচীগী মচা গুইবনা।
কলি যুগকা চিন্তামনি শায়োল পুন্বগী অথোইবা ॥
জীব পুন্বগী মপু প্রেমভক্তি পীনহৈবা।
জয গুইবি মহাবিষ্ণুগী শাযোল গুইবা শ্রীঅদ্বৈতচন্দ
শ্রীগৌব কিশোববু মানা পুবকপনিনে।
গঙ্গাজল তুলশী কতুনা হুকাব শব্দনা ॥
বৈকুণ্ঠদা চাল্লিবা জগৎকী মপু শ্রীহরিবু।
জয গুইবি গদাধব শ্রীবাসনচিংবা ভক্তশিংনা ॥
জয গুইরি চক্রবর্তি তকক কবিবাজ নিপান্না
স্বরূপ রূপ সনাতন বায় বামানন্দনা ॥
খণ্ড বাসি নবহবি মুবাবি মুকুন্দনা।
জয গুইবি মহন্ত কৃষ্ণমবি কবিবাজ নিপান্না ॥
জয গুইবি নচা মচা লোইনতুন বায় ভাবানন্দন।
মচা অহুমগা লোইননা শাবি জগোই শিবানন্দনা।
গোপাল ভবানিথোই অমদি মহন্তকৃষ্ণমবিনা
থৌজানবিদুনা পীনবিয় শ্রীগৌবাঙ্গগী চবণ ॥

নাম সঙ্কীর্ত্তন অরোইবা

আড়া

জয় ওইবি শ্রীরাধা কৃষ্ণ গোবিন্দনা।
রাধা গোবিন্দ রাধা গোবিন্দ রাধা গোবিন্দ॥
শ্যাম সুন্দর মদন মোহন বৃন্দাবন চন্দ্র।
রাধা রমন রাধা বিনোদ শ্রীগোকুলানন্দ॥
রাশেশ্বরী বিনোদনী ভানু শাগে থাজ ওইবী।
ললিতা বিশাখানচিংবী মঞ্জরী অপুম্বা।
শ্রীরূপ মঞ্জরীনচিংবী মঞ্জরী অপুম্বা।
পূর্ণমাশী কুন্দলতা অমদি ব্রবারন্দ॥
গৌড়ালবিদুনা পীনবিয়ু অনিগী চরণ সেবা।

শ্রীগোপালদেব ভোজন লুক কৎপা

আড়া

নিংউ গোবিন্দ মাধব গিরিধারি
চিঙ্গী মণি গোবর্দ্ধনর থাঙ্গৎপা
পুক্রি তুরা উজ্জল রসয় ফোংদোক্‌পীবিরা।
লুক-হা শদা লেংই মদন গোপাল॥
মংগল লুকোই ময়ানদে মশিং থারা নেদে।
লকো মথক্তা তুলশী মঞ্জরী অমমম হাপই॥

গঙ্গা জল তুলশী লোইননা লুক কচ্চবে।
পুরি পেন্না গোপালদেব লুক মথেন হাবীরে।।
মাল পুরা ক্ষীবনচিংবা তলগী মথেন মথেন।
রসগুল্লা জিলিবি কচৌবিনচিংবা হাণ্ডবা মথেন।।
শাক শুক্তানিনচিবা ফজনা ভৌরবা মথেন।
শগোল হবাই থোংবা কন্তক মুগ থোংবা মথেন।।
শাক যজনা তোনবা ঘা অফবনা বস হাপলবা।
বরা পকৌবা বড়াঝাল থোংবা সানা থোংবা।।
পুন্নক্ক মহি লোন্না শোক তৌববা মহি হাণ্ডববা
অরাং অপা য়েংন্না লোগলে মখেন শুকোই
পুরি পেন্না লুক হাবা লোইবরদা আচমন তোবে
সনাগী য়াশেং চেনা ঝবক ফডনা শে দোবে
মনম শংশিবা লুববা ঈশানা চিলতে থোক্লে।।
লুক হাবা লোইবদুনা লেগী আসন্দা লেংশিলে
ফজবা ফিজেং লেতেং মনাইশিনা থোগল্লে।।
কর্পূর হাপ্লবা হাণ্ডববা তাম্বুল পানা কচ্চবি।
শ্রীগোপালদেবগী প্রসাদিন ভক্তনা পামজৈ।।
শ্রীকৃষ্ণ চেতন্য প্রভুগী মনাইগী মনাই ওইবা।
লুক হাবা সেবাবু নরোত্তম দাসনা পামজৈ।

শ্রীগৌরাঙ্গ ভোজন—লুক কৎপা

আড়া

নিংউ তোল্ল-তারবা লালবীরিবা শ্রীগৌরহরি ।
শ্রীগৌরহরি নবদ্বীপবিহারি তোল্লবশিংগী মবুংঙো ॥
লে বিরকউ মহাপ্রভু হঙ্গৎচরি শ্রীচরন্দা ।
শান্তিপুর ঐগী য়ুমদা লেংশিলবিরকউ ॥
মক্রুবা আসন্দা প্রভু লেংশিলবিরক্রে ।
লুববা মনম নুংশিবা ঈশিংনা চরণ শেংদোক্লে ॥
লুকহাশংদা প্রভু হরাওনা লেংশিলবিবক্রে ।
ওইদা শ্রীঅদ্বৈত প্রভু য়েন্থা শ্রীনিত্যানন্দ প্রভু ॥
ময়াইমক্তন্দা লেংশিন্দুনা ফমলে শ্রীচৈতন্য গোসাঁইও ।
থেলকৎলবা লুকফমশিংদো মথেল লুকোই য়াম্মি ॥
শাক শুক্তানানচিবা হাওব হাওববা মথেলনি ।
মগ ক তক চানা হরাই থোংবা শগোল হরাই শোক্তি ।
মাল পুৱা কচোরি পুরি মখল মখলগী তলনি ।
শঙ্গাম ক্ষীর জিলিবী বসগুল্লা লডু লাল মুহোলনি ।
সানা থোংবা মাখল মধুর ঝাল বড়া ঝাল থোংবনি ।
থেলকংলবা লুকী মথক্তা তুলশী মঞ্জুবী অমমম তারে ।
গঙ্গা ঈশিং তুলশী লোইনহনা প্রভুদা কৎচরক্লে ।
ইনশাং মথেন ময়ামদো প্রভুনা হরাওনা হাবীরে ॥
থৈ থোংবা থৈ অম্বল আচার কাংঙো অরাংপা খল্লি ।
থৈজদে থোংবা থৈজদে য়েনবা চানবিয়ু লৌবীয়ু হঙ্গৎলি

শান্তিপুরগী মুপীশিংনা হুল্লু-হুল্লু ধনি মঙ্গল তৌরি।
লুক-হাবা লোইরবদা প্রভু আচমন তৌরে ॥
সনাগী য়াশে চৈনা য়া শেংনা শেংদোক্লে।
লুরবা মনম নুংশিবা ঈশিংনা চিন ফজনা তেংথোক্লে
লুক হাবা লোইরবদা লৈগী আসন্দা লেংশিল্লে।
অনৌবা ফিজোল পুম্বা ভক্তশিংনা থৌগল্লে ॥
এলাইচি কর্পূর হাপ্পা তাম্বুল পানা ভক্তশিংনা থৌগল্লে।
পানা হাবগা লৈগী শয্যাথক্তা তুংঙাইনা পোংথারে।
লৈগী হুমাই পায়ত্তুনা হংচিৎ লানবা থৌগল্লে।
গোবিন্দদাসনা পাদসম্বাহন খোংনোইত্তুনা সেবা তৌরে
শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য প্রভুগী মনাইগী মনাই ওইত্তুনা।
লুক হাবা লীলাগী সেবাবু পামজৈ নরোত্তম দাসনা।

—

যুগোল ভোজন লীলা

আড়া

নিংউ গোবিন্দ মাধব গিরি ধারী।
চাং নিথৌ গোর্বর্দ্ধনবু থাঙ্গৎপীবা ॥
পুক্নি হুবা লীলা রসবু শান্নবিবা।
শ্রীবৃন্দাবন্দা কিশোর কিশোরী ॥
লুকহাশংদা লেংশিল্লে সখিশি লোইননা।
শাক ফজনা থোংবা তল অঙৌবা অঙাংবা ॥

লড়ু বেরা জিলিবী কচৌরী রসগুলা ।
শঙ্গোম অনৌবা অফম্বা ক্ষীর সানাথোংবা ॥
নুংঙাইনা পুক্লিং তানা হারে কিশোরা কিশোরা ।
লুক হাবা লোইরবদা ঈশিং লৌহনা আচমন তৌবে ॥
সনাগী য়াশেং চৈনা য়ারক ফজনা শেংদোক্লে ।
মনম নুংশিববা লুববা ঈশিংনা চিল তেংথোক্লে ॥
মণিনা থায়বা লৈগী আসন্দা অনিনা ঙাল্লে ।
অনৌবা ফিজোল পুন্নমক সখিশিংনা লৈতেলে ॥
কর্পূর এলাইচি মবী হাপ্লবা পানা থৌগল্লে ।
অসিগী প্রসাদিব সখিশিংনা পামজনা ফংলে ॥
অসিগুম্বা মহাপ্রসাদিব ভক্তশিংনা পামজবি ।
লুক হাবগী ললা সেবাব শকচরি নরোত্তমদাসনা ॥

শ্রীরাধা কৃষ্ণ বন্য ভোজন

আড়া

নিংউ বাপা ব্রজনাথ মাধব গিরিধারী ।
চাংগী মণি গোর্ব্বদ্ধন গোর্ব্বদ্ধনবু পুবিবি ॥
পুক্লিং হুনা শান্নবা লীলা বসবু ফোংদোকপীবি ।
শ্রীবৃন্দাবনগী ললবা অমুবা থাজনি ॥
ললীতানচিংবা সখিশিংগী থম্মোয় হুবা হবিনি ।
সুর্য্য পুজানি হায়রনা লেংলক্লে রাধানা ॥

শ্রীরাধা কুণ্ডদা লেংলক্লে ইরেম্মা হরাওনা।
সখিশিংগা লোইননা ফংজবে মরুংঙো দর্শন ॥
রাধা কুণ্ডদা জলকেলি শান্নে কয়া হরাওনা।
শান্নবা লোইববদা লেংখৎলে কুণ্ড মপান্দা ॥
অঙকপা ফংনা লৈতেংজবে ফজবা ফিজোলনা
আসন্দা লেংশিল্লে শ্রীকৃষ্ণ লুক হাবে ॥
পরিবেসন তৌজৈ শ্রীরাধানা পুক্নিং হরাওনা।
অথুম্বা ওইনম্বনচিংবা মখল মথেল কয়ানি।
লড্ডু বেরা জিলিবী ক্ষীর কচোরি মখল কয়ানি।
ব্রজ নিংথৌমচা কৃষ্ণনা পুক্নিং পেন্না হাবীরি ॥
ন্নুংঙাইনা যেংজৈ রাধানা সখিশিং লোইনবি।
লুক হাবা লোইবতুনা লেংখৎলে চিল তেংথোক্লে ॥
কপূর পানা হাবিরে লেগী শয্যাদা চেপখবে।
শ্রীরাধানা সখিশিং লোইননা মহাপ্রসাদি ফংজবে
প্রসাদি ফংবা লোইবতুনা তোগৎলে চিল শেংনা তে
সখিশিংনা ইরেম্মবু ইবুংঙোগী চরণ নাক্না পুশিল্লে ॥
ইরেম্মা ইবুংঙোগী প্রেম সেবাবু সখিশিংনা ফংজবে
চেপখবে অনিস্থু প্রেমগী ঈপাক্তা তাউতুনা ॥
শ্রীরাধা কৃষ্ণগী প্রেম সেবাবু পামজৈ নরোত্তমা ॥



পামজবা — আড়া

রাধা কৃষ্ণ যুগল কিশোর থৱাই ওইবা ঐগী।
হিংলিঙৈস্ত শিরগস্ত গতি অতৈ লৈজদে ঐগী॥
কালিন্দীগী তোর্ব্বান্দা কদম্ব পামেলগী মখোংদা।
ফমহলগনি অনিবু রত্ন সিংহাসনগী মথক্তা॥
শ্যাম গৌরিগী হকচাংদা চুৱা চন্দন সেবা চংজগনি ;
মাইথো থাজ য়েংজত্না কদৌঙৈ চামর থৌগঞ্জগনি॥
লেংজত্না মালতি পরেং অনিগী ওক্তা হুকচগনি।
শ্রীমুখদা কর্পূর তাম্বুল পানা সেবা ফংজগনি॥
ললীতা বিশাখানচিংবা সখি ময়াম পুন্নমক্কা।
য়াথ মতু ইঙ্গত্না কদৌঙৈ ফংগনি চরণ সেবা॥
শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য প্রভুগী মনাইগী মনাই ওইজরবা।
তোল্ল নরোত্তমদাসনা অনিগী সেবা পামজবি॥

সঙ্কীর্ত্তন অধিবাস পদ

ছোট দশ কুশ

জয় ওইরি জয় ওইবি গোরা শ্রীশচী মপারি।
শাবকপা জগোইনা জগৎ মঙ্গল পীবিবি॥
শ্রীবাস রামানন্দনা নুংঙাইনা কীর্ত্তন তৌরি।
মুকুন্দ বাসুঘোষ নুংশিনা ইশৈ শকলি॥
দ্রাং দ্রাং দৃমি দৃমি মাদল পুং য়েরকলি।
ফজনা য়েরক্লে; তা তা থৈয়া হায়না॥

তাতা থৈয়া তাতা থৈয়া তাল চানা য়েরক্লে ॥
মৃদংশিরবা খোন্তোক্লা মণ্ডিলানা নিল্লক্লে ॥
মোইবুং কাংশি করতাল্লা মৃদংশিনা নিল্লক্লে।
তাল পুন্নমক প্রভুগী চরন্দা থৌগল্লক্লে ॥
কনাগুম্বা ভক্তনা শ্রীঅঙ্গদা গন্ধ চন্দন কচ্চবি।
চন্দন কচ্চরি; ইবুংঙো সনা হকচাংদা ॥
কনাগুম্বা ভক্তনা লৈপরেং প্রভুদা হুকচরে।
প্রেমগী তেন্না থম্মোয়নুংদা তেন্না থুন্না পাল্লরে।
খল্লুবদা ভাব পুন্নমক্লা শ্রীঅঙ্গদা থৌগল্লবে।
কনানা হায়নৈ গৌরাঙ্গসে সিতাগী মব ংঙোনি ॥
শ্রীরাধাগী চান্নথোইবা থৱাই মঙানি।
নয়নানন্দনা হায়জৈ অতৈ অমা খঙজদে ॥
ঐগী ইবুংঙো গদাধরগী মবুংঙোনিনে ॥

কৌজবা — দাসপেড়ে

তিল তাল

লেংবিরক্রো গৌরাঙ্গচান্দ ; ঙালবিরবোনে ;
ঐগী থম্মোই যোগাসন্দা ।
ঙসি নংগী নগুণ শক শোঞ্জগে ॥

ব্রজদা ওইবমই বাসবিহাবি ; হৌজিক ওইবে কীর্ত্তন বিহাবি,
হৌজিক নবদ্বীপ্তা কীর্ত্তন বিহাবি ।

বজদা ওইবমই ; রাধিকাগী মবুংঙো ;
হৌজিক ওইরে গদাধরগী মবুংঙো ।
হৌজিক কলি যুগতা ওইবরে বিষ্ণুপ্রিয়াগী মবুংঙো ।

ব্রজদা থাঙ্গংপীবি ; গিবি বাজ গোর্ব্বদ্ধন ,
নবদ্বীপ্তা থাঙ্গংপীরি ভক্তি গিবি গোর্ব্বদ্ধন ॥

ব্রজদা ওইবমই ; গোপীশিংগী মবুংঙো ,
হৌজিক ওইবরে ভক্ত বৈষ্ণবশিংগী মবুংঙো ।

গতি লৈতবগী গতিনি , উপাই লৈতবগী উপাইনি ;
নহাক নত্তনা অতৈ গতি লৈতনা ॥

ন নত্তনা ওইবোই ওইবোই , হরি নাম সঙ্কীর্ত্তনসে ;
তাইবং ঈপাক লালবীনবা ॥

হা গৌরাঙ্গ শচীগী মচা ; নহাক নত্তনা গতি লৈতেনে ;
নংবু নত্তনা আআ ॥

শ্রীগৌরাঙ্গ শক্তম

খোইড়া

ফুঙ্গৈনা নোংহৌ ঙমজবা কুচু উরেনে ঐনা গৌরাঙ্গবু।
সনাগী কুচুনা মপান্দা য়োয়্নে অশংবা কুচুনা ন্নুংদা লোংলে॥
রাখল শাথেক উবদা মাবু মুন্না খংলেনে।
রাধাগী মবুংঙো শকহৈলবা কৃষ্ণ ব্রজগী শক্তমদো॥
পুমলোং লোংখ্রে; লোংপদা চিখরে খোই খোইবা মিয়ে।
ন্ন শিবা মিয়ে উবদা খংলে ব্রজ রাজনন্দন কৃষ্ণনি হায়বা॥
ব্রজগী নৌববা ব্রজগী নৌববা অনিনা অমত্তা ওইববিবনি।
বাঁশীনা রাধা রাধা খোংলম্বদো বাধা প্রেমগী লমন হবি নামনি॥
ব্রজদা ওইরমই অমুবা থাজ খোলমই ন্নংশিনা শুন্দংপা বাঁশী।
হায় অঙকপনি হরি হবি শোল্লি হবিনাম্না তাইব লাংলবিবরে॥

শায়োন—অবতার

লোফা—ত্রিপদ

ধন্য কলি যুগসিদা; শায়োলবে নদিয়াদা.
লেলক্রে শচীমচা ওইরছুনা।
গোবিন্দনা পোকলবে; সখা সখিনা ভক্ত ওইডুনা,
ব্রজগী অমুবা থাজড়ুনা॥
ব্রজ নিংথৌ মপারি: গোপীশিংগী চান্নবা:
ব্রজ বাশিগী থরাই ওইবা।
বাধাগী লমন শিংগে খন্দুনা; চুবা বাঁশী থাদোক্লে:
জীবগী লক্ষী শেম্বীবরে॥
লমন শিংগে থোবাংবদা; শ্রীমতি বাধিকাগী:
বৃষভানু মমোমলোই॥

ছোট দশকুশ

ফুইনা নোংঙৌ ঙমজবা ; অশংবা মণি হেল্লিবা ;
অহিংবা সনাগী মচুনা ঙাল্লবে ।
ঙাল্লে সনা মচুনা ; অনৌবা নোংগী কুচুহুনা ;
ব্রজ গোপী লক্তা ঙাল্লম্বা ॥
বাস মণ্ডন ময়াইদা ; ব্রজদা থোকলম্বা থাদো ;
সঙ্কীর্ত্তন রাস মণ্ডন্দা ঙাল্লরে ।
কলি জীব অপুম্বা ; কলক মিহৈনা থল্লবা ;
থম্মোয়ন্নুংগী মৈরা থানবিবরে ॥
থাজ ওইনা ঙালবিববে , মম্লবা খিবিক মাহনবিরে ;
কলি জীবগী থম্মোয়ন্নুংগী ।
ওইখিদবি ওইরক্লরোই ; মাগুম্ব' থোজাল হৈবা অমা ;
যুগ যুগ খুদিংমক্তা ॥

শায়োন—অবতার

আড়া

ভক্ত ওইনা পোকলবে ভক্তি পীনবিরবে ।
হরি নামনা শায়োন ওইডুনা জীব পুম্বা লালবিবরে ॥
হরি নাম মহামন্ত্র বৈষ্ণবশিংগী অথোইবা লন্নী ।
ব্রহ্মানা ফংঙমদ্রবা নাম নাম চিন্তামণিনী ॥
হরে নাম হরে নাম হরি নামতনা অথোইবনি ।
কলিদদি লৈতে লৈতে জীব লান্নবা উপাই অমা ॥

নামগী ঝুলি ঙক্তা য়াল্লে পান্থোম রাংনা থাঙ্গৎলে।
লাওনে জীব ঐগী নাক্তা হরি নামবু লৌরোলাওনে।
পুবা লুমদে মমল তিংদে তোইনা তোইনা য়েনবিরিনে॥

হরি সঙ্কীর্ত্তন ময়াইদা জগোই শারি গৌরনা।
ঙসি নবদ্বীপ পুন্য ধামসে নুংঙাইবা ঙমখৈ লৈতেনা॥
ব্রজ গোপী পুক্লিং হুবা শ্যাম লোইননা রাস্বেশ্বরী।
অনিনা জগোই শাবগুম্না থেক্না নোনা জগোই শাবি॥
জগোই শানা শানা ব্রজ প্রেমগী ঈথক হৌরী।
গৌরাঙ্গগী থুপ্লবা ভাবপু বাস্নুঘোসনা শকচরা॥

শায়োন—অবতার

তালচপ এক তাল

রস্ব রাজ শ্রীকৃষ্ণনা ; শ্রীগৌরাঙ্গ ওইহুনা ;
শায়োন্দুনা নবদ্বীপতা ফোংলে।
জীবগী লম্বী শেম্বীররে ; লমনশিংগে খল্লবনা ;
শ্রীরাধিকা ইবেম্মগী॥
মহাভাবপু খঙগে হায়না ; মপুং ফারবা থাজ ওইনা ;
প্রেম ভক্তি পুর্ণিমানা ঙাল্লে।
গোপী পুক্লিং শুম্মৎনবা ; মুরুলী খোঞ্জেন্না ওইবা .
মহাযজ্ঞ সঙ্কীর্ত্তন্না ঙাল্লে॥
য়ুমথোং য়ুমথোং খুদিংদা ; খুঙ্গং খুঙ্গং খুদিংগী ;
কলি জীব লালবীনবা।
প্রেম ভক্তি ফংজনবা॥
কৃষ্ণগী কুচুনা নুংদা চন ; রাধাগী কুচুনা থক্তা থোং ;
মহাভাব গৌর ওইনা ফোংলে॥

গৌর শক্তম

আড়া। চালি

থাজ কোটি কোটি ওমজবা ২ গৌর মাইথোং থাজনি।
লৈরোই চাংদমনিংঙাই ওমজবা অমা ২॥
তাইবং কোইনা থিরুত্নুনা লৈরোই অমা চাংদমনিংঙাই।
পুক্লিং হুবা গৌরগা মান্নবা চাংদম অমা॥
মিংস্না থম্বাল অনিনা নাগরী পুক্লিং হুবনি।
গৌর শক্রা শুক্ষাংলবা হায়জৈ বাস্নঘোম্বনা॥
সুধর্ব্বনা তোর্ব্বান্দা ঙাল্লি ঙাল্লি গৌর থাজনা।
উদরে যুমদা লৈঙমদে উরুরে থোইনা খোইরাংই॥

কবিন্দ্রংগী উকববা ইতা ; ফুদোংবা সনা ওমজবা গৌব ;
চাংদমনিংঙাই লৈতনা ফজারে।
উকুরে পুক্লিংসে লৈতাদরে ; শাগৈগী ধর্ম্ম কর্ম্ম কাউখবে ;
উদারে যুমদা লৈঙমদরে॥
ফজবা ভকশমদা ; ফজবা লৈগী পরেং ;
হায়না হুমনা নিংথিরে।
হেশিংবী কনানা ; লৈখল চানা লেংলিবা ;
শক্কা চুগা লৈগা চানরে॥
য়েংউ ইতা ফজবা শক্তম ; নাগরী এখোয়দি লৈঙমদরে ;
থরাই হকচাং লোইনা কংথোকখ্রে॥

তাঞ্জাও মাত্র ২৮

৩ ৪ ১ ২
| ০০০ | ০০০০০০০ | ০০০০০০০ | ০০০০০০০
পন্তি সোম বড়দশকুশী

যতি

কনা কনা চংকনি লাওনে তাইবং ঈপাক রাংমদা।
লানবদা করিস্তু কিফম লৈতেনে লাওনে;
মতম অসি অমুক ফংলরোই লাওনে;
নিংঙমহৌরোইনে।
লাওনে নিত্যাই গৌর লেংলক্লেনে;
জীববূ লালবিগে হায়না ॥
লাওনে।

ডাসপেড়ে

শচীগী মপাবিনা নদিয়াদা ডান্থোইরি।
বিষ্ণুপ্রিয়াগী চান্নখোইবনা তাইবং শিনবা থুনা ডান্নি
অচং চন্ত অপুম্বনা গৌরগী কোলোই শোন্নবি।
কলি যগকী নিংথৌরেন্নি অবতার পুম্নগী মকোক্নি।
কলি মশক খানবা হোংনৌ পুন্সি মহৈ য়ানগনি।
তোল্লবগী মপুনি পতিত পাবন মিংথোন্নি ॥
নংখোং থম্বাল অনিদো ঐগী ওইজবা পামজে।
ঐগী ওইরে খঞ্জবা কদৌঙৈ ঐনা ফংজগবা ॥
পুন্সি ঐগী অরোইবদা তাইবং হিদেন মপান্দা।
নংগী নখোং হিবেল নত্তনা লানবিনবা কনা লৈরোই।

লোক্কা

গৌরাঙ্গ শোঞবদা ঐগী কদৌডে তু-চুংজগবা ।
হরি হরি শোল্লবদা মিত্তগী পি তাজগবা ॥
কদৌডেনো নিত্যানন্দনা ঐহাকপু চানবীবদো ।
তাইবংগী কল্লক মিহৌববু উৎকুম্না ঐনা খনবদো ॥
তাইবংগী লাংনা পুনবা কদৌডে থাদোক্কবা ।
বৃন্দাবনবু উজবা কদৌডে ঐনা ফংজগবা ॥
রুপ রঘুনাথ শোঞবদা নোল্লুকচবদো ।
কদৌডে ঐনা খংজগবা অনিগী চান্নবদো ॥
রুপ রঘুনাথগী চরন্দা ঐনা লুনা নিংজবদো ।
পামজৈ নরোত্তম দাসনা শ্রীচরন্দা চংজবদো ॥

লোক্কা মধ্যালয়

গৌরগী নিংথিবা ফজবা কোলোই ।
শোঞোনে পুক্নিং ফনবা পোলোই ॥
গৌরগী থৌজান্দি য়েরুবা চংলোই ।
মখোয় তরুকমক কনাসু লাকলোই ॥
অকিবা যমগী থৌরিনা পুললোই ।
অরা অনা দণ্ডি করিসু ফংলোই ॥
শোল্লুনে পুক্নিং গৌরগী কোলোই ।
অফবা পুম্বা নংগী লাক্কনি শোয়রোই ॥

অরোইবা মুমিত্তা কনাম্ব উরোই।
নচা নশু শাগৈ নহাক্কী তালোই ।।
তাইবং হিদেন্দা ওইরি গৌরনা হিরোই।
লালগনি তাইবং সমক্রু শোইরোই ।।

গুরুজন : গৌরচন্দ্রিকা

বিভাষ : তেউৎ

ঐগী থৱাই পুন্সিগী লন সোনার নিমাইচান্দ।
নিমাই নংসে ইমাগী থৱাইগী থৱাইননে ।।
ইমাগী ইবুংঙো তলগন্নে হৌগৎলোনে।
থোইদিং তঙ্খাই উদ্রবদা ইচাগী মাইথোং থাজদা ।।
লৈঙমদ্রবী কপ্পতনা ঐগী শরুক ওইজবানিনে।
লৈজবা ঙমদে; উদ্রবদা; নংবু ইমানা ।।

দুই ঠেকা — সুট খেলা

নোংপোক মাইগৈ ইঙান ঙাল্লে ;
হৌগৎলোনে ইমাগী নিমাই ।।
নোংঙাল্লেনে; শর্য্যাদগী হৌগৎলে বাপু;
নুমিৎ য়াম্না থেংলেনে হৌগৎলোনে বাপু ।।
নচিন নয়া শেংদোক্লো নমিৎ নমাই তাথোক্লোনে।
নংগী মরুপ মপাং লোইন লাক্লে কৌনরোনে ।।

নংগী মরুপ ময়াম লাক্লেনে নংগা শান্নরুগানি হায়না।
মচাবু শিং শিং নান্দুনা নুংশিনা হায়রকই ॥
মচাবু নুংশিবগী প্রেমতনা তত্তনা শিস্থরকই।
মমাগী নুংশিবা ব্রাহৈ তাবদা হৌগৎলে নিমাই ॥
মোমোন নোকপা মিনোক্না মমাবু নুংশিনা য়েংই।
মমানা নুংশিনা হৌদোকপদা হৌগৎলে নিমাই ॥

চারি তাল

হৌগৎলে নিমাই মচিন ময়া শেংদোক্লে;
নমিৎ মমাই নিংখিনা তাথোকলে।
জগন্নাথ দাসনা মতম কুইনা নিংজবা;
খংভমদবা প্রভুগী লীলাবু উজবা পামজে।
গৌর গুণমনিগী লীলাবু; মতম কুইনা পামজবা ॥

গুরুজন সুত্র

রাধাংস্নাত বিভুষিতাং ব্রজপয়াহুতাংসখিভিঃপ্রগে।
তহেদোবিহিতান্নপাক রচণাংকৃষ্ণাহবশেষানাং ॥
কৃষ্ণংবুদ্ধমবাপ্ত ধেনু সদনং নিব্যঢ়গোদোহনং।
সুস্নাতংকৃতভোজনং সহচরৈস্তাঞ্চাথ তঞ্চাশয়ে ॥

গুরুজন

এক তাল। ভৈরব

কুরুজন অহল লমন হৌগংলে নোংঙাল্লে।
য়ুমগী থবক পুম্বা সখীশিংদা থৌদারক্লে ॥
সখী খরনা ষনগোন্দা শঙ্গোম শুমলক্লে।
লন থুম সনা লুপা নোম্বীনবা মী ব্লাংতেনে ॥
সখী খবনা গুরুজনগী সেবা চংখোন্না তৌবেনে।
সখী খবনা সনাবুন পুতুনা ঈশিং শোকলক্লেনে ॥
সখী খরনা লৈ হেক্তুনা পরেং ফজনা লেংলেনে।
সখী খরনা ইমুং মাঙ্গোল শিং নান্না শেংদোক্লেনে ॥
মুমিং খুদিং তাকনবা লৈতনা লুনা নান্না পাল্লিনে।
অম্মম ওইবা ফজবা নিয়মসে গোবিন্দ দাসনা পামজৈ

—

কালঙেরা– এক তাল

১। মাগী মাগী শিন্থা পীবিরে মুংঙাইনা নন্দরাণী।
২। মচাগী নাক্তা লাতুনা মুংশিনা হৌদোক্লে রাণী ॥
৩। নোংঙাল্লে হৌগংলো নচিন নয়া শেংদোক্লো।
ইমাগী ইবুংঙো নমিং শিংলো নমিং নমাই তাথোক্লো

১। থৌদাবেনে; য়ুমগী থবক পুম্বা: মনাইশিংদা;
ব্রজেশ্বরী নোংঙালবদা; পুক্লিং নুংঙাইনা যশোমতী।
২ বাণী লাক্লেনে; মচাগী নাক্তা; হৌদোক্কে হায়না; যশোদা বাণী॥
সখা ময়াম লাক্লুনা লৈবে নংবু হৌবা লাক্লে।
হৌগৎলো হৌগৎলো নংবু উনগে হায়না লাক্লে॥
৩। শিন্থবক্লেনে: মচা নুংশিবগী প্রেম; মচাগী মাইথোং চুপালেনে;
শিন্থবেনে; অমৃতগী ধাবা; গোপালগী মাইথোং উক্লবদা॥
থেংলে নুমিৎ য়াম্না কাবে ইমাগী ইবুংঙো নমিৎ শিংলো।
নংগী মকুপ সখাশিংনা কাহ্নাই কাহ্নাই কৌবিসি তাদববনে॥
কৌবেনে নংবু হম্বা হম্বা হায়না মনবী মন্নাওনানে।
হা গোবিন্দ হায়বা থোক্লুহুনা হম্বা হম্বা হায়না কৌবেনে।
শাগী মপোক্তা পোকখিবনা॥

খ: বাস লীলা লোইরগা কুঞ্জ লীলদা শ্রীমতিগা —
ফি ওন্ননা শেৎলকপত্নু উবদা মচা নুংশিবগী প্রেমদা —
লুপলবী যশোদানা হায়রকই॥

ভৈরব — খেমতাল

বলরামগী ফৈজোম কবিগী শেৎলিবা।
কনানা লৌখ্রে নংগী সনা ফিগে ফৈজোম॥
করিগী শেৎলিবা; অশংবা ফৈজোম।
নয়াম্বুং বলরামগী গোপাল নংনা॥
পাম্লবদি ঐঙোন্দা হায়যু ইমনা নিংবা কুইরবনি।
অশংবা ফিগে ফৈজোম শেৎপীগে হায়না॥

গুরুভজন - দুই ঠেকা

অঙাংবা থরোংম ; ঙাংলিবা মিত্তুনা ;
করিষ্নীনো হায়য় ইমাদা ।
হৌজিক ক্ষাও হৌগত্রিবা ; অহিং তুম্বা য়াদ্রবরা ;
ইচাগী মাইথোংসে মকশিল্লেদা ॥
নুংশাগী মৈশানা ; কন্না য়েমনখিত্নুনা ;
হকচাং পুম্বা খুইশিল্লেদা ।
অশংবা থরোংম ; নৌববা ইচাগী হকচাংনি ;
নুংশাগী মৈশানা লাংহৎলেদা ॥
কনানা থৌদাত্নুনা ; পাখৎনা ষন থত্তুনা ;
ইচাবু য়াম্না ৱাহল্লেদা ।
তিংখং মবক্তা ; ষন থৎলুবগী ;
মশাসে য়াম্না খেগাইবেদা ॥

ঠুংঙাঁর

ঐহাক্কী লাইবক্তা ; করম্না তম্বীবা ;
থল্লুবদা ৱারেনে ঐদি ।
লাই হিংচাবা ; মী ফত্তবশিংনা ;
বন্দা কোইনা চৎলিবনি ॥
ইচাবু অৱাবা ; পীগদরা থল্লবদা ;
ৱাবেনে য়াম্না ইমাদি ।
শেংনা ঈরুজত্নুনা ; লাই পূজা তৌরিবনি ;
ইচাগী মঙ্গল নিবিবনি ॥
ইমাগী ইবুংঙো ; হৌগৎলো থেংলেনে ;
ননি মাখন হাওর হাওরবা লৈরেনে ।
ইচাগীদমক ৱাওনা ; ইমানা থমলিবনি ;
পুক থম্না চারোনে ॥

ভৈরবী - এক তাল

মচাগীদমক রাজবা ; মমাগী মুংশিবা খোম্ভোক ;
তাবদা হৌগৎলে গোপাল।
ফিরুপ খুমজিললি ; মোমোন মোমোন নোকই ;
মুংশিবা মমাগী রাঙাং তানিংহুনা ॥
লাইনিংবী পূর্ণিমাশী ; লাক্লে তাঙ্গাসিদা ;
যশোদানা খুরুমজে।
খুকমজরেনে ; লাই ওইবীগী চরন্দা ;
নন্দরাণী যশোদানা ॥
মচা ইবুংঙো গোপাল ; মমাগা লোইনা ;
মুরুম মুরুম শোন্দুনা খুরুমই ॥
হন্না হন্না খুরুমই ; লাইওইবীগী চরন্দা ;
মমানা খুরুম্বা উবদা নিলমণি ॥
শেখরনা হায়জে ; ইমা যশোদা রাণী ;
কিবীরুম্নু নচা গোপালগীদমক ॥

ঠুংঙরি – বিভাস

তবি তবি হৌগৎলি ; মমিং নোইর নোইরহুনা ;
খুরুমই দেবীগী চরন্দা।
মঙ্গল ওইবিয়ু ; নিংবা থুংবিয়ু ;
মপান্দা থোলক্লে তাবদা ॥
ময়ামগা লোইননা ; লুরবা ঈশিংনা ;
চিল য়া ফজনা শেংদোক্লে।

ব্রাংপা লৈতেনে ; সেবা হৈবা ভাকনি ;
মোল্লবা গমশানা তৈথোকই ॥

ফজৈদা ইবুংঙো ; মপা লৈতেদা ;
কাম কৌবা লাইবু হেল্লিদা ।

কাম দেব কপইদো ; মাইথোং থাজ উবদা ;
ইকাই মলখিত্নুা ॥

সখাশিংগা লোইননা ; পুক্লিং হরাও নুংঙাইনা ;
মনগোন্দা লাক্লে হরি ।

হরাওনৈ নুংঙাইনৈ ; শৃদাম সুবন মধুমঙ্গল ;
কাহ্নাই লোইননা বলায়দাদা ॥

মনবী মনাও পুন্সা ; হন্সা হন্সা খোংই .
গোপালবু উবদা নুংশিনা ।

মচা পীথক্নুা ; মখোম থাহল্লগা ,
শঙ্গোম শুমই মদন গোপাল ॥

হবাওনা নুংঙাইনা ; তাল থা থাত্নুা ;
সখাশিং নুংশিনা ইশৈ শকই ।

শেখরনা হায়জৈ ; য়াম্না লোংনা থুপনা ;
লম্বীসিদা ইবেম্মা রাধা লাক্কনি ॥

গুরুজন – এক তাল

মতম অসিদা যশোদানা কুন্দ লতাবু কৌরকই।
হে কুন্দ লতা চৎলো নংনা রাধাবু পুতুনা লাকউ॥
খব থুনা চৎলো ওসি চাক ওন্না থোংলো লাউ।
চাক লাম্বনা চদৎনরে নিল্লমণি ঐগী গোপালসে॥
খুরুমলগা চৎখরে য়োৎখরে জটিলাদা খুরুমই।
ইমা ইবেম্মা জটিলে নন্দরাণীনা খুরুমজরকই॥
নমৌ ইবেম্মা রাধাবু লৌরু হায়না ঐবু থারকই॥
তাবদা জটিলা হরাওনা ন'তনি ঐনা থাজবা হায়রকই।
শেখরনা হায়জৈ ইবেম্মনা লেংবা মবুংঙো দর্শন॥
ইমা ইবেম্মবু ঐখোয় নন্দরাণীনা য়াম্না লুনা নিংজৈদা।
ওসিদি খরা ওন্না লাকহন্নবা খুরুম্মুচো হায়রকইদা॥
কুন্দলতা ঐবুসু ইমা ইবেম্মনা লুন' তৌবিবদা লাকচরিবনিদা
শিংইদা কুন্দলতা মুংশিদা রাঙাং তাবদা মুং ফাওবদা পেংলিদা॥

ঝাক তাল

পেৎখরে পুক্লিং জটিলা হবাও হরাও হায়রকই।
ন'তনি ঐনা থাজবা ইমৌসে ন'না চেকশিনবিয়ুনে॥
মী কনা খওদ উদবা লক্ষ্মী অশম্বদা থুনা পুবিয়ুনে।
অতুগা চাক থোংবা হেক লোইবগা থুনা থিনবিরকউনে॥
ইমৌসে অঙাংনি অপংবীনি নখুত্তা শিন্নরবনিনে।
চেকশিল্লু মঙ্গল ওইয়ু নিংবা পুন্নমক থুংউনে॥

শাগৈ চাওখৎনবা ইচা আয়নগী সম্পতি হেঙ্গৎনবা ।
যুমগী লক্ষ্মীনি ইমৌসে অতোপ্পা লম্বী চৎপা য়াদে ॥
লম্বী চৎপদা সখা অমত্তা উনদনবা চৎকদবনি ।
নন্দগী মচা কাহ্নাই হায়বদো তৌওমদবা লৈতবনি ॥
নংবুদা থাজহুনা ইমানা শিন্নবিবনি মঙ্গল ওইযু ।

ঠুম্বরি

চবন্দা খুরুমজরি ইমা ইবেম্মা নচা কুন্দলতানা ।
ব্রজদা মগুণ লৈববী লাই ওইরবী ইমানিনা ॥
লন্দস্মু র‍্যাৎত্রবী শক্তা সম্পতিদস্মু থোইদোক্লবানিনা ।
ইমাগী কাদা কনাগুম্বা অমত্তনা কারন চৎলোইনা ॥
কিবীকন্নু অতুদগীস্মু মথক্তা কুন্দলতা ঐস্মু য়াওবিনা ।
মতম চানা চানা পুখিনি চেকশিন্না অমুক খিলক্কনিনা ॥
কুন্দলতা ইবেম্মবাধা মনেমগী চরন্দা খুরুমজবে ।
খুরুমজরে মনেমগী চরন্দা বিদায় পীবিবে মঙ্গল ওইযু হায়না

গুরুজন — একাতাল

লোইনবী তিন্নবী চান্নবী পুকচেল খঙনবী ।
শক হেলবী ফজবী তরু তহেল্লবী হৈশিংলবী ॥
লড্ডু পেড়া কচৌরি বসগুল্লা জিলিবী ।
সনাগী শেঙ্গাদা মথন মথেন নাইনা হাপলবী ॥

শুদোক্লুবা ফজরবা গমশানা নিংথিনা কুপলবী।
মবুংঙো কৃষ্ণদা কৎননবা লোন্না শেমলবী॥
হৈশিংবী ময়ান্না কনা খংহন্দনা লোন্না পুরকলেনে।
খ্বাইগী তুংদা কুণ্ডলতানা রাসগী ৱারী হংলকলেনে॥
জগোই কনানা হেল্লবা কনানা ৱাংপা হায়য়ু হায়য়ুনে।
ৱাবী শানা শানা হরাও হবাও নোক্না নোক্না লাকলেনে

ত্রিপদ

নিংথৌগী মনোমনি; গোপীলকী মণিনি;
সনাগী কুচু হেল্লিবী।
শামুগী শাজৎনি; কাংঙ্লাগী খোংথাংনি;
য়েংডনিংবী মাইথোং থাজনি॥
চরণ থম্বালদা; মণি নোপুরনা নিল্লি;
খ্বাংদা কিঙ্কীনিস্থ নিল্লি।
শাজং ঈপোমদা; বেনী ঈথক হৌরি;
অশংবা শাড়িনা লৈতেংবী॥
থৱানমিচালক্তা; থাজনা ঙালবগুম;
সখীলক্তা ঙাঞ্জরিবী।
থম্বাল পরেং চৎপা মাল্লি; থাজ পরেং ঙালবগুমই;
ফজরবী পরেং লাক্লেনে॥
খুজিন্না থাগুম্বী; মিনোক নিংথিবী;
য়াতোন পরেংনা মুক্তা ঙমজবী।

জগৎ শুদ্ধংপী মিয়েংনি ; ব্রাণাং ফজরবীনি ;
কোকিলগী খোম্হোক হেল্লিবী ॥
থম্বাল লকা ওমজবী ; মিম্নানা থম্বালনি ;
খোম্হোক নুংশিরবীনি ।
খুজিনা তালনি ; নোপুরনা পুংলোননি ;
নুংশিনা ইশৈ শক্নুনা লাক্লেনে ॥
অসুম্না লাকপনা ; য়োরক্লে ময়ামদো ;
কৃষ্ণনা শঙ্গোম শুম্ফমলোমদা ।
গোবিন্দ দাসনা হায়জৈ ; ফজবা অসিমক্নুনা ;
মদন মুহনবু ফংজবনি ॥

গুটা একতাল

সখাশিং ময়াম লোইনহুনা কাহ্নাই শঙ্গোম শুমলি ।
ষনবীদা খুরৌ চন্দ্রুনা নিংথিনা শঙ্গোম শুমলক্লি ॥
মুন্না মুন্না মুন্না য়েংলক্লে শঙ্গোম সুম্না সুম্না সুম্না ।
তপ্না তপ্না হায়রকই ; হে ইতাও সুবন রাধা লাক্লে ॥
শঙ্গোম শুমগনি খংখিদরে উবদা ওক্নুনা নৈখরে ।
মিংনা অমদা খুংনা অমদা মশাদা শঙ্গোম শুমজিল্লে ॥
ফজরে নিংথিরে ইবুংঙোদো তমান্দা সুন্নু তৈবংমখরে ।

ঠুংগুরি

রাধা মাইথোং উরবদা শ্যামদা ইঙক ঙকখরে।
তপথবা ঙমদরে শঙ্গোম শুমগনি থংখিদরে॥
খুরৌ থৌরী থাদোক্লে নাম্তোক্লনা চংখরে।
সনা খুংতো মরেং মরেং বাঁশি তাখিবা খংদরে॥
উরুরে সখিশিংনা হৌনা হৌনা নোকখরে।
ইকাই নুংশি য়াম্নরে তৌফম লাকফম খঙদরে॥
করিনো সখিশিংনা নোক্লরিবসে হায়না শাউখরে।
অঙাওবগুম খুরৌ থৌরী পায়খংলে ষনবা চংথোকখ্রে॥
চেনশিন্দুনা ষন লাবদা খুরৌ চেংনা চলখবে।
গোবিন্দদাসনা প্রেমগী লীলাবু উজবদা পুক্লিং পেনখরে॥

এক তাল

শঙ্গোম শুম্বা কাউখরে রাধাগী প্রেমদা লুপখরে।
হকচাং পুম্বা নিকখরে জ্ঞান পুম্বা মাংখরে॥
মিংকা মিংকা তিন্নখরে পুক্লিংগা পুক্লিংগা লপ্নখবে।
মাইথোং থাজ অনি উনবদা প্রেমগী ঈথক হৌখরে॥
মতমগী রাখল কাউখরে পুক্লিং অমত্তা ওইখরে।
রসগী মশক ওইবী হৈশিংলবা রাহৈনা মবুংঙো থৌগলখরে॥
নুংশিবা মিয়েং ফজবা শাথেক্লা মবুংঙো পুক্লিং ইংহলখরে।
শেখরনা হায়জৈ সেবাগীদমক হৈশিংনা কোন্নুং য়োখরে॥

ভৈরবী নেতাল

রাধাবু উবদা ; হবাও মনখ্রত্বুনা ;
যশোদানা চেন্থোবক্তুনা কোল্লে ।
নুংশিনা কোল্লে ; হন্না হন্না চুপলে ;
নুংঙাইবগী ঈথক হোবে ॥
বসগী মশক ওইবী ; হৌনা লমচৎ খংলবা ;
যশোদা রুহিনীবু খুরুমজৈ ।
হৈশিংলবী সখিশিংনা ; লোন্না পুরকপা ফৈজোম ;
ধনিষ্ঠা সখিদা শিন্নবে ॥
লোন্না শিন্নরে ; ধনিষ্ঠাগী মখুত্তা ;
হৈশিংনা সনাফিগে ফৈজোম ।
ইঙ্গিং খংলবী হৈশিংলবা ; যতন তৌনা খ ইন্দনা ,
লৌশিনখরে ধনিষ্ঠানা ॥
সনাগী শেঙ্গাদা ; থন্না পুবকপা সন্দেস ,
কুপ্পকপা গমশা হাযদোকে ।
নোল্লুকপা রাহৈনা ; ভক্তিগা লোইননা ,
যশোদা বাণীদা শিন্নরে ॥
নখল মখলগী সন্দেস ; হাওরা হাওরবা থুমলবা ,
উবদা যশোদা হবাওরে ।
নু ঙাইবে হবাওরে ; অথুম অহাও ময়ামদো উবদা
মচা গোপান্না পামল পামলবা ॥
যশোদা রুহিনী ; মিৎকা মিৎকা য়েংনৈ ;
থাগৎলি রাধাগী লমচৎপু ।

সেবা খংবা সখিশিংনা ,　　লুবনা ঈশিং পুথোক্লনা ,
শ্রীরাধাগী চরণ শেংদোক্লে ॥
লৈগুম্না থোৎলবা :　　হামদোকলবা চরণ ,
অমোলবা গমশানা তেথোক্লে ।
কহিনীগা লোইননা ,　　লুক হৌননবা ,
লেংশিল্লে ইবেম্মা বাপ ।
সখি পুন্নমক্লা ,　　মথেন নাকোই ফজনা শেম্লে ,
শেখরনস্থ ঘীগা যোগঞ্জবি ॥

রাম কেলি—ধরা তাল

সোবাংলগী কোন্দ্র হেল্লি ,
নন্দগী চাকথো শনা ।
ফজবা অম্রাপুবদগী হেল্লি ;
ব্রহ্মানা ফ ওমদ্রবা খংশন্নি ।
অম্রাপুবদগী হেল্লি যশোদাগী কোন্থ না।

কাটা

পনিগা ফজবা ,　　থোনবা পেংদে ,
ব্রাহ্মন ল ডুনা থম্লে ।
অকংবা শি ,　　যাবক চন্দগী ,
মৈ নিংথিনা থাগৎলে ॥
ল শিল্লে আসন্দা ;　　লুববা ঈশি পুন ,
নকনা থা জিল্লকলে ।
লুববা ফজবা :　　থোংবদা হৈবন :
বস মশক খ না থোংলক্লে ॥

বিভাষ—এক তাল

বিধিনা খংদ্রবা ; মথেন লুকোই ময়াম ,
পুক্লিং চংনা থোংলক্লে ।
করপুব এলাইচি ; হাপ্তুন শেম্লবা :
মনম নুংশিনা হাওনা শেমলে ॥
অমুনবা লফোইদা , মচন হাপ্তুনা শেম্বা ;
ওইনম্বা য়াওনা থুম্না শেমলে ।
অঙাংবা অঙৌবা ; ঘীনা মোম থারবা ;
তঞ্জানচিংবা তল হৌরে ॥
অমৃত কেলিকা ; লড্ডু মখন মখন ,
চাকি খণ্ড পদ্ম চিনা ।
ওইনম্বা পেড়া চানাগী কাংডৌ ,
মুসলা হাপ্তুনা ঙৌববা মুরি ॥
লুচি পুরি পুরা ; রস য়াওনা হাওরবা ,
বস ভাজা জিলিবী ।
শিটামিশ্রি তোংলবা ; থুমলবা খজুর ;
ওইনম্না থুমলবা রসগুলা ॥
শাঙ্গাম ছানা থোংবা ; থোংনা মেংনা হাওববা :
অফবা ঘীদা ফজনা তাওরবা ।
হৈখ্রেদা ইবেম্মা , সুম্বুনা পাম্বা মথেন মখল :
ফজনা হাওনা থোংলে ॥
লুরবা ঈশিং ; মনম নুংশিনা শেম্বা ;
সনাগী খুজাই থন্না হাপলে ।

লংলবা সনাগী শেঙ্গাদা ; ফজ-ফজনা থেনগংলে
সুদোকপা অঙৌবা ফিনা কুপলে ॥
শঙ্গোম অফম্বা অনৌবা , ঘীনা রস হাপ্পা
সনাগী তেঙ্গোং থন্না থন্না ।
য়ুবী মহিদা রস হাপ্পা ; ইংনা থুম্না হাওরবা
লুপাগী তেঙ্গোং থন্না থন্না ॥
হৈনোগী আচার ; আচার মখন মখন
শিং চিনী হাপ্পা চম্প্রা মহি ।
যশোদানা পাম্বা ; মথেন পুম্বা থোংবা লোইরে
অশুবা কত্রংগী ছানানা কুপ্তুনা থমলে ॥
ইবেম্মনা লুক হৌবা ; সখিশিংনা ইনশাং শেম্বা
লোইদ্রি ফাওবা পোংথাবা লৈতে ।
পুম্নমকসি লোইরবদা ; নুংঙাইবা ফাওরতুনা
সখিশিং তাল থাতুনা ঈশৈ শক্লে ॥
সখি থরনা চংখিতুনা ; নন্দ রাণীদা হঙ্গংলুরে
মথেন ময়ামদো উবদা রাণী হরাওরে ।
শেখরসু হরাওবদো য়াওজরি ॥

খোইড়া

মতমসিদা রামকানু সখাশিংগা লোইনতুনা ।
মখল মখলগী নুংঙাইবা কুম্মৈ শান্নৈ নুংঙাইনা ॥
যশোমতিগী অজ্ঞা ফংবদা লাক্লে রাম কাহ্নাইনা ।
স্নাণ বেদী মথক্তা শেংনা ইরুজরে লুরবা ঈশিংনা

মোল্লবা গমশানা শে না তৈথোক্লে সখাশিংনা।
লুকহাশংদা লেংশিল্লে রাম কৃষ্ণ আচমন তৌরে অনিনা॥
হাওর হাওরবা মথেন লুকোই হারক্লে পুক্লিং মুংঙাইনা।
শ্রীমতি ইবেম্মনা পুক্লিং খংনা য়েললে অরাংপা লৈতনা॥
পুক থল্লবদা হৌগংলে চিন-খা তেংথোক্লে লুরবা ঈশিংনা।
মণি শর্য্যা থক্তা লেংখংলে পোংথারে মুংঙাইনা॥
চান্নরবা সখাশিংনা সেবা তৌরে রারী শানা শানা॥
শ্রীকৃষ্ণগী প্রসাদিদো ইবেম্মনা ফংজবে পুক থন্না।
সখিশিংস্থ মহাপ্রসাদি পুক থন্না ফংহল্লে হরাওনা॥
প্রসাদি ফংবা লোইরবদা আচমন তৌরে লুরবা ঈশিংনা।
কর্পূর এলাইচি হাপ্লবা তাম্বুল সেবা চংজরে সখিশিংনা॥
ইবেম্মগী য়াথং মতুং ইন্না ময়ামগী প্রসাদিবু শেখবনা ফংজৈ হবাওনা॥

ব্যাখা : অহল লমন গুরুজনগী সেবা লোরবদা সখিশিংগা লোয়ননা মণি শর্য্যাথক্তা পোংথাখরে। লীলা ময় লীলা ময়া শ্রীরাধা গোবিন্দা। গুপ্ত কুণ্ড অশোকানন্দ কুঞ্জদা সখি মঞ্জরীনা মবম ওইহনা॥ তাইবং মঙ্গলগীদমক অনিনা অমত্তা ওইনা শান্নে। লালা লোইরবদা মাগী মাগী মণি তাংবলথক্তা পোংথানৈ॥ মতমগী মতুংইন্না (বাসল্য প্রেম) মচা মুংশিবগী প্রেমদা লুপ্লবী যশোদা রুহিনীনা মচাগী রাখাল ফিজেং শেংপিবা। সনা লুপা মণি-মুক্তা লৈতেং খুজি তাল মেখলা নোপুর ফজনা লৈতেংবা। মবুংঙোগী শক্তস্থ য়েংজরগা শ্রীমতি ইবেম্মা মুংঙাইজৈ॥ অমসুং মবুংঙোনা মন শেনবা চংপা য়েংজৈ।

ঠুংগরি

যশোদা রাণীনা মমৌ অনৌবীগুম্না নুংশিন্না চান্না।
সনা-লুপা মণি-মুক্তা ফজবা ফিজেৎ লৈতেং থোন্দুনা॥
অনৌবা অহনবা ফজবা ফিজেৎ লৈতেংই হৈশিংব্বী সখিশিংনা।
ইবেম্মগী হান্না থোান্নম্বা ফিজেৎ লৈতেং পুম্বা ফংজরে মতাশিংনা॥
অসুন্না অথুম-অহাও অচা-অথকনচিংবা ফজনা শেম-শাত্নুম্বা।
যশোদা রাশীনা রাধাবু নুংশিনা চান্না তৌত্নুনা চুপই কোন্দুনা॥
কুন্দলতাদা চেকশিন্না শিন্নরে ইবেম্মবু চৎননবা য়াথং পীরে নুংশিনা।
রাণীগী চরন্দা খুরুমজৈ সখিশিংগা লেংলক্লে কুন্দলতা লোইননা॥
যাবট য়ৌরে মনেম জটিলাগী চরন্দা নোল্লুক্না খুরুমজৈ কুন্দলতানা।
হেজরতা ইনে-ইবেম্মা নমৌ-ইবেম্মগী য়াম্না থোলবিরক্লে যশোদা রাণীনা
সনা-লুপা, মণি-মুক্তা খুজি-নাচি লিক-কোল ফজ ফজবা য়াম্না।
ফজবা শাড়ীনচিংবা ফিজেৎ লৈতেং অথুম অহাও অচা অথক য়াম্না॥
ইনে-ইবেম্মগী পুকৈ লঙ্গৈ করি অমত্তা অরাৎ অপা লৈররোইনা।
হঙ্গৎচৈ কুন্দলতা নোল্লুক্না থাগৎচৈ মনেম জটিলাবু য়েংজনা॥
হরাওজৈ তাবদা অথোই নাপল কাবী জটিলা কুটিলা মমা মচানা।

নিতি লীলা

গৌর গোষ্ঠ লীলা সমতাল

ষন শেনবগী লীলা

ঙসিদি গৌরাঙ্গসে করি ভাবপু খল্লুরবনো ।
ভাবকী ইপাক্তা তাউরে রাখলগী সমক্ত গৌরহবি ॥
য়েংউ ঙসিদি শৃদাম শুদাম হায়না কৌরকলে ।
য়েংই ধবলি শাওলী হায়নস্থ কৌরকলেনে ॥

লোফা

ধবলি শাউলি হায়না তোইনা তোইনা কৌরকলেদো ।
শিংগা বেন্থ মুরল্লী জয় ধ্বনিনা নিল্লকলেদো ॥
ষনশেন চৈশু হায়রত্না হৈ হৈ লাওনরক্লেদো ।
রামাই স্থন্দরানন্দ নিত্যানন্দ লোইননা ॥
গৌরিদাস অভিরাম হরাওনরি পুন্নমক্লা ।
পাম্বোম থাঙ্গত্না গৌরনা হরি হরি শোল্লি ॥
মুংঙাই ঈপাক্তা লুপচ র নদীয়াগী রমনি ।

মধ্যালয়

হরি ধ্বনিনা পুমনিল নিল্লি ; পাম্বোম রাংনা থাঙ্গত্না ।
কলি জীব লালবিগে হায়না ; কলি যুগকী চিন্তামণি ॥
শায়নবগী মকোক্কি শচী মচা গৌরাঙ্গ প্রভুনা ।
হায়জৈ বাস্থ ঘোসনা ; পুক্লিং হরাওজনা ॥
ব্রজগী গোষ্ট লীলা কোংদোকলরে গৌর থাজনা ॥

গোষ্ট লীলা শ্লোক

পুর্ব্বাহ্নে ধেনুমিত্রৈ বিপিন মনুস্যতং গোষ্ঠলোকানু যাতং।
কৃষ্ণং রাধাপ্তি লোলং তদভিস্থৃতি কৃতেপ্রাপ্ততং কুন্দতীরং ॥
রাধাঞ্চালোক্য কৃষ্ণং কৃতগৃহগমনা মার্য্যয়াকার্জ্জনায়ৈ।
দিষ্টাং কৃষ্ণ প্রবৃত্ত্যৈ প্রহিত নিজসখিবর্ত্ম নেত্রাংস্মরামি ॥

গৌরচন্দ্রিকা—দাসপেডে

ঙসি শান্নরুশিনে গৌরাচান্দ লাকলো ভায়।
নংবু কৌরুচো হায়না নিত্যাইনা থারক্লি ॥
লাক্লো গৌর ব্রজগী ষন শেনবা লীলা শান্নরুসি ।
ঙরাং হায়নখিবদাই শ্রীবাসগী ময়ুমদা ॥
অধিবাস কীর্ত্তন লোইরকপদা হায়নখিবদো।
ঙরাংগী ব্রাকমদো করিগী নহাক্না কাঙথোক্লি ॥
কাউথোক্তুনা করিগী নিংঙাইদনা লৈথোক্লি।
সখা ময়াম্না কৌরি নংবু গঙ্গাগী তোর্ব্বান্দা ॥
নচিন ননাও লোইনহুনা হরি নাম সঙ্কীর্ত্তন তৌরুসি।

এক তাল

নিত্যাই গৌরনা য়াইদা লেপলি।
ময়াম কোয়না হরি হরি শোল্লি ॥
ব্রজদা শান্নরমই চেল চোহুনা।
হৌজিক নত্থাসিদদি ; লৈমাইথক্তা ঙস্থোইরি ॥

হরি হরি শোল্লি ; নত্থাসিদদি ; পাম্বোম রা'না থাঙ্গতুনা
অমৃতদগী হেন্না খুমলখা হরি মাম্নি ॥
ব্রজদা খোংলম্নই সুমহৎমা খাশি ।
হৌজিক খাশি কদাইদা চংগ্রে ॥
খাশিগী স্বরদা ভাগুরথী রাধাগী ।
প্রেমগী লমন হরিনাম সঙ্কীর্ত্তননি ॥

এক তাল

নন্দগী শঙ্গাই মাঙ্গোন্দা ওসি ;
মঙ্গলগী খোঙ্গেলনা পুমনিল নিল্লে ।
সখা ময়ামস্তু লাকলহুনা লোইনা তিন্নরে ॥
যশোমতিনা মচা কৃষ্ণবু ফিজেৎ লৈজেংবিরে ।
চূরা ধরা খুজি তালবু নিংথিনা শিজিলবিরে ॥
ঘন রাম দাসনা হায়জৈ ফজরবা শ্যামনি ।
কামদেববু সুমহৎলবা নৈরবা শক্তমনি ॥

—

মন শেনবা লীলা

ব্যাখ্যা ঃ মতমসিদা ব্রজগী অহল লমনশিং ইম্মা ইবেন ময়াম- লাকুনা মখুত্তা ননী মাখন পাইহুনা মুংশিরবা রাহৈনা ; যশোমতিদা হায়রকই ।

এক তাল

রাণী নংগী নিলমণিবু অমুক্ত জগোই শাহল্লুনে।
ওগো রাণী পুক্ত চেলবী ; নন্দরাণী লাইবক ফবী ॥
ঐখোয় জগোই য়েংগে লাক্লিবনি মিলমণিগী।

ছোট খেলা

জগোই শারোনে নিলমণি ইমা অমুক্তা য়েংগেলে।
শারহুনা জগোই নংনা ইমাবু পুক্লিং পেলহল্লুনে ॥
জগোইছু উবদা পুক্লিং পেল্লবদা ননী মাখন ইনগেনে।
থেক্লা নোইনা চেন্না শারো জগোই মাঙোলসিদা ॥
নংগী জগোই য়েংগনি ননী মাখন লড্ডু ইল্লগনি।
লাক্লিবনি ব্রজগী অহল লমনশিংনা শারোনে ॥
ও গোপাল জগোই শারোনে নিংথিনা ॥
রাম প্রসাদনা হায়জে ইমা যশোদা নংগী নচা অসে।
ব্রহ্মা শিবনা কংগে নিংবদা ফংওমত্রবা নচা গোপালনিনে ॥

এক তাল

বাচা শারো জগোই নিংথিনা ;
ইচাগী জগোই শারো নিংথিনা ;
বাচা :- তাদৃমি তাদৃমি তাতা থৈয়া থৈয়া ;
থৈরগে পুংলোন তাথৈয়া থৈয়া ইমাগী নিলমণি।
জগোইবু য়েংলগা পুক্লিং পেল্লবদা নজগনি হায়না ॥

ননী মাখল হাওর হাওরবা লৈরি মখুত্তা পাইদুনা।
শাত্রবদি জগোই পীজরোইনে নঙোন্দা কনামতনা॥
ময়াম্বু উরগা পংশিল্লিবা করিগী নংনা।
মুরলী খোংদুনা পেলহল্লু ময়াম্বু মুংশিনা॥
পোকপগী মহে য়ালহল্লু ইমাগী নিলমণি।
হায়জে দ্বিজদুর্গা রামনা নচা ওইনা ফংজবা॥
নংসে য়াম্না লাইবক কৈদা নন্দরাণী।

ব্যাখা:—ইমা ঐদি জগোই হৈজদে ইমানস্থ নোংমতা তম্বীদে। য়াম্বুং বলাইদি য়াম্না হে লৈশেম জগোই সংহার জগোই; মখল মখলগী তাণ্ডব লাস্য নর্ত্তক ব্রাংনা ব্রাংনা চোংখত্তুনা য়াম্না শাই। দাদা বলাইগা লোইনদুনা মাগী তুং ইল্লদুনা শাজগে।
তাবদা চংখরে যশোদা রুহিনীগী তম্পাক্তগী বলরাম লৌরুবে অঙোবা লুপাগী চীংনা মখোং পানদুনা চংপগুম য়েত্তা বলরাম অশংবা ম গনা মখোং পানদুনা চংপগুম।
ওইদা নিলমণি ওইগা য়েংকা ফজরে চাংদমনিংঙাই লৈতবে।

এক তাল

শারেনে নিলমণি জগোই; লোইনদুনা বলরামগা;
উজবদা পুক্লিংসে পেঞ্জরেনে।
সখালক্তা শারে জগোই; য়েত্তা থেক্লি বলরামনা;
ঐদি থোইনা মুংঙাইজরেনে॥

ইচাগী কোক্তা রাহোং চুরা ; গুঞ্জা পারেংনা য়েংলবা ;
ওক্তা লৈগী পবেংনি।

খ্বাংদা কিঙ্কীনিনা নিল্লি ; খোংদা সনাগী নোপুবনা ;
রুনু ঝুনু রুনু ঝুনু নিল্লে ॥

থেক্লা নৈনা চেন্না চোংনা শাবে : য়েংজবদা পেঞ্জবেনে ;
সনাগী নোপুবনা রুনু ঝুনু রুনু ঝুনু নিল্লে।

পুক্কি পেন্না য়েংবিবোনে ; ইচা নিলমণিগী জগোই,
হে দেহে ব্রজগী অহন লমনশিংনা ॥

জগোই শারেনে শ্যাম থোইনা নিংথিজনা।

যেত্তা বলবামসু থেক্কি সখা ময়াম্না ইকোই কোইনা ॥

রুনু ঝুনু ঝুনু নোপুবনা নিল্লি ইচাগী নোববা মখোংদা।

তাদম্মি তাদম্মি তাতা থৈয়া থৈয়া য়েবি পুংলোলসু তাথেয়া থৈয়া

কিনি কিনি কিনি কিঙ্কানিনা নিল্লি চেনবা ইচাগী মখ্বাংদা।

কনাংহক্না গোপিনা পুক্কিং পেল্লদুনা ননা মাখন তানা তানা ইল্লি।

কনাগুম্বা গোপীনা পুক্কি পেল্লদুনা লৈ থুবাম থুবাম চাইথরি।

আড

জগোই হেবে নন্দগী মচা ইবুংঙো।

খোংজিগী রুনু ঝুনু ঝুনু তাবদা নুংশিবে ॥

ঝণন ঝণন দগীতা দগীতা থৈয়া থৈয়া তাতাথৈ।

নাইন্না চাইকদা হায় হুম্লে মুরুলী চিনবান্দা নিথিবে ॥

সনা ফিগে ফেজোমগী গুঞ্জানা চবণথক্তা শাল্লে।

লাইবক্তা চন্দনা থাজগুন্না ওালে শ্যাম নাগব।

দুই তাল

ইমা ইমা কৌহনা মোমোন মোমোন নোক্তুনা।
কোকিলগী নুংশিববা খোঞ্জেলদগী হেল্লি॥
মমাগী ফিজি পাইদনা নুংশি নুংশিনা কৌই।
মমাগী মাইখোং চিংনা য়েংই নোকমি নোকমিবা মিয়েন।
যশোদা কহিনা মচা নুংশিবগী প্রেম্বু থোইনা হেলহল্লি
নুংঙাইরে নুঙাইনে নুংঙাইবা ঙমখৈ লৈতরেনে॥
নন্দলাল কদাইদা চৎখ্রে নচাগী কুইম্মু য়েংলরোনে।

এক তাল—তাল চপ

এগী থবাংসে পঙ্করে, নিলমণিগী জগোই উবদা।
কদাইদগী তমখুব ংমাগী ইবুংঙো নুংশিবা ফজেদা॥
য়েল য়েলগা হমানা থোইনা নুংশিবা হেল্লিদা।
গোপা মচা ংবম দদি ইমাগী পুক্কি সে পেনগনিদ॥
তোল্লি তোল্লি গোপা শাগেনিনা মন শেলবা থাগদোংব বন্দ

ব্যাখ্যা। জগোই শাবা লোইবদা মতমনগা থেংলবদা;
যশোদা মমাগী চবন্দা মন শেলবা চংনবা য়াথ, নিজবক্লে

গুটা এক তাল

পীনবিবো ইমা বিদায় ; চচ্চরগে মন শেলবা ;
শ্রীদাম লাক্কে ঐবু লৌবা।
মন শেলবা চংননবা ; ফিজেৎ শৈতেংবিবো ইমা ;
মতম ওইবে মন শেলবা চংপা ॥
যাথ পীনবিবো ইমা ; ইতাও শৃদাম লাক্লেনে ;
নুমিংসে য়াম্না থেংখবেনে।
মন্ত্র শোনবিবোনে, চুবাস্থ পুনবিবোনে ;
খঞ্জি তাল নোপুর শিঞ্জিনবিবোনে।

নেতাল

নংসে ইমাগা হৱাইগী থবাইনি থম্মোংগী মণিনি।
গোপালসা নংসে ইমাগীদি মিংক ম[illegible] নহানি॥
মিংনহা হং[illegible]দনদি [illegible] দি ম[illegible]তাংবা ওইবনি।
গোপাল নংদি ইমাগী থম্মোংগী মণিনি॥
নিলমণিব খোইদিং ভঙ্খাই উদবদ লঙমদ্রবা নমানি

এক তাল

চংকন্থ চংকন্থ চংকন্থ গোপাল,
চসি মন শেলবা চংকন্নে।
ইমানা হায়বসে ইল্লুনে গোপাল,
ইমাগী ইবুংঙো ক শিবা নংবুনে॥

চৎপদা নোপুরনা অরাবা পীগনি ;
নংগী নৌরবা নখোংদা নোপুরনা থেংবদা ।
লম্বী চৎপদা য়াম্না অরাবা ওইগনি ॥
নুংজ্রেং তিংখং তুম্বোনা খুয়াদা থিলগনি ॥
ননা মাখলগুম থো লবা নৌরবা হকচাংদা ,
য়াকলবা নুংশাগী মেশানা লাংলক্কনিদো ॥

এক তাল

হা গোপাল হা গোপাল লাকখোলাওনে ইমাগীনাক্তা ।
ইমা ইমা থু শিনা কৌবা হনানা মাখন ইনগোনে ।
ননা হন শেলনা চংথ্রবদি হমাদি করম্না লোইহৌগনিনে
ইমাগী থবাই ওইবা গোপাল চৎলে চংখিগনুনে ।
ইমাগী নিং নহাক্নি নাদি খাম্মখগী অংঙাইবা লনানে
যশোদাগী থবাকগী থরাংনি ঙসি চৎলে খিনুনে

ঠুংগ্রি

চেলশিন্দুনা লোইতেং কোম্প্রে হিরা হিরা কপ্পকে
প্রেমগী থাবা তজ্ঞনা শিংঙ্ক নমিং মমাই ইতগৎরক্রে ।
মশা পুথরা শিং শিং নাঙ্গোহুনা রক্ষা মন্ত্র শোলনিবাক্রে
ইচাগা লোনবা মখোংদা ব্রহ্মানা ডাকপীয়ুকো ॥
খোলবা খুকউ অনিদা লাইয়াম পূষনা ডাকপীযুকো ।
চেলবা খুদোংদা পুক্তা যোগেশ্বরনা ডাকপীযুকো ॥

ইচাগী থম্মোয়নুংদা শ্রীনারান্না চেকশিন্না ঙাকপীযুকো।
পান্বোম অনি খুজিন তরা বন মালিনা ঙাকপীযুকো ॥
ইচাগী ফজবা মাইথোং খৌবিদা নুমিৎনা ঙাকপীযুকো।
কোকথক্তা মহাদেবনা নঙ্গন্নোমদা হয়গ্রিবনা ঙাকপীযুকো।
লৈথক লৈখাদা চক্রপানিনা ঐগী ইচাবু ঙাকপীসনুকো ॥

ঠুম্রি

শ্রীদামন হঙ্গৎবি ; তাবিযু ইমা নন্দবানী ;
নুমিৎ খুদি বৃন্দা চংপদা।
ননশেলনহ মরক্তা, হত্তাঙ কাহ্নাইনা ময়াইদা,
সনব সন্নাঙ শেল্লিবনি ।।
চিনবান্দা মকল থম্নগা, নু শি নুংশিনা খোংবদা :
জগৎ পুম্বা শমহৎলিবনি।
লৈলা মুৎ ভাবদা, লাইয়াম সভা পুম্মমক্তা ;
লাক্নুনা কাহ্নাইদা থৎমলিবনি ॥
কা ও তোংদুনা অমা লাকই, মমাই মবি পাল্লি,
কাহ্নাইদা যাম্না হায়ইজ
মথংদা ঐবাবত শামু তোবা ; মথুন্তা বজ্র পাইবা,
উবদা কিদুনা ময়াম চেন্নবে ।।
অওকপা ফংবা অমা লাকই, সনজাঙ অমা তোংদুনা,
শিঙ্গা ডম্বুল খোই।

কোক্তা জটা মমিৎ অগুম ;　　মশা পুন্না উফুন্না পুংরাও ;
বাম বাম তত্তনা শোল্লি ॥

মাগী ওইদা নুপী অমা ;　　চাংদমনিংঙাই লৈতে ;
ফজবনা মাইগৈ পুমঙাল ঙাল্লি ।

সনাগী কুচুনি মাইথোংনা থাজনি ;　　ফজৈ মমিৎ অহুন্না ;
গিরি ধাবীবু নুংশিনা কোল্লি ॥

তম্পাক্তা কাহ্নাইবু কোন্দুনা ;　　ননা ইল্লি মথুং তনানা ;
ওক্তি ফাওবা পুক থন্না ইল্লি মথুংনা ।

মোমোন নোক্তুনা কাহ্নাইদা হায় ,　　নুংঙাইনা নন শো- .
কবিমতা কিকন্নু বন্দা এন। ঙাক্‌নিনা ॥

ঃদাস শূদান্না হায়জৈ ,　　ইমানা কবিমতা কিংকন্নু .
কাহ্নাইদি বন্দা চংলগা য়ান্না নুংঙাই
উকমদা নু ঙাইনা ফমই ,　　মকলী নুংশিনা খেংং .
ঐখোয় মযান্না মন শেল্লি ॥

১। শুনহ বল মমবাক্য বালাকালা বলিহ ।
গিরি বন জল মধ্যে বন্দা কৃষ্ণং মদীয়ং ॥
ইতি বল কর যুগো কৃষ্ণ পানি নিনায .
নয়নগলিত ধারা তু খিনা নন্দপাঙ্গ ,

১। প্রেমগা লোইননা রাহৈনা মচাগী খুজে পাইদুনা .
ময়াম্বুং বলনামদা শিন্নবে । ইমাগী ইবু জো—
বলায় চাঁংদা লোক্তা বন্দা ননাও মথম্মা থাদোকন্নকে ॥

ব্যাখ্যা ঃ -নো মা গর্গ মহা মুনিনা যশোদা রানীদা হায়খি। লাইবক ফবা হে মহারানী জগৎসিদা যন্ত্র মন্ত্র হোম যপ পুন্নমক্তগী চেন্না সিদ্ধ ওইবদি; ব্রজগী অহল-লমনশিংগী খুয়া উফুনগা মন খুজিনগী উফুনগা গোরোচন চন্দনগা য়ান্নরগা নচাগী লাইবক্তা নম্বীরবদি; মহুক্ হেল্লবা অমা লৈত্রবনি হায়-খিবছু নিংশিংহ্না।

চারি তাল

ব্রজগী অহল-লমনশিংগী: খুয়াগী উফুল হোরহ্না;
মচাগী কোক্তা হাপলে নন্দরাণী।
শচম্বা অঙাংগী মতৌগুন্না; মবোল অহুমগী মপু হরিব্;
মচাব্ ও শিমনখিহ্না বাণী॥
মন খুজিনগী উফুল লোবো: গোরোচনগা য়ান্নরে,
চন্দন ওইনা মচাগী লাইবক্তা নম্বীরে।
যদুনাথ দাসনা হায়জৈ: নন্দরাণী চেকশিন্ধনা;
বলদামগী মখুত্তা শিন্নরে॥

লোকা

ইমাদা বাশিক্লনা হায়্মু;
মনগী মমাংদা চংলাই হায়না
থরাইগী থরাইনিনে নংসে॥

ষনয়াম লাপনা শেল্লুগন্নুকো ;
নুংশি নুংশিনা খোংলকউ বেন্নু ;
যুমদা ইমা ফমহনা তাগে .
নংগী থুমনা নুংশিবা বেন্ন খোঞ্জেদো ॥

এক তাল

নয়াম্বুং মাং থাহল্ল , সগ ময়াম তুংথাহল্লু .
শ্রীদাম সুদাম নাক য়েঙ
ননা ময়াইদা চংগু , মকুপ মপা খাদোক্কল্ল .
ইমাদি হওাং রাজেন ।

লাম্লগা নয়াম্বুংদগী নিংু . লম্ব মুল্লা য়েঙনা চংগু ,
তুম্মৌ তিংগন হংদা নখো নাগনি
কাবকবা কৌবা ননদ ভদা , থংপা চংলাই হাপ্পন
ইমাগী কেক পায়ড়না রাশকউ ।
ইমাদি . ম কিজ্জেন ।

কুশা পান্না শাবগা , উকংমদা চংনা লৈম্নু .
ইমানা হাইনসে কাউন্নুকো
যাদবেন্দ্রন হায়জৈ , লোইনতনা পুবিন্নু
চরণ থেংগন কংজগে ।

খুডুং

বল রামনা হঙ্গচ্চরি ; তাবিয়ু ইমা নন্দরাণী ;
গোপালগীদমক রাবীরুহু ।
উরুমদা মাবু ফমহল্লগা ; চিনবান্দা মুরুলী খোংহল্লগা ,
ঐখোয়না ষনয়াম শেলগনিনা ॥

এক তাল

রাবিগনু ইমা নন্দরাণী ইনাও গোপালগীদমক ।
চিংনগনু নচাবু চংনবা বিদায় পীবিরোনে ॥
রাশকুনা ইমাদা হন্না হন্না হায়জরিয়ে ।
মতম চানা ইনাও গোপাল পুক্তরক্কেনে ।
ইমাগী তম্পাক্তা শোইদনা শিন্নজগেনে ।
ইনাও গোপান্না বেনু হুংশিনা খোংদ্রবদি ;
ঐখোয়না যনয়াম খোমজিনবা ঙমক্কদনে ।

হুই তাল

গোপালনা ঐগী থরাইগী থরাইনি ;
পুন্সিদা ঐগী অথোইবা ললনিনে ।
ঐখোয় গোপা মচানি যনশেনবা হৌনবনি ;
মাবুসু যনশেনবা তম্বিরুগেনে ॥
লামলবদা মানা ঐনা ননী মাখন ইনগনিনে ;
ইমাগুম্মা ঐনা তম্পাক্তা পমলগা ॥

ঠুংঙরি

দণ্ডবৎ তৌনা খুরুমলগা বিদায় লেহ্নুনা চৎখরে।
নুংশিবা মচাগী মাইগৈ চিংনা য়েংহুনা লৈহৌবে।।
রাম কাহ্নাই মচিন মনাও সখা ময়াম লোইনবে।
মনগোন্দগী মনয়াম পুম্বা হে হৈ হায়না হোইদোক্রে।
হম্বা হম্বা খোংহুনা মনলূপ মনলূপ চৎলক্রে।
ননবী মন্নাও মাংদা চৎলি সখা ময়াম তুংদা হোইবক্রে।।
ভাগ্যিব বনগী লম্বীদা মাবট লোমদা লাক্রেনে।

—— ——

অট্টালিকা দর্শন

ধিমা এক তাল

মতমহুদা শ্রীবাম্বিকা চেৎপন থক্তা লৈরম্না।
য়েংজবিযে মব ডোন্ নিংকুপ্পা লৈতনা।।
উজবদা মাইখো থ চ প্রেমগী ইথক হৌবক্রেনে।
হকচা পুম্বা ইবেম্মদো তবোইতওাম লৈবক্রেনে।।
ইকাই ইকি য়াম্নহুনা তুমিন্না নুংবংননা লৈবেনে।
হকচা পুম্বা ইবেম্মগী তনিক ততিক নিলক্রেনে।।
ললীতাবু চিংনা যেংই ইবংঙোসে বন্দা লেংখবেনে।
অসি হায়না হায়বম্নগা ইবেম্মদো রাস্তখবেনে।
করি করম তৌ সগে মীয়াম পুম্বা উত্থগনিনে।
চসিদি রাখোকপা শোইদনা তারগনি কমদৌনি।।

গোবি-দ দাসনা হাম্লজে পুন্নমভ্রা মঙ্গল ওইগনি।
কৃষ্ণ নাম মহামন্ত্র তত্তনা শোল্লুনে নাকোংদা ফগনি ॥
মন্ত্র পুন্নমক্তগী অথোইবা মহামন্ত্র কৃষ্ণ নামনি।
হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে ॥
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে।
তাবদা হৌগত্তুনা সখিশিংবু চিংনা চিংনা য়েংলক্কে ॥

এক তাল

চান্নরবা ইতাশা ঐদি হুমদা হল্লরোইনে।
কৃষ্ণ প্রেমগীদমক্তি বিশাখা নংনা খংউনে ॥
বাখোক ওইরমক হৌজিক ঐনা পামজরেনে।
তাবিগুনে চান্নবা ইতা হিংলুত্তুনা করি কান্নগনিনে।
লাইবক থীবা ঐদি শিখিবনা হেন্না করগনিনে
হিংলুদ্রনা হৌজিক কংদোক্তনি থরাই থাদোক্তনিনে।
শাগৈ অনিমক মিংচং খিগনি ঐদি লৈনিংদ্রেনে।
চংখবে বন্দা থরাইগী মবুংডো উখিদরেনে

কদাইদনো নংখায়না পুবীরিসে;
ঐগী থরাই য়াওত্রবা হকচাং পোলাংসে।
ঐগী থরাইদি শ্যামগা লোইননা বন্দা চংখবে।
দনবা মন্নাও লোইনত্তুনা বন বন শাদি কোইংরে

ভাঙ্গা দাসপেডে

চাকলে চাক্লেনে ঐগী থৱাইসে ;
কালা কাহ্নগী প্রেমগী মৈচাক্লা।
চাক্লে চাক্লে চাক্লেনে থোইনা চাক্লেনে ;
চাক্লিবা মৈচাকসে ইতা খাংঙমদরেনে ॥
চাক্লিবা মৈদা ঘী হৈবগুম থোইনা চাক্লেনে :
পিবাংতনা পুমচোং গোংলেদো শ্যামগী রাখন্দা
খল্লুবদা থৱাইসে রাবেনে অহিং নুংথিল কপ্নুনা লোম্লেনে
উনিংবনা মাইথোং থাজ পিরাংতনা মমলে মিংসে।

শ্লোক

দ্বাত্রিংশলক্ষনে যুক্ত দেব দেবেশ্বর হরি।
গোপাল বালকৈঃ সার্দ্ধ ভ্রগাম যমুনা বনং ॥

গুটা এক তাল

যমুনাগী তোর্ব্বান্দা (০ ভসি রাম কাহ্ন।
শ্রীযমুনাগী লাইবক ফবব্ করি হায়রুগনি ॥
কয়াদা নুংঙাইনা শান্নরি মাগী তোর্ব্বান্দা।
কাহ্ন বলায় শান্নরি সখাশিংগা লোইননা ॥
থোইনা লাইবক ফৱবা ; থোইনা লাইবক ফৱবা
মাগুম্না লাইবক ফবব্ কনাগা চান্দমনরুগনি ॥

এক তাল

জগোই শানা শানা নন্দগী মচা গোপাল।
নুংশা মৈশা খাংলি সখাশিং লোইননা ॥
ষনবী ষনাও পুম্বা শজিক চাখিদরে।
জগোই কুম্মৈ মুন্না য়েংহুনা লৈখরে ॥
উখোং উখোং খুদিং উরুমদা চংহুনা।
ঙার থেংলহুনা নুংশা মৈচাক খাংলি ॥
খোং থাংবা ঙমদরে গোকুলগী থাক।
হুমাংনা পুমলুপ লুপ্তুনা চোংলেনে ॥
ষনশেল নহা পুম্বা চংপা ঙমদবেনে।
নুংশানা য়াম্না কন্না য়াকনা শামনখিবনা ॥

জগোই শাবহুনা পোপাল নুংশাগী মৈচাক খাংহল্লিনে।
ঙাংলবা মিংয়েং ঙা লবা মাইথোং ঈশিং থক্কে থক্কে হায়নবক্রেনে ॥
লেবাইদা থম্লে াকজেৎ লৈতেং পুম্বা চোংথরে ইরোইহুনা শান্নবে।
নুংশানা শাবনে লৈঙোইনা শাবনে খুয়াদা তুম্বৈনা কয়া খিনবনে ॥
শ্রীদামদো চংপা ঙমদরেনে, ষন শেলনহাশিংদো চংপা ঙমদরেনে।
হু হু নুংশানা মপি ফুইনা হোল্লে য়াম্না রানা লৈনরেনে ॥
গোবিন্দ দাসনা থৌগঞ্জরি লুরবা ইংলবা যমুনা ঈশিং।
নুংঙাইনা শকচরি শারঙ্গ রাগদা মিববা শুরদা নুংশিনা শকচবি ॥

গোষ্ঠ লীলা—সখা ছলনা

মধ্যাহ্ন লীলা

ব্যাখা ঃ— সুবল সখাগা লোইনহুনা মরৈ ভৌহুনা বনগী ফজবা য়েংজরুগে ঈশিং থকচরুগে হায়না— বলরামদগী বিদায় লৌজহুনা শ্রীকুণ্ড তম্না লাক্লে ! শ্রীরাধা কুণ্ডগী ফজববু উবগা প্রেমনা ভাণ্ডরহুনা শ্রীমতি ইবেম্মগী নিংথিজববু শিংথাবক্লি।

শ্লোক

মধ্যাহ্নেঽন্যোন্য সঙ্গোদিত বিবিধ বিকারাদিভূষা প্রমুগ্ধৌ।
বাম্যোৎ কণ্ঠাতিলোলৌস্মরমখ ললিতাদ্যালিনর্ম্মাপ্তশাতৌ॥
দোল বন্যাম্বু বংশীহৃতিরতি মধু পানার্ক পুজাদিলীলৌ।
রাধা কৃষ্ণৌ স্বতৃপ্তৌপরিজন ঘটয়া সেব্যমানৌ স্মরামি॥

তেউৎ

ইতাও সুবল ; হিংলুহুনা করি কান্নগনি ;
শ্রীমতিবু উদ্রবসিদা।

রাধানা ঐগী থরাইনি ; রাধাতনা ঐগী পুন্সিন ;
রাধাতনা ঐগী অথোইবা ললনি॥

গোলুক থাদোক্লুনা ; গোকুন্দা লাক্লিবসে ;
রাধা মাগীদমক্তনি।

মধ্যাহ্ন লীলা—তেউৎ

থোৎনা নৌরবা ফজরবী ; প্রেমগী মশক ওইরিবী।
য়েংনা য়েংনা লৈহৌবদো ; চেকপন থক্তা ফমহুনা॥
সখিগী লেংবান্দা শৌরহুনা ; তথক তথক য়েংহৌবদো।
চিক্লা করি তান্নবিবনো , কাউওমদেনে সুবল॥

ব্যাখ্যা :— অসোমদা সখিশিংনা ইবেম্মবু থেমজিনহুনা শঙ্গাইগী অচিকপা কাদা পোৎথাহল্লে। মতমছুদা মবুংঙোগী খেমনা খুত্নম চনখিহুনা ; মশাগী মমিবু রাখলগী মমি মবুংঙোগী শক্তম ফাওরক্লে॥

মতমবু সুমহৎপা শক্তমনি।

ঙাওরে উরুবদা যুবতী ঐখোয়দি থরাইসে পুচম্মদবে।

খ্বাংদা সনা ফিগেনা ঙাল্লি ; কোক্তা রাহোং চুবানা লংই॥

মালতি পরেংনস্ন অমুক যেৎলি।
ঙক্তা বৈজয়ন্তি মালানস্ন হায়রি॥
চুমনগী শকফমনা জগৎ সুমহৎপদা ;
চুনাস্ন অমুক থোল্লিদো॥

অনুরাগ

ধ্রবাতাল—মাত্র ৮।০।০।০।০

লংলবা মুক্তা পরেংনা থবাক্তা :
খ্বাংদা সনা ফিগে কৈজোম থোনবা॥
নৈরবা লিকথাংনা য়াম্না ফজরে ;
নৈববা ঙক্তা লংলবা লিকথাংনা,
হৈশিংবী কনানা লেংলিবনো ;
লিকলাং উবদা থরাইসে চাকলে ;
ও ও ও আরে আরে আরে
আরে আরে এ এ এ এ
ইতা উরেরে নে এ এ এ।

বিষম কাটা যমতাল

ডাম্বোহৈরি চন্দন্না , থোইনা হেন্না লাইবক্তা
লাইবক্তা । । ঙাল্লে চন্দন্না ।
ফজরে চন্দনগী মকোইনা ;
ফজনা কনানা থিনবাবনো ;
ফজবা লাইবক্কা ইডাল ঙাল্লে ;
চন্দনবু উবদা মরোল অহুম স্নুমহৎলে :
স্নুমহৎনা ফজরে এ এ এ চন্দনগী মকোইনা ॥

লোফা

উবোক পবে পাইবহুমই .
ফজবা ওমখৈ লেতাবনে ,
উবোক পবেংনা অমবা নো মথাদা পাইবহুমই
মুক্তা পরেংনা , পাকলবা থবাক্তা .
নোংথাং কুম্নহুমই সনা ফিগোনা ;
থাজ পরেং থোকপহুমই ; অমংবা নোং মথাদা ;
নৌববা ওক্তা ফজবা লেগী পরে ;
লাইবক্কা চন্দন্না থাজবু হেল্লি ॥

দুই তাল

অমংবা নোংগী নোংলক্তা ; উরোক পবে পাইবগুমই ।
পারুবা থবাক্তা মুক্তা পরেং ; হায়না হুম্না নিংথিরে ।
শ্যামগী নেংবা ওকশমদা ; থাজ পরেং ডানবগুমই ।

দুই ঠেকা—বাঃ চারিতাল

করিন্নুংগী উরুবা ; ফজবা শক্তমদো ;
নুংশিবা প্রেমগী মশক্নি।

মাগুম্মা ফজবা ; মরোল অহুমসিদা ;
চাংদমনিংঙাই অমা লৈতে ॥

চুম্নগী শকফম্না ; জগৎ সুমহৎপদা ;
চুরাস্থ অমুক থোল্লিদো।

নত্তে চুবা নত্তেনে ; গোপী পুক্লিং ফানা লাংনি :
তাইবং পুম্বা সুমহৎলিদো ॥

মাগী কোক্কী চুরা ; চুরা পুনবা নত্তেনে ;
রাধাগী হৃদি লৈরেংনি।

মাইথোংগী ফজবা ; থাজ কোটি হেল্লি ;
মমুং মপাল ফাওনা ঙাল্লিদো ॥

ফুইনা নোংহৌ হেল্লিবা ; য়েংবগী পেনবা নাইদবা ;
শংবাননবা কুচুনি।

চেংলবা খ্বাংদা ; সনা ফিগে ফৈজোমনি :
মণি মুক্তানা লীকথাংনি ॥

য়েকপগুম ফজবা ; পিশুমগী মথেক্না ;
কামগী লীরুং হেল্লিদো।

নুংশিবা মিৎয়েংনা ; ফল্লপনা য়েংবদো ;
থম্মোয় থাংঙমদবা তেন্নিদো ॥

ফজবা চিবান্দা ; মুরলী থমদুনা ;
মোমোন নোক্না নুংশিনা খোংইদো।
দ্বীজ ভীম্না হায়জে ; মজবা শক্তমদো,
উজরগা থব্রাই হিংগনিদো ॥

দাসপেড়ে—তিন তাল

হা ইতা চান্নবী ব্রজসিদা ব্রাথোকচাওবী বাধানে।
তৈনৌ মপান উমলদুনা কোকিন্না কুহু কুহু খোংলকপদা
বাধাগী থরাইসে পুমঙমদরেনে ॥
লাইবক থীবী বাধা প্রাননাথবু উদ্রবদা ;
হিংলুদুনা কবি কান্নগনি।
মংদা তাইবংদা অহিং নুংথিল অনিমক্তা ;
শ্রীকৃষ্ণগী চরণ সেবা নত্তনা অতৈ পামজদেনে ॥

এক তাল

তাবিযুনে ইতাশা রাধা ঐগী অব্রাবসে।
শ্রীকৃষ্ণগী প্রেম্না থোইমা হেন্না চাক্লে ॥
প্রেমগী তেন্না থম্মোয়নুংদা তেন্না থুম্না পাক্লে
খাংজবা ঙমদরে থব্রাইসে নিক্লে ॥
কানুগী প্রেমদি যাবক চন্দনগুম্বনি।
তকলা তকলা মনম হেন্না নুংশিবগুম ॥

খল্লু খল্লুরগা থোইনা হেন্না চাক্লেনে।
যোগী ফিজেৎ শেত্তুনা লাইনিংবী ওইতুনা॥
বন বন খুন্দিং চত্তুনা কৃষ্ণ ভজন তৌজরুগে।
নুংশি হৈতবা বিধিনা নোংদম থিনা তম্বীরমলে॥
তোল্লি নুপীগী মপোকসে তোল্লি শাগৈগী ধর্ম্মসে।

তাল চপ

ফজবা মাগী রূপকী পাম্বীদা য়েৎচনিংই লতা ওইনা।
থাই খোইবা পিশুন্না কামগী লিরুং ওমজনা ফজোদা॥
ন শিবা মিংয়েনা ফল্লপ য়েংবনা কামগী তেনবু হেন্না থৌই
মামোন নোক্না মুরলী খোংবনা রাধাগী থরাই ভুথবে॥
ায়বিযুনে চান্নরবী শ্যাম নত্তনা কনানা খংবিগনি।
ক্রুবা ব্রজসিদা রাথোক চাওবী রাধাগী মিংচৎ॥
করিবু খন্দুনা মুংঙাইনা ঐগী পুন্সি লেনগদৌরি।
থম্মোয় অসে কাইথরে কোকথক্তা ব্রজনা থাবগুম্লে॥
করম তৌনা কৃষ্ণদা কনানা ঐগী অরাবসে তম্বীরুনি।
তমসিদা ঐসে হেক শিজরবা মতুতনা ফরগনি॥
য়েংমুক্কী মপোক্তা কৃষ্ণগী চরণ সেবা ফংজগনি।

শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন শৈরেং পরেং

ঠুংগুরি

রাধাগী অরাবা উবদা দুতী শ্রীকুণ্ডদা চংখরে।
ইবেম্মগী অরাবা মপাও ইবুংঙোদা তমজবে॥
থুনা য়াংনা লাক্কুনা রাধাগী নাক্তা য়োররে।
মবুংঙোগী অরাবা মপাও ইবেম্মদা তমলরে॥
ইবেম্মা নখোয় অনিমক্কী প্রেমসে খংজবা ঙমদবে।
অমনা অমব হেন্দে অমনা অমবু রাত্তবেনে॥

দুতী সংবাদ - দুতীগী পাও
রূপক

তববিরহে বনমালী সখি শীদতি।
বহতি মলয়া সমিরে মদন মুপনিধায়॥
স্ফূর্দতি কুশুম নিকরে বিরহ হৃদয়দলনায়॥

নংবু কায়নবদা বনমালিদো ইতা যেংঙমদবে।
লিরি হুন্বা মলয়া নুংশিংনা মদন ঈথক হৌরি॥
ফুগাইনা শাংপা লৈরাংনা কায়না মৈচাক হেলহৌরে॥

বাধে নংগী প্রেম্মা ঙাওদুনা; নংগী কুন্দ মপান্দা;
ওন্থোইদুনা রানা লৈহৌরে।
মাইয়োক লিকথাং উত্তুনা; নুংশিরবা মিংয়েংনা;
নবুংঙোগী অরাবা কল্লুরো।

লেংবিরোনে রাধা ; ফিজেৎ লৈতেংবিরো ;
হঙ্গচচবা অসে তাবিররো ।
খিল্লগন্নু রাধে ; লেংবিরোনে শকহেলবী ;
নবুংঙোগী থরাই কল্লরো ॥
বাশি মথন্তুমা ; রাধা রাধা খোংলদুনা ;
নবুংঙোগী থরাই কলহৌরি ।
শজি মিৎয়েং হেল্লিবী ; মাইখোং থাজ ঙমজবী ;
লেংবিরোনে হে রাধে ॥

দুতী মপাও—অভিষার
ঠুংঙরি

তুলশীগী রা তাবদা ইরেম্মা সখিশিং ময়াম লোইননা ।
মদন মুহনবু সুমঙংনা ফজবা নিংথিবা ফিজোন হৈতেংলে ॥
মনেমগী চরণবু খুরুমজদুনা মতাশিং লোইননা লাক্লে ।
ফজৈদা মাগুম্বী লৈতেদা ; তপ্না চৎপদা লেমজবী ॥
চৎপদা নিংথিবী তুংয়ান ফজবী শামুনা ইকাইবা শাজৎনি
ফজবা খোংথাং উবদা ইকাইদুনা লোৎখ্রে বন্দা শামুশিংনা
অস্নুন্না লেংলকপনা শুর্য্য কুন্দ য়োরক্লে ।
শুর্য্যদেববু খুরুমলগা ইরেম্মা লেংলাক্লে ॥

আভযার—দাস পেড়ে

প্রেমগী মশক ওইবী রাধা কৃষ্ণ প্রেম্না ঙাওববী।
নিংথৌগী মচা ইবেম্মনি কৃষ্ণ প্রেমগী লন লৈবিনি॥
রাধাগুম্না ফজরবী ফজরবী সখিশিংগা লোউনরবী।
য়েৎলোমদা ললিতা মাংদা কুন্দলতা ওইদা বিশাখিকা॥
য়াইদা শ্রীরাধিকা রাধাগুম্না ফজরবী শকহেল্লবী ঙাকনি
ইকোই কোইনা কোইশিল্লি চান্নরবী সখিশিংনা॥
থম্বাল পরেং শাৎপা মাল্লি, থাজ পরেংনা ঙালবগুম্মা॥
মহৌশানা প্রেমগী মশক ওইবীনি মহাভাবকী মশকনি।

ঠুংর্ভরি—অভিষার

জয় ওইরে হায়বা খোঞ্জেম্না পুমনিল নিল্লখরে।
মুংশিবা মোইবুং খোঞ্জেন্না পুমথল থলখরে॥
কোকিলগী খোন্থোক মুংশিনা কুহু কুহু খোলক্লে
মমৈ চুরা ফন্দোক্লুনা ব্রাহোং জগোই শারক্লে॥
লেংলক্লুনা ইবেম্মা ইবুংঙো দর্শন ফংজরে।
অনিমক্কা উনবদা পুক্লিং অমত্তা ওইখরে॥
তরাম তরাম ওক্লুনা সিংহাসন্দা লেংশিল্লে।
সেবা খঙ্লবী সখিশিংনা চন্দন সেবা চংজরে॥

অনিগী শক্তম—যুগল রুপ

তালথা অমা = এক তাল

ফুইনা নোংহৌ ঙমজবা ; লেংদবা নোংথাং কুপলিবা ;
অশংবা মণিনা তাংজবনি ।
অশংবা মণিবু ঙমজবনি ; সনাগী মণিবু ঙমজবিনি ;
তমান্দা সনাগী উরিনা য়েৎপঙমই ॥

শ্যামগী কোক্তা রাহোং চুরা ; রাইগী কোক্তা নৌরবা বেনী ।
শ্যামগী খুত্তা সুমহৎপা বাঁশি ; রাইগী খুত্তা অশংবা থম্বাল ॥
শ্যামগী ঙক্তা লৈ পরেং ; রাইগী ঙক্তা মুক্তা পরেং ।
লৈগী পরেং মুক্তা পরেং ; পরেং অনি য়েৎনরক্লে ॥
পুক্লিং খোইম লৈহি পাম্বা ; অতৈ লৈহি পাম্মুবনু ।
চরণ থম্বাল অনিগী অমৃতবু ; পুক্লিং পেন্না থকচহোরো ॥

তেন্তৈং

চান্নবী অনিগী ফজবা শক্তম ; চাংদমনিংঙাই লৈতেনে ।
পোকপদগী অস্তুক ফজবসে ; অমুক্তস্তু উজদরিনে ॥
অনৌবা তমাল পাম্বীদা ; সনাগী উরিনা য়েৎলেনে ।
য়ে ভরুরে জ্ঞান মাংলে ; উদরে থরাইসে লৈঙমদ্রেনে ॥

এক তাল

দেংউ ইতা চান্নরবী ; অনিগী ফজবসে ।
অশংবা তমাল পাম্বীদা ; সনাগী উরিনা য়েৎলিবসে ॥
ফজবদা ঙমখৈ লৈতেনে ; য়েংউ য়েংউ খুদিংদা ।
অনিগী মণ্ডালতনা ; ইলং লংলে মাইগৈ মাইগৈ খুদিংদা ॥

ঠুংঙরি

হৈশিংলবা সখিশিংনা মাগী মাগী কুঞ্জদা চৎনখরে।
মবুংঙো মবেম্মদা কৎননবা লৈপারেং লেংনখরে॥

সম্ভোগ

এক তাল

কুঞ্জ ইচিক হুনখবে তাইবং মঙ্গল ওইরকলে।
অশংবা থম্বাল সনাগী থম্বাল থম্বাল অনি পুন্না শাৎলে॥
হকচাং তঙ্খাই চন্দন্না ঙাল্লে হকচাং তঙ্খাই সিন্দুরনা ঙাল্লে
রাহোংগা লিলগা শান্নখরে য়েক্নবা অমত্তা লৈখিদবে॥
গোবিন্দ দাসনা হায়ৈজে থাজগা বাহুগা চান্নখবে।

খোইড়া = বা = রুপক

কুঞ্জগী লীলা লোইববদা নিংথিনা ফিজেৎ লৈতেংলে।
সখিশিংগা লোইনদুনা জলকেলি নুংঙাইনা শান্নবক্লে॥
জলকেলি লোইরবদা অনৌবা ফিজোন লৈতেংলে।
পুজবকপা লৈ চন্দন অথুম অহাও কচ্চবক্লে॥
পুক্লিং পেন্না হাত্রবা ইবুংঙোগী প্রসাদি ইবেম্মনা ফংজরে।
অনিমক্কী মহাপ্রসাদি সখিশিংনা ফংজরে॥

ব্যাখ্যাঃ—সখিশিংগী সেবা উবদা পেনবীবে ইবুংঙো ইবেম্মা। অনিগী সেবা ফংজবদা নুংঙাইজরে সখিশিংনা॥ লৈগী সিংহাসন লেংশিনবীবে অনিনা ঙাম্মোইরে। তাকনবা লৈতনা মাগী মাগী পামজরা সেবা ফংজখবে॥ থা মচেৎ শানা কোইদুনা সখিশিংনা প্রার্থনা তৌজরি।

প্রার্থনা

এক তাল

জয় রাধে জয় কৃষ্ণ পীনবিয়ু চরণ থম্বাল।
পুন্সিগী লন ওইজগে তঙাংলবা নখোং থম্বাল॥
শ্রীনন্দগী মপারি ব্রজ বাশিশিংগী থরাই ওইবা।
শ্রীরাধিকাগী চান্ন-থোইবা॥
ব্রজ গোপীশিংগী লুচিংলিবী কৃষ্ণগী পুক্লিং হুরিবী।
স্বর্গাগী লাইরেম্বীশিংনা নংগী নগুণ শক্নরিবী॥
শচী গৌরি সাবিত্রী সর্গগী লাইরেম্বীশিংনা নংগী নগুণ শক্নরিবী।
চানবী হৈবী হে রাধে শ্রীরাধে॥

ব্যাখ্যা :- সখিশিংগা লোইননা ইবুংঙো ইবেম্মা মখল মখলগী লীলা মুরুলী হরন পাশাখেলা; মধুপান্নচিংবা লোইরবদা মতম থেংলবদা মবুংঙোদগী বিদায় লৌহুনা লাকলগা শুর্য্য কুন্দদা শুষ্য পূজা তৌরে পূজা লোইরহুনা মাগী মাগী শঙ্গাইদা হন্নখ্রে। অসোমদা কৃষ্ণসু স্নবলগা লোইননা সখা মরক্তা থুংখরে। ময়াম্বুং বলরামগা লোইননা ষন গারক্লে যশোদা রাণীনা ঘীবর্ত্তিনা চুখত্নুনা আরতি তৌই মচাদা করি করি থিঙ্গাই খোগাইবা য়েংই শিং শিং নান্দুনা মশা পুম্বা চুপই। শ্রীগোবিন্দজীউগী লীলাসিবু তোল্ল গোবিন্দ দাসনা শকচরি।

মনশিক্ষা, লালসা, নামপুর্ন্না, ছয়াগোষাক্রি নিত্যাইপদ; হরি নাম মহামন্ত্র। শক্লগা জয় ভায় লৌরগা লোইশিনগনি।

মুরুলী হরন—(মুরুলী হুবা)

দাস পেড়ে

রসগী মশক ওইরবা রসগী মশক ওইরবী।
ঈথক হৌরক্লে নাগর।
প্রেমগী ঈথক হৌরক্লে নাগব ॥
মাইথোং থাজ উনবদা প্রেমগী ঈথক হৌরক্লে।
মাইথোং অনি উনবদা প্রেমগী ঈপাক্তা লুপখরে।

উইথবক্লে ইবুংঙো কুঞ্জগী লীলা লোইববদা।
মপুং কান্না মিৎপাংবা উল্লক্তরে পোংথাখরে ॥
তাঞ্জাসিদা সখিশিংগা ইবেম্মগা তান্নদুনা।
শ্যামগী মখত্তগী মুরুলীবু যতন তৌনা হুরক্লে ॥

এক তাল

মিকুপ অমা পোম্থারগা মিকপ থোকলে ইবুংঙোদো।
আবে শ্যাম নাগর মিকপ থোক্তুনা নিংথিনা ফমলেদো।
লুরবা ঈশিং পুরক্তুনা গোবিন্দ দাসনা থৌগঞ্জেদো।
সেবাগী মতম খংজদুনা ;
গোবিন্দ দাসনা ॥

ব্যাখা ঃ — কুন্দলতানা — হে হৈশিংলবা ইবুংঙো মীগী মাইথোংবু চুম্বোন তৌবদা অতুক পামজবদি উদ্রিনা ; হেক ভাবদা বাঁশি খংনিং নিংশিংলক্তুনা থিরক্লে।

বিহাগ গুটা—এক তাল

খুত্তা মুরুলী উদ্রবদা ; থম্মোয় কাইনা রাখরেনে ;
হায়জরকই থম্মোয় নিক্লা।

নাগব ভপথবা ঙমদবে ; মুরুলীবু উদ্রবদা ;
অঙাউবগী মতৌগুম্লে ॥

নিংল অনি নোইরভুনা ; ফোংদোক্লা হায়জবা ঙমদ্রে ,
হায়রকই রাতৈ মতেক্লা।

কনানা লৌই ঐগী মুরুলী ; নখোয় পুম্বা হুরানবীঙাক্লি '
ঐদি করি ওইরসিগেনে ॥

অরাবনি করি তৌনি ; ঐগী অথোইবা জন্নি ;
হুরানবী কনানোনে।

ঐগী মুরুলী কনানা লৌই ; শক্তি পুম্বগী মশক্লি :
তৌঙমদবা লৈতব নিনে ॥

নখোয় ময়াম মরক্তগী ; কনানা লৌই হায়য়ু .
করি তৌনগদৌরি ॥



ব্যাখা :— শ্যাম—ঐগী থব়াই কল্লু ঐনা ঙমদবা থবক বাঁশিনা তৌই। নখোয়না খোংবস্থ হৈরোই মণি আভরনস্থ নত্তে কৈদৌননি।

সখি :— বাঁশি মাংখিবা ফরেদা পুক্লিং খর লৈতাজরনি; থব়াই খর ব়াই শংজরনি। মানা ঙম্বদি যমুনা হঙ্গংনা চেলহল্লি; তুরেলশিংগী ঈচেল লেপ্পি; অকংবা উপাল ময়োন চোংই; গোপী ঐখোয় লৈফম খংদে।

এক তাল

কাউহনা বন্দা হুন্দোকপীরমলগা;
ঐখোয়বু হুরানবীনি হায়বিরেনে'
কদাইদা হুন্দোকপীরমলবগে;
হে তৌঙমদবা করম্বা বন্দা চত্তুনা॥
কাউহনা কদাইদা হুন্দোক্লুরবগে:
নংদি তৌঙমদবশিংগী মকোকনি।
হৈশিংবী কনাগী মনাক্তা চত্তুনা;
মাগা ব়ারেম ব়ারী শান্নরিডৈদা॥
খংলে কাউথোক্তুনা মুরুলী হুন্দোক্লমলবনি॥

তৌঙমদবা শ্যাম ঐখোয়দি নিংথৌগী মচাইবেম্মনি।
ইবেম্মা য়াওরিবনি, করম্না ঐখোয়বু হুরানবী হায়রিবনো:
ঐখোয়'দ হুরান্দে নংদি মীগী পুক্লিং ফাওবা হুরানবনি॥
হুরানবা অচৌবদি ইবুংঙোনি নমিং ফাওহনা চংলিবনি;
ব্রজগী য়ুমথোং ২ চংহনা ননী মাখন হুরানবনি।
হুরানলি হায়হনা যশোদা নমানা শুবন্দা পুল্লিবনি;
দামোদর হুরানবা হায়না জগৎসিদা ফাওরিবনি।

ব্যাখ্যা ঃ—সখিশিংগী অকনবা রাহৈ তাবনে; মুরুলী ফংদবনে মাইথোং লাংশিন্না রানা লৈবদো য়েংঙমদ্রহুনা ললিতানা শ্রীমতি রোমদা মিংকী ইঙ্গিৎ তৌহুনা তাকই। সখিগী ইঙ্গিৎ হেক ফংবদা রাঙাং চাওনা ঙসিদি পাম্বোম উরিনা পুল্লগা হুরানবা ক্ষারগা মফি মরোল মুন্দুনা বনগী নিংথৌ মদনগী কৈশুমশংদা দণ্ডি; পুন্দুনা থমগনি রাধে খংগনিদো।

কুন্দলতা ঃ হে যুবরাজ নপোং হুথ্রগা ঙমই হায়হুনা মী খুদিংদা ইকাইবা দোম পীবরা। করিগী রাখল লৈত্রিবা হুরানখ্রবা পোং অহুবু থিহুনা পীবা ঙম্বা অহুদা হায়জবা নত্তনা পুথোকপা ঙমলোইদবদা করিগী চৈরি।

এক তাল

মিংকী ইঙ্গিৎ ফংবদা রাধাবু শ্যামনা ফারেনে।
ঙসিদি হুরানবা ফারেনে; পোং ফংদ্রিমথৈ থাদোক্লোইনে॥
নফি নরোন কন্দুনা: ঐঙোন্দা উহল্লু নত্রবদি।
নাক-য়েং হকচাং পুম্বা মুরুলী লৈত্রা থিরক্লেনে॥
করি অমত্তা রাখল তৌবিদনা ঙম্মি হায়বগী মতৌগুম্না।
ইকাইবা পীহুনা থিরবা ফাওবদা;
রাধাগী হকচাংদা মুরুলী ফংখিদরে।
মতমসিদা রাধানা হায় মুরুলীদি ঐদি কদৌননি।
অকংবা রাগী রাতেক্নি মনিং মমাং অহোবনি॥
লৌরগা ঐদি কদৌননি; হায়য়ু হায়য়ু।

ব্যাখা ঃ— ললিতা—শাউরপ্পা করিনো কান্নদবা অকংবা রাতেক রাকোক্কো পান্নগা নিজোনে পীকথন্না লৈ পীবিগে ঐখোয়দা। কৈনো নিংথৌগী মচা ইবেম্মনি - শেংনা ঈরুজহুনা লাই পুজাগীদমক লাকচরিবনি। করিগী মাংথোকপীগি ইকাইদেদা। কবি শেখরনা হায়জৈ মুরুলী ফংদ্রিফাওবা থাবিরন্নু রাধাবু। ঙসিদি চেনবা কাকা শুকয়া য়ারোই মুরুলী ফংদ্রি ফাওবা থাদোক্লরোই।

পাঁচ তাল

রাধানা হায়জৈ কান্নু ; পুক্লিং তপথবিয়ু ;
ললিতানা লৌখ্রে বাঁশি।
মাইথোং নৈদা লুক্লহুনা ; মোমোন মোমোন নোক্লহুনা ;
নোক্লরিয়ে নতৌহুদা সখিশিংনা।
রায়গী রাহৈ তাবদা ; চৎখরে ইবুংঙোদো ;
ললিতাবু ফাগে হায়না।

ঠুংগ্রি

ললিতানা হায়রকই বাঁশিদি বিশাখাদা লৈখ্রে।
ললিতাগী রাহৈ তাবদা বিশাখানা নাপল তৌনা হায়রকই ॥
ঐসে বিশাখানি পুম্নমক্তগী অথোইবানি।
মুরুলীদি চম্পকলতাদা লৈখরেনে॥
তাবদা মিপাইরে চম্পকলতা থুনা য়াংনা হায়রকই।
তুঙ্গবিদ্যাগী নাক্তা থনম্বোই তৌই কদাইদা চৎখ্রে। ইন্দুরেখা॥

তাবদা চিত্রা থুনা য়াংনা চৎখ্রে মতৌদো য়েংনিংদ্রবুনা।
রঙ্গ দেবীগী নাক্তা ফমখ্রে খুদক্তা সুদেবীগা লোইননা॥
তৌফম খংদ্রবুনা শ্যামনাগর ময়াইদা লেপ্তুনা লৈরেনে।
ইথৌ থৌওইদনা ইবেম্মশিং ময়ামদো মাধবী মখোংদা ফমবুনা লৈথোখ্রে
শাউরবুনা ললিতানা হায় হে শকহেনবা।
অকংবা রাতেক অবুনা করি কদৌনদৌরিবা॥
অপংবদৌনা থাগচ্চরিবদো ইকাইদরনে।
পামলবদি নিজৌও য়াম্না লৈ মীপোৎ মীপোৎ পীবিগেনে॥

এক তাল

রাধানা হায়জৈ ওগো বিশাখে;
তৌঙমদবা অঙাওবগী মতৌসে।
য়েংউনে ইকাইবনা ঐদি শিরেনে;
মীয়াম মমাংদা ঐবু তৌবিরিসে॥
মনশেন নহা চোইহাদা প্রেম থমলুবনা;
ইকাই ইকি পুম্বা লোইনা মাংখরেদনা॥

ব্যাখা :- পুক্লিংদা মবুংঙোগী নৈদগী হেন্না থোৎলবা খুৎ থম্বান্না।
শোকপিবদা নুংঙাইজবা পেঞ্জবদি ঙমখৈ লৈজদে॥
চিনবানথোংদদি ইকাইবা শাউরপ তৌনা ঙাংলকপা তাবদা।
ইবুংঙোদো চাননা ইবেম্মা শাউখ্রবরা খল্লুরেনে॥
মুরুলীগা ফংদবনে ললিতানগা থিনা চৈবনে।
তুফক তুফাই চন্দুনা থক থক নিক্লা নোল্লুক্লা খুৎলোন্নদনা॥

শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন শৈরেং পরেং

এক তাল

নোল্লুক্না হায়জরি হে রাধে ;
ঐগী মুকুলী পীনবিবোনে ।
প্রেমগী মশক ওইবী থৌজালহৈবী ;
ঐগী লংজবা পুন্না ঙাকপীযুনে ॥
ঐগী মুকুলী পীনবিরোনে ;
ন ঙোন্দা ঐনা ভিক্ষা নিজবি ,
ঐগীদি মুকুলীনা অথোইবা লননি ।
রাধে নংবু মিকুপ অমত্ত' উদবদা লৈজবা ঙমদেনে
নংগুম্না মুকুলী উদবদা লৈজবা ঙমজদেনে ।
মুকুলা লৈত্রবদি বাধে নংগী ময়েক অনি ;
বাধা নাম কবম্না শোলগনি ॥

আর তাল

পীনবিবো মুকুলী বাধে প্রেমগী মশক ওইবী ।
পীনবিবো মুকুলী বাধে ;
প্রেমগী মশক ওইবী চানবিযুনে ।
ঐগী অথোইবা লননি মুকুলীসিনা ;
ভিক্ষা নিজবিয়ে নংঙোন্দা ॥
নংবু থোইদিং তঙ্খাই উদ্রবদা লৈঙমদবা ঐহাক্নি ।
নংগুম্না বাঁশি উদ্রবদা লৈঙমদ্রবা ঐহাক্নি ॥
নংগী রাধা নামদা দিক্ষা ফংলবা ঐগী মুরুলীনি ।
মুকুলী লৈত্রবদি নংগী বাধা নাম কবম্না শোলগনি ॥

ব্যাখা : কৃষ্ণনা ব্রারগা ব্রাজরবী রসগী মশক ওইবী। মহৌশানা থৌজাল হৈবী কৃষ্ণনা ঙুংঙাইরগা থোইনা ঙুংঙাইজবী। য়েংজবা ঙমজদরে ; মবুংঙোগী অরাবা সখিশিংদা ইঙ্গিং পীরে।

এক তাল

ইবেম্মগী ইঙ্গিং ফংবদা ; মুরুলী পুথোক্তনা ;
মবুংঙোগী সনা খুত্তা ; মুরুলী কচ্চরে।
ঙুংঙাইজরে ইবুংঙোদো ; মুরুলী ফংবদা ॥
অসুম্না কয়ামরুম ওইবা লীলাব্ শান্নে।
অসুম ওইবা অনিগী লীলাব্ ;
মধ্ সুদন দাসনা শকচৈ ॥

সুবল বেস

গৌরচন্দ্রিকা

লেংবিবক্লো গৌবহবি সঙ্কীর্ত্তনগী ময়াইদা।
নিত্যাইনন্দ লোইনবিরক্লো ভক্তশিংস্থু য়াওবিবক্লো ॥
নংগী যন্ত্র নংনা পায়বিবো নংগী কীর্ত্তন নংনা তৌবিবো
কৌজবি হে প্রভু তোল্লবা ননাই ঐখোয়না ॥
পুক্লিং তুলশী ভক্তি চন্দন কচ্চরিয়ে শ্রীচবন্দা।
মিংকী পিনা চবণ শেংজগে ভক্তিনা পুজা কচ্চগে ॥

বিষম কাটা সোম তাল

সঙ্কীর্ত্তন অতিয়াদা; গৌবনা ঙাল্লি।
পুর্ণিমা থাজগুম্না ॥

য়েংউ ওসি গৌবাঙ্গনা জগোই শাবি।
পান্থোম ব্রা না থাঙ্গতুনা কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোল্লতুনা ॥
ব্রজ ভাবতা লুপলতুনা বাধা বাধা কৌবতুনা।
ভক্তনা থরাম্মিচাক ওইবতুনা ঙাল্লে ইকোই কোইনা ॥
গৌবিদাসবু উকবদা স্থবল ওইনা খল্লুতুনা।
চেলশিন্দুনা গৌবাঙ্গনা মনাইবু চেংনা কোল্লে ॥

দুই তাল

শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা ; পুর্ণিমা থাজগুম্না ;
সঙ্কীর্ত্তন অতিয়াদা ঙাল্লি।
পান্বোম ৱাংনা থাঙ্গতুনা ; হরি হরি শোল্লহুনা ;
প্রভুনা নিংথিনা জগোই শারি ॥
মমাংগী ৱাখল খল্লুহুনা ; রাধা রাধা কৌরহুনা ;
(১) নয়ন্দগী প্রেমগী ধারা শিন্থৈ।
গৌরিদাসবু উবদা ; সুবল ওইনা উরহুনা ;
(২) গৌরিদাসবু প্রভুনা কোল্লে ॥

(১) ঈহৌরকপগুম ; গঙ্গানা ; মিৎস্না থম্বাল অনিদা ; তত্তনা শিন্থরি
(২) উবহুনা ; গৌরিদাসবু ; মনাই সুবল ওইনা।
চিংনা চিংনা য়েংলক্লে ; হিক্লা হিক্লা কপ্লক্লে ॥

ব্রজ ভাবতা

ঠুংঙরি বা: ফাক তাল

(১) ওহে সুবল কৃপা তৌনে ; রাধাবু উহলবিয়ুনে ;
ঐগী হকচাং তপথবা ঙমদরে।
প্রভুগী য়াথং তাবদা ; গৌরিদাসনা হঙ্গৎচৈ ;
শ্রীঅঙ্গদা লৈরেনে রাধাদি ॥
শ্রীগৌরাঙ্গনা তাবদা ; রাধা রাধা কৌরহুনা ;
ৱাম্বরেনে লৈমাই থক্তা।
অসুম ওইবা গৌরাঙ্গগী ; থুপ্লবা লীলাসিবু ;
রাধামোহনদাসনা তত্তনা চুপচৈ ॥
শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুগী লীলাবু ॥

(১) ঐবু চানৰিগুনে ; ওহে স্মুবল থৌজানবিযুনে ;
নহাক্কা ঐবু ; ইতাও স্মুবল ; বাধাব্ নত্তনা ;
ঐগী থৱাই ওইবিবী ॥

শ্লোক

মঙ্গলগী মশক ওইববী ঋতু পুম্নমক্কা তিল্লবী
শ্রীবাধা কৃষ্ণগী শান্নফম ওইবিবা শ্রীধাম বৃন্দাবনবু
হন্না হন্না খুরুমজবি ॥

ব্যাখা ' নোংমদি বৃন্দা সখিনা মানা শেমজবা ;
বৃন্দাবনগী ফজবা যেতৃনা অস্মুম শ্রীকুন্দবোমদা লাকপদা ॥

ঠুংগাঁরি

কৃষ্ণ স্মুবল লৈবদো ; বৃন্দাদেবীনা উবাবে ,
ওসিদি খুদোংচাবা মতম্মু ফংলবেদা ।
বাধা কৃষ্ণ অনিমক্কা , লীলাগী মবমগীদমক ,
বৃন্দাবনগী মন্যুংদা বৃন্দা ঐনা লৈবিবনি ॥

থল্লকইনে ; বৃন্দা তুতানা
ওইহল্লগে , অভিষাব ; কৃষ্ণগী নাক্তা বাধাতুম ;
বৃন্দা চংখবে , অসি হায়না হায়রমলগা ;
তিনশিনবিবগে ; নোংথাঙ্গা নো' অনৌবগা ॥

ব্যাখা ঃ—বৃন্দা তুতীনা ওবাং শ্রীমতীনা থোল্লস্বা লৈহাও পাবেং অম
পুবক্কুনা, স্মুবলদা হেক পী । স্মুবলস্মু লৈহাও পাবেং অত্
শ্রীকৃষ্ণগী ওক্তা হেক হুকই । শ্রীমতীনা থোনবা নক্তে জাটিলা
কুটিলাগী মাংদা থম্ফম খংদ্রতুনা ইবেম্মগী ওক্তা থম্বনি ।

এক তাল

শ্রীমতিগী লৈহাউ পরেং অদো ইবুংঙোনা থোনবদা
ইবেম্মাগী অঙ্গ গন্ধ ইবুংঙোনা ফংলেনে ॥
কপলক্লেনে, নিংলুহুনা, শ্রীমতি রাধিকাবু ।
রান্থরেনে, লৈমাইথক্তা, সুবলগী মখুৎ পাইরম্বদগী ॥
চান্নথোইবা সুবলনা শ্রীকৃষ্ণবু কোনখৎলেনে ।
শ্রীমুখবু ফিজিনা থোগন্দুনা হায়রকইনে ।
হায়বিয়ুগবা ; ইতাও ইবুংঙো করি নুংঙাইতবা লৈবগেনে ।
ইতাও ইবুংঙো নহাক্কী ঐখোয়না লমন তোল্লিনে ॥
লমমৈগী মনুংদা ঐখোয় শিরবদা ।
ইতাও নংনা থন্নাইবু কনবিথিনে ॥
শিরবদগী, ঐখোয় থিবিক, লমমৈনা ইকোই কোইহনা ।
কালিগী হুবু ঐখোয়না থক্তুনা শিহুনা লৈরবদগী ॥
হে ইতাও ইবুংঙো নহাক্কী থোজান্না ঐখোয়বু হিংহনবিথিনে ।
ইমানা পোকপীবা মপোক অহুদগী নংনা অমুক পোকপিরেনে ॥
মহুগী লমন্দো ঙমজবা মতমদা অমুক্তুং শিংজগে নিংজরিনে ।
হে ইবুংঙো নহাক্কা কপ্পসি উবদা থন্নাই পুবা য়াদরেনে ॥
ইতাওগী পুক্লিংদা রারিবদো সুবল ঐঙোন্দা তাকপিয়ুনে ।

ব্যাখা ঃ— সুবলগী রা তাবদা কৃষ্ণনা সুবলবু য়েংহনা হায়রকই

ঝাঁক তাল

ইতাও স্নবল হায়সি ইকাই হায়দসি ঙমলোইদোবেনে।
ঐগী থবাই ওইরিবী রাধাবু উহলবিয়ুনে॥
বাধা উহলবিবদি ইতাও নংগী ননাই ওইরগেনে ॥

ব্যাখা ঃ—ইবুংঙোনা ইবেম্মবু য়াম্মা খোবাংবা অমদি য়াম্মা নোল্লুকপহু উবদা। স্নবলনচিংবা সখা পুন্নমকনদি। ইবুংঙো মাগী ফনবতা শিল্লিবনিনা কৃষ্ণবু নিংথিবা ব্রাহৈমা রাদনবা থেমজিল্লকই।

এক তাল

(১) কৃষ্ণবু স্নবলনা ; নিংথিবা ব্রাহৈনা ;
রাদনবা থেমজিল্লক্লে।

(২) স্নবল থিল্লমদনা ; চৈশু পায়বহুনা ;
যাবট লোম ওন্দুনা লাক্লেনে॥

(৩) লম্বী চৎনা চৎনা। রাখল তৌনা তৌনা ;
স্নবলনা নোল্লুরা লাক্লেনে।

(৪) নুংথিল পোবোবসিদা জটিলাগী মাংদা ;
ঐবু কবম চংখিসিব॥

(১) থৌগন্দুনা ; শ্রীমুখবু ; স্নবলনা গুঞ্জাগী ফিজিনা।
(২) থুংননবা ; শ্রীকৃষ্ণগী পুক্লিং ; স্নবল মাগী প্রানবু হেন্না নুংশিবা॥
(৩) খল্লকলেনে ; কবম চংখিসিবা ; বাধাগী মফম য়োননবা॥
(৪) স্নবল রাবেনে ; বুদ্ধি তৌফম খংদ্রহুনা ; চৈরমগনিদো ;
ঐবু হেক উবদা , জটিলা মমা মচানা ; বাধাগী মনেম ফত্তবী

ঠুংওরি

হৌজিক রাধা পুদত্না ; অস্থুম হলখ্রবদি ঐনা।
ইতাও কৃষ্ণ লেপনা শিগনিসে
করম তৌসিবা ;
সুবল কৌবা ঐহাক্না ॥

আউরি

সুবল ঐগী উপায়বু উদরে ; হৌজিক ঐনা করম তৌসিবা ॥

বা :—ওন্থোকপনি ইবুংঙো মাগী মাংদদি রাধা পুরক্কনি হায়রমলগা। হৌজিক ঐনা করম তৌসিবা। হৌজিক্তি রাধা তান্না চংসি কদাই ; হল্লসি কদাই হায়দুনা লৈরিঙৈদা সুবলগী মাংদা মন্নাওমচা অমা তবি তবি হেক চংলমই। মতুদা এ মসিনা ঐগী উপায় ওইত্না চংলগে নিংত্না ॥

ঠুংওরি

মন্নাও মচাত্বু সুবল নিংথিনা কোনথংলে।
আয়নগী লমজংলোমদা হরাও হরাও চংলক্লে ॥
সুবল অত্ মবুকনিংদা কিনা কিনা চংলক্লে।
চাকথোংশওগী মাইকৈরোমদা চংশিলমদাইকান্দা ॥
থাপলপ্পা জটিলানা সুবলবু হেক উরেনে।
চৈশু থাঙ্গত্না জটিলা কন্না হেক্তা লাওরকই।
কনানো হে লাকইবা, নং ঐ ঐ খংবরা।
উৎ-পাং হৈবা কালাত্রা ; চংবিরকনুনে ॥
ইচা ইমৌ য়াম্না লৈনে ; কিজেনে কালা।
ওন্থোকনস্থ মায়া হৈনে ; তৌওমদবা লৈতেনে ॥

ব্যাখা ঃ - জটিলানা ওন্থোকনস্থ মায়া হৈনে কিজেনে হায়বা ব্রাহৈ অসি মমাংঙৈদা ইবেম্মা ইবুংঙো পুন্না ঙান্থোইরিঙৈদা জটিলা কুটিলা মমা মচানা হেক ফংউরে অতুদা ইবুংঙোস্থ মাংবা— জুগোৎ চাহৌদ্রতুনা শ্যামা দেবীগী শক্তম লৌতুনা লেপখিবা অতুবু নিংশিংলুরতুনা মচিন্দা করি হায়রকপগে হায়ববু ঃ -

ঐগী ইমাংমক্তা মানা থাঙ্গৈশেংনা উনা উনা।
শ্যামা দেবী ইলাই লাইনা ওইখিনে॥
ইঙক ঙকখিনে কুটিলাগা ইমা ইচা।
মাগী কুঞ্জা মালাতুনা মী মকোক পরেং ওইখিনে॥
মাগী বাঁশিনা দেবীগী থাংশাং ওইখিনে।
ঙমজরোই ইবুংঙো ; চাবৌ মৌবৌনবা॥

ব্রা ঃ— জটিলানা ফিংনা কন্না হেক লাওরকপতুদা স্থবলদো শ্বাই লাওই—কোকচাওবী ফুং। ঙহাক চপ লেপ্পুনা লৈরুবগা জটিলা বোমদা ওনশিন্দুনা ঐনি ঐনি জরতি কৃষ্ণ নত্তে স্থবলনি। জরতিগা ঐগদি য়াম্না মরি থোক্কবিবনি ; অতুগা জরতিবুদি ঐনা লুনা নিংজরিবনি, জবত্তিনস্থ ঐবু কৃষ্ণ ওইবমগনি হায়না নিংফম থোক্তে অতুগা য়েংবিনু।

ঠুংঙরি

যন্নাও মচা মাংখ্রতুনা বন খুদিং কোইরুরে।
ঐনা পমলিবা যন্নাও অসে য়াম্না থাপনা থিরুরে॥
ঈশিং খৌরাংমনখ্রতুনা ঐনা চংলকপনিনে।
(১) রাধা ঈশিং নিতুনা থকলগা পুখিনিনে॥
(১) হঙ্গোইরুমুনে ; ঈশিং থরুগা হলখিনি ; কিরুসু কিরুসু।

রা :— রাধা ঈশিং নিতুনা থক্লগা হায়বা রাহৈ অসি জটিলানা লৌখিবা শুাবনা রাধাদগী ঈশিং নিতুনা থক্লগা যন্নাও মচা— পুখিগনি হায়বা ভাব অসোমদা লৌখি।
সুবলনা হায়জবা ভাবনা রাধাদগী ঈশিংসু নিতুনা থক্লগা— রাধাবুসু পুখিগনি হায়জবা অসিগুম্বা রাহৈ—
অসুপ্পা অসি তারুরগা ও ফৈ ফৈ অতু ওইরবদি ;
ঐগী ইমৌ রাধাদি চাকথোংশংদা লৈবনি ঈশিং নিতুনা— থকচরু হেক হায়রকপা অতুদা ॥

এক তাল

স্ুবল কিবা খরা ফরে ; থরাই খরা রাইশংজরে।
স্বর খরা হস্থজরে ; পুক্নিং খরা রাই শংজরে ॥
সন্নাও মচা পম্না পম্না : চংলকলেনে তপ্না তপ্না।

খিমা এক তাল

শ্রীমতী ইবেম্মদি কপলতুনা লৈরম্মীনে।
সখা ময়াম ষন শেনবগী খোঞ্জেতুবু তাতুনা
কংযগী মনাই ফত্তবনা অরাববু পীরবরা।
সখা ময়াম লাওনরিবা নিললিবা খোঞ্জেন্না ॥

রা :— জটিলা কুটিলানদি মিকুপ খুদিংগী য়েংশিল্লিবদি মিত্তা পি খিত্তং তাবা উবা য়াবা নত্তে কনাগী রাখন্নো ওকইদা হেক্তা চৈহৎলি। ইবেম্মনা তৌফম খংদ্রতুনা শিং চাক্তুনা মৈখুনা মিত্তা চংতুনা তৌরিবনি খুমজে।

রা : ইবেম্মদি সুবলনা চংলকপা উবদা তরাম্না সুবলবু আসন্দা হেক ফমহল্লি ; শ্রীকৃষ্ণগা লোইনতুনা চৎমিন্নরুবা অছুদগী অঙ্গ গন্ধদি সুবলগী মশাদগী ফংলগা ; শ্রীরূপতি দর্শন ফংদবা অদুদা ইবেম্মনা হিক্না হিক্না কপলতুনা য়াথং মতেক মতেক্না . -

তুই ঠেকা

হাযবিযুনে ওহে সুবল মঙ্গল ওইবা মপাওবু ।

(১) বাধা ঐগী ইবুংঙোব্ মঙ্গল ওইবিববা ।।

মতমসিদা নহাক্না ঐগীসিদা লাকপবু ।

কংয় মনাই ফাওবনা অৱাববু পীবরা ।।

(২) ঐগী প্রাণ নাথদি কবম তোরি ।।

ইবেম্মবু য়েংলগা সুবলনা শ্রীকৃষ্ণগী পাও তমলকই ।

তুই ঠেকা

(১) হে বাধে নিংথিবী ; পুর্ণিমা জমজবা

নংঙোন্দা ঐনা কবম তমসিগেনে ।

(১) অৱাবা মপাও ; ইতাও ইবুংঙোগী ;

ঐনা কবম হায়সিগেনে ।।

ইতাও ইবুংঙোনা , ঐগী খুৎ পায়দুনা ;

শ্রীকুন্দবোমদা লাকইনে ।

লৈহাও পরেং অমা ; হৈশিংবী বৃন্দানা ;

ইতাওগী উক্তা হুকলিনে ।।

খংহৌদনা ঐগী ; খুৎপু থাদোক্তুনা ;
লৈবাক থক্তা ল্লান্থখিনে ।
ঐনা কোনখত্তুনা ; নিংথিবা ল্লাহৈনা ;
থেমজিনবদা ম'না হায়নে ॥
বাধা নত্রবদি ; কৃষ্ণ কোবা ঐদি ;
শোইদনা শিরগে হায়নে ।
ইতাওগী ম'তৌদো ; য়েংবা ঙমদ্রতুনা ;
ঐনা চেল্লকইবনে ॥
কপলগন্নুনে ল্লাধে ; থিনববু কান্নদে ;
(১) ইতাওগী থল্লাই কলহৌনে ॥

(১) ল্লাধে থিনবা কান্নদে ; কপলগন্নুনে ল্লাধে ॥

ব্যাখ্যা ঃ—সুবলগী মচিন্দগী কৃষ্ণগী অল্লাবা পাওদি তারগা, ইবেম্মনদি মনিং মথা তৌনা ইবংঙোগী দরশন্দি চৎপা ঙমদবদগী ল্লামন-খিবনা য়ুম্বীগী ম'তৌগুম্না চপ লেপলম্বদগী ল্লাম্থখরে। ঙহাক লৈরগা জ্ঞান লাক্তুনা সুবলব্ য়েংলগা ল্লাহৈ ম'তেক ম'তেক্লা।

তেন্তৈং

ল্লাখরেদা ওহে সুবল ; শ্রীকৃষ্ণবু উদবসিদা ;
লাইবক থীবী রাধা ঐসে।
লম্মৈনা ইকোই কোইশিল্লবী ; ব্যাধগী তেন্না পাল্লবী ;
শজীদো রাধা ঐ ওইরেনে ॥
মরি রে এ এ এ এ এ এ এ এ এ

দুই ঠেকা

হায়বিয়ুনে হে সুবল কৃষ্ণ ফংননবা উপায়।
লাইবক থীবী ঐহাকসে করি ওইরসিগেনে॥
লৌনম চাওবা বিধিনা করম্না তমমলিগবা।
রাধা কৌবী ঐহাকপু ওন্থোক্লা রাহলবিদা॥
লাইবক থীবী ঐগীদমক কৃষ্ণনা রাবা পাওবু।
তারগা বাধা কৌবী ঐনা করম তৌনা হিংসিগে॥

ব্যাখা:— ইবেম্মনা উপায় উদহুনা য়াম্না রাবা মতৌ অহু উহুন সুবলনা ওহাক বুদ্ধি তৌরগা॥

ঠুম্রি

ইবেম্মা নিংথিবী তাওনে উপায় অমা তাক্কে রাধে
উবা ফংননবা: নগী প্রাণ নাথবু॥
ঐনা তাকপা রাসি লেপ্পা লৌনে।
য়াদবা তৌগন্নু, ঐনা তাকপা লৌশিংসে॥
সুবল ঐগী ফিজেং অসি ইবেম্মনা শেংলোমসি
হঙ্গাইরুন্নুকো; নিপা ফিজেংনি হায়হুনা॥
সুবল ঐবু শাহুনা চৎলোনে রাধে।
থংবা ওমলোইনে: রাধিকানি হায়বসে॥
নংগী ফিজেং অহু ঐনা শেংলহুনা যতন তৌনা।
(১) নহাকপু শাহুনা লৈহৌগেনে ঐহাক্লা॥
(১) তমলহুনা; নংগী রাঙা' খোলফম ঐনা।
থংবা ওমলোইনে; জটিলা কুটিলানা ঐবু॥

সুবলনা তান্নকপা উপায় ভাবদা ইবেম্মা মুংঙাই ।
চুম্মি নিংজিনে; সুবলগী লৈশিং অসে ॥
শ্রীমতী ইবেম্মগী পুক্কিং খরা তপালেনে ।
শঙ্গাইগী অতোপ্পা কাদা ইবেম্মনা লেংশিন্দুনা ॥
চান্নবা সখিশিংগা হোংদোক্লুনা ইবেম্মগী সনাফিগে ।
হৈশিংলবা সখিগী থোং ওইনা ফিশিন্নরে সুবলদা ॥
সুবল শাড়ী শেংচিন্দুনা মাগী ফৈজোম শীখিহুনা ।
সখিশিংগা শ্রীমতাসু ফৈজোম অপুম খোল্লে ॥
শকয়েং মি শেল থাদুনা কংবিদু বোকে যতন তৌনা ।
ইবেম্মগী নিংথিরবা শমাগ্রেগী শিন্দুবব মুথত্তুনা ॥
শময়াম পুম্বা গোমগত্তুনা কন্না চুবা ওইনা পুল্লে ।
হবাও হবাও ইবেম্মা মোমোন মোমোন নোকচরে ॥
মন্না মন্না য়েংঙন্দা শকুমদা সুবল ওইনা উবোনে ।
শোরদনা ফাজগনি থক্রে মনংজোগী চরণ সেবা ॥

[illegible] ঃ মতী অপুন্না সুবলনা শেংলকপা অলঙ্কার পুন্নমক লৌথোক্লুনা ইবেম্মগী অঙ্গ থুদিংদা থোল্লি। চরণদা নেপুর খাংদা ওবা কিঙ্কীনি পাঙ্গোমদা তাল খুজেংদা খুড়। কংগী রেখা চক্লা সনাগী লিক পাবং নাদা কুন্দন পুন্নমকসি সখি ময়াম চত্তুনা ইবেম্মগী রাখাল ফিজেং শেংপা লোইরে। থোইনা হেন্না ফজরে রাখাল ফিজেং শেংলগা।

ব্যাখ্যা ঃ— সুবলগীসু সখি ময়াম চত্তুনা ইবেম্মনা খোল্লখ্রা অলঙ্কার পুন্নমক অদু লৌথোক্লুন সুবলদা শেংলীরে। ইবেম্মগী মেঘাম্বর

কৌবা সনাফিগে তাদ্ শেংপদা বিশাখানা শেখি শাবিনে মতৌ অস্তম তৌচনা স্তবলনা শেংকদবা মখৈ শেংলবদা ইরেন্মগী শকফমদি কাওদরে। বাশিদদি য়ৌ হায়বা য়াদ্রবহুদা সখি ময়াম চংদুনা কবি য়াংলিবনো হায়দুনা মুন্না য়েংশিল্লকপদা শংনি নিশিলত্তুনা কস্তুরি - তকপা সনাগী তুবি পাইদুন বিশাখানা খদা পাইদুনা শম্ব্ হাপ্পি।

সখি ভাব চঙনিবা ইশৈ লোংতরিবা কবিনা।

ঠুংরি

শামক্র হাপ্নবদি [illegible] [illegible] কোইনদে।

খোংদাংদো : [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

অন্তরা : [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] দর্শন—
ফংলগনিদো। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শুব [illegible] [illegible]
থাদলগা হাবদুনা [illegible] [illegible] মাযোক [illegible]
নদগী ইশা থমা [illegible]।

মেন

বা। এইগী নাইবকপদ [illegible] [illegible] [illegible] চৎপ্রাবাইদো
শ্রীকৃষ্ণগী সেবা [illegible] [illegible] হৃদয়গী—
[illegible] কবিনা শেখ বিবা॥
বিধি [illegible] [illegible] [illegible] হৈতেদা।
নিংজবা পুস্পা অবেস্বা ওইরে॥
ফংলবোইদো চরণ সেবা উবরোইদো ; ফজবা মাইথোং।
নিংজবা পুস্পা অবেস্বা ওইরে॥

রাগী :— এন্তোকপনি সুবল ঐনা ফনা হোংনজবিবসিবু ঐগী (পয়োধর) নুপী ওইবাগী ঈথক ঈপোম অসি লান্দুনা চংপা ঙমদবসিনা যান্না অরাবা ওইবে হাযদুনা কপ্পবদা সুংলম্ন ওহাক ভুমিন্না তৌযম খংদ্রদুনা লৈকবগা।

ঠুংগুরি

সুবল মন্নাও মচাদুবু খ নিং নিংশিংলক্লে।
সুবল মন্নাও মচা পমখক্তুনা বাধাবু পমহল্লে॥
হোইনা নি ভিবেদো ; মন্নাও মচা পমলগা।
হবাপুব হবেম্না ; সুবলগী লে শিং উবদা॥
সুবল নংগী নপাংদগী বাগা কোবা ঐহাক্না
(১) হং ..াগা চবগ উবা য গাদোবেদক্কো॥
(১) .. চাইদা সুবল, সাব সাবু শি ইদা।

এক তাল

.. শোনবদা পাযবা, সুবলনা শুবকপা.
(১) চৈতুদ লাংবু পাযহল্লে।
( ) হচক ডকলোন. গোপীশিংগী পুক্লিং :
বাপাদে সুবল মানমনখিবনা॥
শীমতা ইবেম্মা. মোমোন নোকা নোক্লা,
মতাশি দা বিদায় লৌবেনে।
বিদায পীবনে ইবেম্মবু, ললিতানা চিংবী,
সখি পুন্নমক্লা॥
শ্রীমতা ইবেম্মা, ওইগী স্বব লাকপা,
মতুং ইন্না ওইগী খোং থাংলেনে।

ৱারী ঃ–ইরেম্মনা ওইগী স্ববদা খোংথাঙ্গে হাযদুনা তৌবদু সুংলনা উবদুনা ॥

এক তাল

শাজংনিনে, মদুদি নুংগী,
ওইগী স্ববদা খো থা বা।
হেৎকী স্বব মতুং ইন্না, থাংকাব হেৎকী,
খো থাংবা ওন্নীবা ॥

ৱারী ইরেম্মনদি মহৈশানা তৌবদি নওনিনব হৈরনা অদুদা

থাবীরেনে, সুবলনা ওংবা, ই নংগী হেৎদ .
খো থা নবা
চৎলকলেনে ; কৃষ্ণ শোন্দুনা .
জটিলাগী মন মদা

ব্যাখ্যা ঃ জটিলাবোন হেক ওন্নিন্দুনা জটি গ্রী চৎ ব, হাযদুনা হেক খুৎকনজে, জটিলানসু ও ব কে – সুবল চৎচনা ননা নিংবা পুন্নমকসু থাজো হ মবাপ অদুদ ॥

এক তাল

ইরেম্মা বাংদো মোমোন নোকুনা ;
চৎলকলেনে কুন্দরেমদা ॥
শামুগী শাজং হেল্লিবী,
কাংডাগী খোংখাং চমজবী ॥

কৃষ্ণবু নিংশিং নিংশিংদুনা কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোল্লদুনা।
অতিয়াদা থোকপা পুর্ণিমা থানা ;
লৈমাইদা চৎপগুম চৎলকলেনে ॥

বনগী মাইকৈ খুদিং পুমণ্ডাল ঙালনা ;
শ্রীমতী ইবেম্মা চৎলকলেনে ॥
থোইনা হেন্না নিংথিজৈদো ;
সুবলগী মশক ওইরগা ॥

বারী ঃ—শ্রীমতী ইবেম্মনা লেংথিবদা বৃন্দাবনগী লৈকা খুদিংদা। লৈহি চুপ্পুনা লৈরম্বা থোইশিংনা অঙ্গ গন্ধ ফংবদা ; মান, মানা চুপ্লমলিবা লৈহি অচু থাদোক্তুনা ইবেম্মরোমদা তন্না ঃ—

এক তাল

খোইমুনা গুণ গুণ হায়না ঙংলকলেনে।
খোইমু লাবা অমোম্না অঙ্গ গন্ধ ফংবদা ॥
কিনি কিনি হায়না কিঙ্কীনিনা নিল্লক্লেনে।
হকচাংনা লেংবা ২ খুদিংদা রুনু ঝুনু হায়না নোপুরনা ॥
নিল্লক্লেনে হৌনা খোংথাং খোংথাং খুদিংদা।
কোকিলনা কুহু কুহু পঞ্চম শুরনা মঙ্গল তৌরক্লে।
রাহোংনা লৈনা লৈনা মাংদা জগোই কংলক্লে ॥

ঠুংরি

থৌগন কনা য়াংদনা শ্রীমতী ইবেম্মনা।
চৎলক্লেনে বনগী লম্বীদা শ্রীকৃষ্ণবু উনিংবনা ॥
ইবুংঙোগী অঙ্গ গন্ধ লাকপা মতুং ইন্না।
রাংা কুণ্ডরোমদা চৎলক্লেনে নিংহিংনা ॥
শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা য়ান্না নকশিল্লক্লে রাধানা।

ব্যাখ্যা : ইবুংঙোদি ইবেম্মগী প্রেম্মা ঙাওহুনা শ্রীকুণ্ড মপান্দা।

ছোট দশ কুশ

শ্রীকৃষ্ণনা চৎপা তুম্বা ; থাদোক্তবা পামজখ্রবা ;
বেনুদো লাপলপ্পা তাহুনা লৈনে।
লৈপাথক্তা ওন্থোইরুবগী ; হিক্লা হিক্লা কপলুবগী ;
শ্রীঅঙ্গদো উকুন্না ইন্নাও রাওরে॥
ইবেম্মনা লাক্কদবা মাইকৈ : চিংনা চিংনা য়েংহুনা ;
নোংগোবিনা নোংঙাইবহুম লৈরমই।
ইবেম্মবু য়েংলমলগা ; হিক্লা হিক্লা কপলুরগা :
লৈমাইথক্তা থরো থরো ওনখরেনে॥

রারী : -শ্রীমতী ইবেম্মবু উনিংবগী প্রেম্মা থুনহৎপিদ্রনা।
সুবলগী মশক লৌহুনা লাকলিবা ইবেম্মদ্ শক খংখিদ্রদনা।
করি তোরে ইতাও নংনা রাধাবু পুরক্কনি হায়হুনা চংখ্রগা
সন্নাও মচা পনহুনা লাক্লবদি হায়রকপা অদুদা॥
এং ঐবু খংবিদ্রমাল্লে অসিনদি হায়নিংবা রা খরহুনে
হায়হৌগে নিংহুনা॥

এক তাল

(১) হে ইতাও রাধাদো পুরকপগী শক্তি লৈতে।
চৈশু পায়রহুনা জটিলানা ঙাক্তুনা লৈনে॥

(১) হোৎনজরুইনে ; ঐস্থু চংহুনা ফনা ; ইতাও নংগীদমক॥
ইতাও নংগী অরাবসে কোক্লনবা হায়হুনা।
চন্দ্রাবলি কৌরুবদা চৎলমদাইগী মতমদা॥

অফি মরোল শেংলহুনা চন্দ্রাবলি চংলমদাইদা।
ঙঃ ইতাংনা চন্দ্রাবলিবুদি কৌরকউদি হায়দেকো।
মসি এনা খল্লুহুনা ওহাক ঙাইরমখো হায়বস্মি।
কৌকগেদো, চন্দ্রাবলি, রাধাবু হেন্না নিংখিবা॥
চেঙবক্কনিদো; এগী ইশক হেক উবদা;
খিল্লগনি নিংলগা এনা খোংনা চংপদি।
ইতাও নংগী নশামক্না কৌবো নংগী বাঁশিহুনা॥
চন্দ্রাবলি হেত্তা চেল্লক্কনিদো; খোংলোনে বাশি।
চন্দ্রাবলি তাননবা।

স্বরী: কবিনো ইতাও ঈশিং খোরাংলগা মৈ থক্কগা ফবা হৈনব্রা॥
চন্দ্রাবলিগী স্নেহদি ঘৃত স্নেহনি; এগী ইবেম্মগী স্নেহদি
মধুর স্নেহনি। অদুগা এগী বাশি অচম্বা নাওনা।

এক তাল

এহাক বাঁশিসে হে ইতাও চন্দ্রাবলি কৌবা য়াহবোই।
কৃষ্ণ এগী ইবেম্মা বাধাতব কৌনবা বাঁশিনিনে॥
হে ইতাও সুবল এদি শ্রীকুণ্ডদা চোংথনা শিবগেকো।
এনা হিংল্লহুনা কবি কান্নাদগা
এগী শরাই মঙা স ধ্রেম্মা পা। নাদিমওনিনে।
কৃষ্ণ কৌবা এগী নাং কৃষ্ণ এনা থরাই:
কৃষ্ণ এগী লৈবা খিবিক।
বা। কৌবা মানা ওইরিবনিনে;
বাধা নংনা এগী বলিস্ত লেজদ।

ঠুম্রি

রাবম অসি হায়রয়ুগা হিক্না হিক্না কপুনা ।
রাধা রাধা কৌদুনা শ্রীকুণ্ডদা চোংখবে ॥
যন্নাঙ মচা থনমদুনা শ্রীমতী ইবেম্মা ।
শ্রীকুণ্ডদা চোংথদুনা নিংজিনা কোনখংগল ॥
ইবেম্মগী অঙ্গ গন্ধ ইথুংঙোনা ফংলে ।
(১) ইবেম্মা বাংবানি হায়বা খংলেনে কৃষ্ণনা ॥
(১) ঙমখৈ লৈতরে ; কৃষ্ণদো হবাঙবগী ;
লাইবকনা মণি ফংবংম ॥

এক তাল

ঐবু লুনা নিংবী ; ইবেম্মা বাংবিংদে ,
মংতৌ কবনা লাকংদা ।
কৃষ্ণ কৌবা ঐগীদমক ; মৌক্তিক মু খিলসিদা ;
কবমনব লাকইবা ॥
মনেম ফজুবাবু ; মংতৌ কবমনবু ;
নমহত্না লাকইবা ।
কন্না ডাক্না ডাক্না ; মংনম জটিলান ;
অতুক চেকশিন্না ॥
কৃষ্ণ কৌবা ঐদি ; মংপোক অসিদদি ;
(১) লমন শিংবা ঙমলরোইনে ।
(১) ওইজরগে নংগী ননাই ;
ইন্দক মপোক অসিদদি ॥

শ্রীরাধা কৃষ্ণ অনিমক্না ; শ্রীকুণ্ড মপান্দা লেংশিল্লে :
মণি তাংবল মথক্তা ॥
ফজবা ঙমথৈ লৈতেনে ; কুণ্ডগী মাইগৈ ইঙাল ঙাল্লে :
অনিমক্কী ফজবা শক্তম্না ॥

বারী : অসোমদা ইবেম্মবু শাহুনা লৈহৌরিবা সুবলদো জটিলা কুটিলাবু কিবনা পুক্লিংদা তথক তথকই। মতমসিদা শ্রীরাধা কৃষ্ণ অনিগী লীলাগী থৌরম পুরিবা। ভগবতী পৌর্ণমাশিনা কুন্দলতাদা জটিলাদগী যমুনাদা ঈশিং শোকপা চৎনবা অজ্ঞা। য়াথং লৌহল্লি। অতুগা সুবলসু মবেম্মনা চৎখিবতুগী বাখন্দা বাজৈ।

এক তাল

মহৌশাদি বাখাদো মতাশিংনা থৌগল ইল্লি।
ঙসিদি কনানসু থৌগল ইনবিখিদেকো ॥
খল্লুহুনা বারকলেনে সুবল মবেম্মগীদমক।
সুবলগা সখিশিংগা বারম পুল্লমক তান্নহুনা ॥
যমুনাদা ঈশিং শোকপা ঙৈনা চৎলসি লেপ্পবে।
সনাবুন অমমম পাইরহুনা মরি মরি থোরক্লে ॥

ব্যাখ্যা : সুবলগা সখি খরগা জটিলাগী মাংদা ইঙ্গিৎ ঙাইবগুম্না মুগুক মুগুক লেপলুবা অতুদা জটিলানা এঃ নহাক নহাক্কী ঙল্লিঙৈদা ঈশিং মাইশিং শোকহৌরুরো হায়রকপা অতুদা।

ঠুংঙরি

সুবল নুংঙাইরে অক্লাদগী নাম্থোকলপা তেনবাগুন্না ।

চিংনবা কাকখরে ;
পুক্নিং মকা লামখরে ॥

এক তাল

সুবলগা সখিগা সনাবুন পুহ্না ;
যমুনা রোম তম্না লাকলেনে ।
খেন্নদেনে সুবল শ্রীমতী রাধিকাগা ;
মশকসু মতৌসু লমচৎসু ৱাঙাংসু ॥
শ্রীকৃষ্ণনা লৈহৌবা রাধাকুণ্ডরোমদা ;
সুবল সখিশিংগা লোইননা লাকলেনে ॥
সুবলগী লাকলিবা মতৌ অদু উবদা ;
শ্রীমতী ইবেম্মা মোমোন মোমোন নোকলেনে ॥

ৱারী ঃ— ইবেম্মনা ইবুংঙোবু মিৎচিনা হাইরপ য়েংলম্লগা নুপী লাক্লবদি নিপা ঐখোয়দি অসিৱাইদা লৈবা হৌনদ্রে হায়রম্লগা শ্রীকুণ্ডগী মপান্দা মচি অমদা লেংশিন্দুনা সখিগী থোং ওইনা ফি ওন্নরে ।

ঠুংঙরি

ইবেম্মগী অলঙ্কার ইবুংঙোনা শেমলে ।
সুবল অদুসু মাগী অলঙ্কার শেংচিঞ্জরে ॥

ৱারী ঃ—ইবুংঙো ইবেম্মা অনিমক্না নিকুঞ্জ মন্দিরদা য়েৎ ওই কাইদনা যুগোল রুপ্না নিংথিজবা অদুবু সখিশিংগা সুবলগনা থা মচেৎ শানা কোয়রগা অনিমক্কী শক্তসু লৈশি-লৈথোঞ্জরি ।

কাক তাল

য়েংউ ইতা চান্নবী ; অনিগী শক্তম অসে ;
করিগা চাংদমনগনি ।
অনোবা নোংগী ওইসিদা ; বিজলীনা ঙাল্লিবসে ;
জগৎ সুমহৎপা শক্তমনি ॥
যোগি ঋষি মুনিনা ; ফংঙমদ্রবা অনিগী চবন্না ,
শ্রীকুণ্ড মপান্দা ঙাম্বোইরি ।
ধ্রুব নারদ প্রহ্লাদনা ; নিংবদা ফংঙমদ্রবা ;
যুগোল রুপ্পা ঙালবীরি ॥

প্রার্থনা

শ্রীরাধা মাধব অনিগী ; থোগন ফংহনবিয়ু ,
অবোইবা মতমদা চবন্দা থম্বীযু ॥
থৌজাল হৈবী থৌজাল হৈবা ; ননাইবু থৌজালবিদ্রবদি ,
তাইবংদা মিংচৎ থিহোগনি ॥

ঠুংঙরি

সখিশিংগা ইরেম্মসু যাবোৎ লোমদা লেংখরে ।
কৃষ্ণ সুবল অনিমকসু সখা মরক চংখরে ॥
রাধা কৃষ্ণ অনিমক্কী নিংথিরবা রসসিবু ।
অহিং নুংখিন্দা চুপচৈ কবি যদুনন্দনা ॥

(মর্নশিক্ষা) পুক্লিং ৱারকপা

পুক্লিং হরি শোল্লু শোল্লুনে পুক্লিং কাউগন্নু।
অহিং নুংথিল অনিমক্তা পুক্লিং তত্তনা শোল্লু॥
হরি নাম অমৃতবু পুক থননা পামজনা থকউ।
ইমাগী গর্ভ মন্নুংদা লেবিরৈদা নিংজকুবা হরিবু॥
মংপোক কোটিগী পাপনা ইবান্দুনা ফংজদে মাবু।
হৌজিক তাইবংপান্দা লাকলে কাউথোক্লে মাব।
হরিদি নিংদনা অবেন্নদা মতম হৌখবে হরি শোল্লু

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে।

হরি শোল্লু হরি শোল্লু।
হরি হরি শোল্লু॥

নাম পুন্না শকপা লোইরে



রামানন্দ সঙ্গ

কৌজবা—লোফা

কৌজরিয়ে গৌরহরি থম্মোই সিংহাসন্দা।
শায়ন পুম্বগী অথোয়বা ; কলি যুগকী চিন্তামণি॥
প্রেম ভক্তি থোক্রফম ওইবা ; জীব পুম্বগী গুরুনি।
(১ যন্ত্র ডাক্লি পুম্নমকসে : ন'না যন্ত্র পুন্সা খোংবিবনি॥
পায়তুনা যন্ত্র খোংবিন্নরো ; হুংশিবা নংগী মিংলেন্দো।
(২) শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য প্রভু খুরুমজৈ চরন্দা॥
(৩) খুরুমজৈ শ্রীনিত্যানন্দ অদ্বৈতনচিংবদা।
(৪) শ্রীরূপ সনাতন্নচিংবা ভট্ট রঘুনাথ॥
(৫) শ্রীজীব গোপাল ভট্টদাস রঘুনাথ।

অলঙ্কার :—

১। যন্ত্র পুম্বা তাত্নুা লৈরে।

২। ঐগী পাঙ্গল লৈজদেনা ; নগী থৌজাল নত্তুনা ; ওহে প্রভু পীনবিয়ু॥

৩। প্রেম পীন-হৈবা নিত্যাই ; লংজরফাওবদা চানবা হৈবা ; শাক্ষী মাগী যোগাই মধায়॥

৪। হন্না হন্না খুরুমজৈ ; গৌরদগী হেন্না থৌজাল হৈবা ; গৌর ভক্ত অথোইবা॥

ভক্ত রামানন্দ সঙ্গ

শ্রীকৃষ্ণগী মশক তাকপা প্রেমতত্ত্ব তাকপা
শ্রীরাধাগী মশক ; প্রেমতত্ত্ব তাকপা
ভজনগী পন্থ্ংফম লাইনিং লম্বীগী ওমখৈ ॥
রাগানুগা ভক্তিনা শ্রীরাধা কৃষ্ণগী কুঞ্জ সেবা ফংবা ॥

১। সঞ্চার্য্য রামাবিধ ভক্ত মেঘে ;
স্ব ভক্তি সিদ্ধান্ত চয়ামৃতানি ।
গৌরাব্ধি বেতৈ রমুনা বিতীর্নৈ ;
স্তজ-জ্ঞত্ব রত্নালয়তাং প্রয়াতি ॥

১। শ্রীগৌরাঙ্গ সমদ্রু ভক্ত রামানন্দ নোং। নোংগী ঈশি না সমদ্রুদা তাদ্রবদা মুক্তানচিংবা মণি পোক্তে। মরম অসিনা সমদ্রুগী ঈশিংনা লৈচিন ওইনা পায়খৎলগা নোং ওইহুনা চুথরগা মণি-মুক্তা-নচিংবা পোকই ; পৃথিবী শিনবা থুংনা জীবশিংগী চিঞ্জাক পী। শ্রীগৌরাঙ্গ প্রভুনা মাগী রত্নগী মশক ওইরবা ভক্তি সিদ্ধান্ত পুন্নমক ভক্ত রামানন্দবু হায়দোকহল্লগা ইবুংঙো মানা তাবীহুনা রত্নগী পুক্কে ওইবীরি ইবুংঙো মানা পীবিদ্রবদি ভক্ত জীব কনামতনা থংবা ওমলোই পুন্নমক্তগী চানবী হৈবা জীব নু শিবি না প্রভুনিনা জীবগী ফনবা শেন্বীরি ॥

শ্রীশ্রীজগবন্ধুদগী বিত্থায় লৌহুনা অমদি সর্ব্ব ভৌমানচিংবা ভক্ত পুন্নমক বিদায় পীবিরম্লগা লেংলকপনা কুর্ম্মস্থান্দা শ্রীকুর্ম্ম দেব দর্শন তৌরে। লৈরিবা মী পুন্নমক বৈষ্ণব ওইহনবীরে ; মথংদা কুষ্ঠিগী

লাইথুংনা পূম্নবা তিল চংঙবা মনাই বাসুদেব ব্রাহ্মণবু কোনবীতুনা ফজবা শক্তম (মুর্ত্তি ওইহন্দুনা লালবীরম্নগা জিয়ড় নৃসিংহ ক্ষেত্রদা শ্রীনৃসিংহ দেব খুরুমই স্তুটি তৌই। বিদায় লৌতুনা গদাবরি তীর্থগী তোর্ব্বান্দা লেংলক্লে। তোর্ব্বানগী ফজবা বমবু শ্রীবৃন্দাবন্নি খল্লি; গদাবরিবু যমুনানি খল্লি। মাটিকবিকার ফাওই প্রেম্না ভাউতুনা পাম্বোম থাঙক্তুনা জগোই শাই হরি নাম শোল্লি।

ঈশৈ

রাম রাঘব রাম রাঘব রাম রাঘব রক্ষ্য মাং।
কৃষ্ণ কেশব কৃষ্ণ কেশব কৃষ্ণ কেশব পাহি মাং॥
গোপাল গোবিন্দ রাম শ্রীমধু সুদন।
গিরি ধারি গোপীনাথ মদন মুহন॥
হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে।
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে॥

অসুম্না লাকপনা তুরেল রাংনা লান্থোক্লগা স্নান তৌবে। ঈরুভুবে তীর্থবু পেনহলবিরে। হিদেন্দগী খরা লাপ্না চংথোক্লগা ঈশিং মপান্দা অশেংবা মতাফবা লমদা ফমতুনা নাম শোল্লগা লৈখরে। মতমসিদা রামানন্দ রায়না দোলাই তোংহুনা পুং শেল যন্ত্রনচিংবা খোংতুনা য়েহুনা মনাই মশন অমদি ব্রাহ্মণ পণ্ডিত ১০০ লোইননা স্নান তৌবা লাকই। বেদ হৈবা ব্রাহ্মণ পণ্ডিত ময়াম্না বেদ পাঠ তৌতুনা মন্ত্র শোন্দুনা ঈরুজে দান কংলি তর্পণ তৌই।

উবদা প্রভুনা খংই মনাইনি হায়বসি ; পুক্লিংনা মনাইবু প্রেমা-লিঙ্গল তৌখ্রে । মপান্দা লোকাচারগীদমক লাপ্না কৃপা মিৎয়েং তাবীবি ।

বামানন্দ হেক কাখৎলকপদা স্নমিৎ চা কুটিগী মণ্ডালবু ঙমজবা থম্বাল লক' ঙমজবা মিৎয়েং স্নংশিবা মবুংঙোগী শ্রীমূর্ত্তি ফজবা শক্তম হেক উজবদা অঙকপা ফংখ্রে ; কবি অমত্তা চিংনদে কবি অমত্তা খন্দে, চেলক্তুনা চবন্দা দণ্ডবৎ কচ্চবে । প্রভু ফুক হৌগত্তুনা হৌগৎলে৷ বৈষ্ণব কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোল্লু হান্না মুন্না খংনবগুম নংব্ বামানন্দ নত্রা ? প্রভু তোল্লবা ননাইনি খুমই । অহ সাটিক বিকাব ফাওই প্রেমতনা থক থক নিকখ্রে হকচা' পুম্বা পিতনা পুমচোং চোংখবে কৃষ্ণ কৃষ্ণ শালবনা পুমনিল্ল নিল্লখ্রে ।

এক তাল

লাউ লাউ বামানন্দ কৃষ্ণ প্রেমালিঙ্গল ওইসি ।
কৃষ্ণ ভক্ত বৈষ্ণব নংবু ঐনা খিজলকলি ঙসি
ময়া বাদি সন্ন্যাসিনী স্নংশি খংদ স্নংগনবনি ।
স্নু গুন্নব' ঐগী থস্মোই পেৎহল্লেনে বৈষ্ণব নংনা .
মায়া পক্রবা বৈষ্ণব নংগী কৃষ্ণ প্রেম রসদা ।
লুপচবগে বৈষ্ণব নংগী কৃষ্ণ প্রেম সমক্রদা ॥
বৈষ্ণব নংগী মক্রবা প্রেম রস ঈপাক্রদা ।
লুপহল্লনে ঐহাকপু নংগী প্রেমগী ঈপাক্রদা ॥

ব্যাখ্যা ঃ মহৌশাগী ওইবা প্রেম্না মপু মনাই লৈমাইথক্তা হায়থখ্রে প্রভু ভক্তগী মস্নংগী রসদি বৈষ্ণবতনা খংবাগদবা ওই

প্রভু ভক্ত অনিগী প্রেমবিকার উবদা পণ্ডিত ব্রাহ্মণশিংনা খন্নে। সন্ন্যাসিগী মণ্ডল মণ্ডালসি ব্রহ্মগী মশক্তি মানা চিংনদনা শুদ্রবু কোল্লগা পেল্লিবা হুংডাইবিবা অমদি :—

মহাপণ্ডিত মহারাজ পুন্নমক খলবা অসিনা ময়াইকাহ্নুনা প্রেমদা তাণ্ডবিবসিনা কবিগীনে। অণ্ডকপা ফংনা মিংকুপ্তুনা য়েংনখ্রে। ময়ামগী রাখন্দা প্রভু পুক্লিং তপ্লহ্নুনা মনাই য়েংহ্নুনা ঐনা খনিংবা পুন্নমক নচোন্দগী খবা ওমগনি হায়না সার্ব্ব ভৌমনা খাবকপনি প্রভু ননাইনা লানওমদ্রবা তোল্লববু লালবিনবা হঙ্গচ্ছবকপনি, এগী লাইবক ফবে, অতুগা সার্ব্ব ভৌমবু প্রভুনা ফাওমদ্রবা কুপা পীনবে হায়বসে খজবে, ঐস্তু মপেইবা নংপোক মচৈ থাংল্লে। মতিক চাই চাদে য়েবিদনা চানবিবা অসিনা অংশবা ঈশ্বর নারায়ন্নি হায়বসি খংজরে। তোল্লববু লালবিগে হায়না অসিদা লাকপীবনি মাসি ঈশ্বরগী স্বভাবনি তাঙবা মপুগী হেনবনি।

অসিনক শ্রীমদ্ভাগবত ১০।৮।২ শুবদা গর্গ মুনিদা শ্রীনন্দনা হায়খি।

ঝপ তাল

(১) মহদ্বিচলন নৃনা গৃহিনা দীনচেতসাং।
নিঃ শ্রেয়সায় ভগবন : কল্পতে নান্যথাক্কচিং॥

(১) ঐনা মতোল্লে হায়না খল্লবা য়ুম পানবা বৈষ্ণবশিংনা। নংতবু লুংশিবা নংগী নামতবু শোঙবশিংগী য়াইফনবগীদমক। ময়ুম নংমদা চত্নুনা থৌজাল্লবিবসি ঈশ্বরগী স্বভাবনি। প্রভুবু হেক উজবদা

তিল্লিবা ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পণ্ডিতনচিংবা পুন্নমক খংহৌদনা কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোল্লি। প্রভুনা হায় রামানন্দ নংনদি শ্রীকৃষ্ণগী মনাই অথোইবা ভক্তনিনা নংগা শন্নবদা কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোল্লিবনি। অতৈদি লাইরবুনা মায়াবাদি সন্যাসী ঐ ফাওবু নংগা হেক শোক্লবদা খংহৌদনা শ্রীকৃষ্ণগী প্রেম ফংই কৃষ্ণ কৃষ্ণ শোল্লিবনিনে। মতম অসিদা বৈদিক ব্রাহ্মণ অমনা প্রভুদা নিমন্ত্রণ কৎলি। বৈষ্ণব ওইবগী মতৌ অতু উবদা কার্ত্তন লৌবে। প্রভুনা হায় রামানন্দ নঙোন্দগী গুণ ৱারী নাম খবা তানিংই। রামানন্দনা হঙ্গচে পাপ চেল্লবা ননাইনি উজবনা শেংজবা ঙমলোই নুমিং মঙানি তরেৎনি লৈবিতুনা ননাইগী মোৎলবা পুক্নিংসে শেংদোকপীরমউ। ৱানা ৱানা মপু মনাই কাইনরে।

প্রভুনা মনাই ব্রাহ্মণগী ভিক্ষা লৌবিবে; প্রসাদি চরনামৃত মাগী পরিবার শাগে নাতৈ মচা মশু পুন্নমক ফংহন্দুনা ফংঙমদ্রনা সেবা ফংজরে। সন্ধ্যা স্নান তৌরগা মনাই ঙাইতুনা নাম শোন্দুনা আসন্দা লেংশিন্দুনা লৈখরে।

মতমসিদা মাগী ভোগদবা থবক পুন্নমক লোইরগা মনাই অমও লোইননা লাক্লুনা প্রভুগী চরন্দা খুরুমজরবে। অচিকপদা মপু মনাই শ্রীকৃষ্ণগী কথা সাধ্য সাধনগী কৃষ্ণ ভজনগী কৃষ্ণ ফংননবগী লম্বী প্রেমগী ৱাবী (শান্নৈ) শান্নবক্লে॥

ধামা ঠুম্মরি

প্রভুনা হায় রামানন্দ জীবগী ফনবা শেম্বগী লম্বী।
শাস্ত্রগী মত কাইদনা শ্লোক অমত্তং হায়যু অসি॥
বায়না হায়জে প্রভু মাগী মাগী আশ্রমদা লৈজতুনা।
শ্রীবিষ্ণু সেবা তৌজবতনা কৃষ্ণ ভক্তি অসিতনিনে প্রভু॥

ব্যাখা ঃ- ননাইনা হায়জিনবা নত্তে বিষ্ণু পুরান্না হায়রি অংশ ৩ । ৮ । ৯ শ্লোক্তা -

১ । বর্ন্নাশ্রমাচারবতা পুরুষেন পর পুমান।
বিষ্ণুরাধ্যতে পন্থানান্যন্ত তোষ কারনং ॥

১ । ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শুদ্র, বর্ন মরি ।
ব্রহ্মচারি, গৃহস্থ, বানপ্রস্থ, ভিক্ষু ॥

হায়রিবা আশ্রমদা লৈরিবা মীশিংনা অথোইবা নুপাগী বিষ্ণুবু আরাধন তৌই মসি নত্তবা লম্বেন্না শ্রীবিষ্ণুগী পেন্নবা ওইদে ॥

খোইড়া

গৃহস্থদা লৈদুনা ; ব্রহ্মারারি ওইদুনা ;
লাইগুরু সেবাদা পুক্নিং চংবা ।
অসোন অনা য়োক্তুনা ; জাতি ধর্ম্ম ডাক্তুনা ;
শ্রীকৃষ্ণ নিংজবগা মান্নবা ॥
কৃষ্ণ পেলহন্নবা অমা ; তাইবংসিদা লৈতে হায়না ,
তত্তনা বেদনা লাওরিনা প্রভু ।
ননাইনা খংজবদি ; বেদনা হাইবা মশাগী ধর্ম্ম ;
বিষ্ণু ভক্তি অসিতনিনে প্রভু ॥
প্রভুনা হায় রামানন্দা ; য়াম্না চুমথ্রে ফজথ্রেদা ;
অসিদগী হেল্লবা অমত্তংগা হায়যুগবা ।
বামানন্দনা হঙ্গচ্চে ; মানা তৌজবা কর্ম্ম পুম্বা ;
শ্রীকৃষ্ণদা কচ্চবনা অথোইবনি ॥

মসিমক শ্রীকৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা হায়বিথি গীতাদা ৯।২৭ শ্লোক্তা।

১। যৎকরোসি যদশ্নাসি যজ্জুহোষিদদাসিযৎ।
যত্তপস্যসি কৌন্তেয়। তৎকুরুস্বমদর্পনং॥

২। মহুবু নংনা তৌবা, নংনা মহুবু চাব', হোম তৌবা, মহুবু ন ন'
পিবা, তপ তৌবা হে কুন্তিগী মচা হে অর্জ্জুন মত্তু মহুব
ঐঙোন্দা কৎলু॥

প্রভুনা হায় রামানন্দ; তাবদা ইংজরে থম্মোই,
অসিদগী হেনবা অমগা তাজগে।
বাইনা হায়জৈ প্রভু: মা-মাগী ধর্ম্ম পুন্না থাদোকপা,
কৃষ্ণতব নিংবতনা অথোইবনি॥

মসিমক মনাই উদ্ধপু শ্রীকৃষ্ণন তাকপীনি শ্রীমদ্ভাগবতত
১১।১১।৩২ শ্লোক্তা।

৩। অজ্ঞায়ৈবং গুনান দোষান্ময়াদিষ্টাপিস্বকান
ধর্ম্মান সংত্যজয়ঃ সর্ব্বান মাংভজেৎসচসত্তমঃ॥

৩। মীং অত্তুনা ঐনা বেদগী মশক গুইত্তুনা তাকপা মা-মাগা ধর্ম্ম,
গুণ, দোষ খিবিকপু থংলগা পুন্নমক থাদোকলগা ঐব নিংলিব
মত্তু অথোইবনি। গীতাদা ১৮। ৬৫ শ্লোক্তা।

১। সর্ব্ব ধর্ম্মান পরিত্যজ মামেকং শরনং ব্রজ।
অহংত্বাং সর্ব পাপেভ্য মোক্ষয়িষ্যামিমাশুচঃ॥

১। ধর্ম্ম পুন্নমকপু হুজেত্তুনা ঐ ইথন্তদা চংডু ঐনা নংগী পাপ
পুন্নমক্তগী কোকপিগনি রাকনু।

৫। মন্মনা ভব মদ্ভক্তোমদযাজীমাং নমস্কুরুঃ।
মামেবৈষ্যসি যুক্ত্বৈব মাত্মনংমৎপরায়ন॥

৫। ঐবু নিংবা ঐবু পুজা তৌবা ঐবু নুংশিবা ঐগী ইনাই ভক্ত-
শিংগীদমক মতিক চাবা মখোয়গী ফনবা ঐনা লমন থুমই।
মসিমক শ্রীকৃষ্ণনা মনাই অর্জ্জুন্দা হায়বীখি।

প্রভুনা রামানন্দদা হায়; তাবদা নাকোংসে ইংজরে;
মসিদগী হেনবা লৈরমখিগনি।
হঙ্গচে রামানন্দনা প্রভুদা; জ্ঞানগা ভক্তিগা লোইননা;
শ্রীকৃষ্ণ নিংবনা অথোইবনি॥
গীতাদা ১৮। ৫৪ শ্লোক্তা।

৬। ব্রহ্ম ভুতঃ প্রসন্নাত্ম নশোচতি ন কাঙ্কতি।
সম. সর্ব্বেষু ভুতেষু মদ্ভক্তিংলভতে পরাং।

৬। ব্রহ্ম ওইরবা ব্রহ্ম মশক থংবা আত্মা লুরবশিংনা রাদে, পামদে,
জীব পুম্নমক্তা চপ মান্ননা উবা অথোইবা ঐগী ভক্তিবু ফংই।
শ্রীকৃষ্ণদা ব্রহ্মানা হায়ঃ—

প্রভুনা হায় রামানন্দ; তাবগী পেনবা নাইদ্রেদা;
অসিদগী হেনবা অমত্তং থংহল্লুবা।
ননাইনা খংজবদি প্রভু; লৌশিং পুম্বা থাদোক্লুনা;
ভক্তিতনা নিংজবনা অথোইবনি॥

শ্রীকৃষ্ণদা ব্রহ্মানা হঙ্গচ্চব শাক্ষিনি ভাগবত্তা ১০। ১৪। ৩ শ্লোক্তা।

৭। জ্ঞানে প্রয়াস মুদপাস্য নমন্ত এব
জীবন্তি সন্মুখরিতাং ভবদীয় বার্ত্তাং।
স্থানস্থিতাঃ শ্রুতিগতাং তনুবাঙ্মনোভিঃ
র্যেপ্রায়শোঽজিত ! জিতোঽপ্যসি তৈস্ত্রিলোকাং॥

৭। জ্ঞান ফংননবা হোৎনবব্ হুঞ্জেক্কুনা মাগী মাগী মফমদ লৈহুনা সাধুশিংনা শকন শোন্নরিবা নাকোংনা তারবা॥ নহাক্কা ব্রাবু হক্কচাং য়াথং পুক্লিংনা লৌতুনা হিংবা। মখোয়শিং অহুনা মরোল অহুমদা ওমফব্রবা নংবু ওমই।

ঠুম্মরি

প্রভুনা হায় রামানন্দ; অসিদগী হেনবা তাজগে.
লৈরমথিনি হায়বিযুগবা।
ননাইনা হঙ্গচ্চনিংবদি; সাধন পুম্নমক্তগীদি:
প্রেম ভক্তিতনা অথোইবনিনে॥

পদ্যাবলিদা ১১ শুবদা ননাই শাক্কি পীজরি।

। নানোপচার কৃত পুজন মার্ত্তবন্ধোঃ
প্রেম্নৈব ভক্ত ! হৃদয়ং সুখ বিদ্রুতং স্যাৎ॥
যাবৎক্ষুদস্তি জঠরে জরঠা পিপাসা।
তাবৎ স্বখায় ভবতোনন্ু ভক্ষ্যপেয়ে॥

। আত্মাগী মবুংঙো ওইবা শ্রীকৃষ্ণগী মখল মথা অয়াম্বা পোৎলম্মা পুজা তৌবা। প্রেম্না মরম ওইহুনা ভক্তগী পুক্কিংনা হুংঙাই-

বনা ইপেং পেংলি ॥ মাহুদি পুক্তা য়াম্না অরাম খৌরাংবনা লৈরবা মতমদা। অতুপকী মখৈ অচা-অথক পোং ঈশিংনা খৌবাংবা কোক্তুনা মুংঙাইবগুমই ॥

১২ শুবদা

৯। কৃষ্ণ ভক্তি রস ভাবিতা মতিঃ
ক্রীয়তাং যদি কুতোপি লভ্যতে।
তত্র লৌল্যমপি মুল্যমেকলং
জন্ম কোটি সুকৃতের্ন লভ্যতে ॥

৯। করিগুম্বদগী কনাগুম্বদগী ওইরবস্তু ফংলবদি। শ্রীকৃষ্ণ সেবা তৌবদা মুংঙাইবা পুক্নিংবু লৈযু ॥ মাহু লৈবদা লৌনিংবা অপাম্বতনা সুপ্নগী মমল ওই। মমলদো মপোক কোটি অমদা তৌরক্লবা পুন্য খিবিক্লা ফংদে ॥

শুহে রামানন্দ অমৃতবু হেল্লিদা; লৈরমখিনি সিদগী হেনবা তাজগে;
নংঙোন্দা রাংপা লৈতে লৈরমখিনি।

প্রভু মনাইনা থংজবদি; কৃষ্ণ ফংননবা লম্বীশিংদগীদি;
মনাইবু মুংশিবনা অথোইবনি ॥

মবুংঙোনা মনাইবু মুংশিবনা তেল্লি হায়রসিগী শাস্ত্রি যামুনা চার্য্যগী স্তুতিদা হায়রি ঃ—

১০। প্রশান্ত নিঃশেষ মনোরথান্তরঃ
কদাহমৈকন্তিক নিত্য কিঙ্করঃ
প্রহর্ষয়িষ্যামি স নাথ জিবিতঃ ॥

১০। পুক্লিং ইংনা লিংবা থুংনা কবিগুম্বদস্থ ঐসে ইবুংঙো মাগী মনাইনি থন্দুনা পুক্লিং লোংদনা লিংবা। মবুংঙোগী নাম শোঞ্জবতনা মুংঙাইনা হিংদুনা লৈজে।

ভাগবত্তা ৯। ৫। ১১ শ্লোক্তা।

১১। যন্নাম শ্রুতিমাত্রেন পুমানভবতিনির্ম্মলঃ
তস্য তার্থ পদঃ কিংবা দাসানামবিশিনতে॥

১১। মহাক্কী নাম তাবতনা জীবনা অক্লবা। অতুগুম্বা তীর্থ পাদ শ্রীহবিগী মনাই ভক্তশিংগী॥ কবি লেমহৌবা লৈবগে পুম্নমক শুনা ফংলবনি।

বামানন্দ নহাকসে ; ওস্থোক্লা খংথ্রেদা :
অসিদগী হেনবা অমা খংহল্লগবা
ননাইদি খজদে প্রভু , লাইবিক্লা হায়বনিনে ,
মকুপ ওইনা চান্নবনা অথোইবনিনে ॥

শ্রীমদ্ভাগবত্তা ১০। ১২। ১০ শ্লোক্তা পরিক্ষিত্তা শ্রীশুকদেবনা হায়খি

১২। ইত্থং সতাং ব্রহ্ম সুখানুভূত্যা
দাস্যং গতানাং পরদৈবতেন
মায়াশ্রিতানাং নবদারকেন
সাদ্ধং বিজহ্রুঃ কৃতপুণ্য পুঞ্জাঃ॥

১২। অশুম তৌদুনা সংসিংগী ব্রহ্ম সাধনগী মুংঙাইবা শেংনা থংলং মনাই ভক্তশিংগী অথোইবা লাই ওইবা। মায়াদা লৈবিবশি মবিদা অঙাং মচা ওইবা কৃষ্ণগা। পুণ্য তৌরক্লবা গোং মচাশিংগা লোইনদুনা শান্নখি।

প্রভুনা হায় রামানন্দ ; ওস্থোক্রম্মু চুমথ্রেদা ;
অসিদগী হেল্লবা অমা খংলমগনিনে।
রামানন্দনা হঙ্গচ্চরি ; মাসিদগী অহেনবদি ;
মচা ওইনা মুংশিবনা অহেনবনিনে॥

শ্রীমদ্ভাগবত্তা ১০।৮।৩৬ শ্লোক্তা শ্রীশুকদেবদা পরিক্ষিৎনা হায়খি।

১৩। নন্দঃ কিমকরোদ ব্রহ্মন! শ্রেয়ত্রবমহোদয়ং।
যশোদাবা মহাভাগ্য পপৌ যস্যাঃস্তনং হরি॥

১৩। হে মহামুনি শুকদেব, নন্দ মহারাজনা অথোইবা ; মঙ্গল ওইবা করম্বা কর্ম্মবু তৌখিবা। মহাক্কী মায়োক থম্বালগী অমৃতবু পামজনা শ্রীহরিনা থকখিবী মচা ওইনা ফংজবী লাইবকফবী যশোদানা করি পুন্য তৌখিবা॥

ভাগবত্তা ১০।৯।.৬

১৪। নেমং বিরিঞ্চো নভবন শ্রীরপাঙ্গ সংশ্রয়া।
প্রসাদং লেভিরে গোপীযত্তৎ প্রাপ বিমুক্তিদাৎ॥

১৪। অসিগুম্বী যশোদানা মুক্তি পীনহৈবা শ্রীকৃষ্ণদগী ফংখিবা। অসিগুম্বা থৌজালবু ব্রহ্মানা, মহাদেবনা, শ্রীলক্ষ্মীনা ফংখিদে॥

চুমই রামানন্দ ; মাসিনা অথোইবনি ;
মাসিদগী অহেনবা খংলমগনি নহাকসে।
রামানন্দনা হঙ্গচ্চে ; মাসিদগী অহেনবদি ;
কান্ত প্রেম মধুর রসনা অথোইবনি॥

মসিমক শ্রীমদ্ভাগবত্তা ১০।৪৭।৫৩ শ্লোক্তা গোপীশিংদা উদ্ধবনা হায়খি :—

১৫ নায়ংশ্রিয়োহঙ্গ উনিতান্তরতেঃ প্রসাদঃ
স্বর্য্যোষিতাং নলিন গন্ধরুচাংকুতোহন্যাঃ।
রাসোৎসবেহস্য ভুজদণ্ড গৃহীত কণ্ঠ
লব্ধাশিষাং যউদগাদ ব্রজ সুন্দরীনা ॥

১৫ রাসগী জগোই কুম্মি হৌরকপদা পাম্বামনা থৌরিদা কোন-বীদুনা। থৌজাল ফংখ্রবী ফজরবী ব্রজ গোপীশিংগী লাইরলো ওন্থোকপনি থোইদোক্লা পামজববা বতিনা ত্তিম্লবী। শ্রীলক্ষ্মীগী মরিদা ওইদে; অমদি থম্বাল মনম নমলবী॥ লাইগী লাইরেম্বীশিংগী মরিদস্মু ওইদে; অতোপ্পা নুপীশিংনা অসিগুম্বা লাইবকফবর কদাইদগী ওইগনি॥

ছোট দশকুশ

রামানন্দনা শান্দাস্য, সখ্য বাললা মধুর,
রস মওামক রতিবু হঙ্গচৈ।
রাইনা প্রভুদা হঙ্গচৈ, খংডমদ্রবা ব্রজ রসবু,
প্রভুগী কৃপা ফংলদুনা।
রাইগী থাম্মোই লকাম্নুংদা॥
প্রেম ভক্তি অংথাইবা; মধুর রতিতনা ওইবা,
রাইনা মহাপ্রভুদা হঙ্গচৈ।
চিংনদনা হঙ্গচৈ; কৃপানা মরম ওইরদুনা,
প্রভুগী কৃপা ফংজবদা॥

ছোট চৌতাল

কৃষ্ণ ফংননবা লম্বী মখল মখা য়াম্না লৈ।

কৃষ্ণ ফংবা হায়বসি অথোই অহেন য়াম্না লৈ॥

পামজ-পামজবা অদুতনা অথোইবনি নিংই।

মুন্না খন্তরুরবদি অরাং অহেন য়াম্না লৈ॥

মসিগী শাক্সিদি ভক্তি রসমৃত শিন্ধুগী ২২ শ্লোক্তা হায়রি।

(১) যথোত্তরমসৌস্বাদ বিশেষোল্লাসমর্য্যাপি।

রতির্বাসনয়া স্বাদ্বি ভাসতেকাপি কস্যচিৎ॥

(১) মখা মখানা মগুণ হেন্না লৈবগুম।

চুদগী চুহিং চুহিংদগী চুহি চুহিদগী চিনি চিনিদগী চিনি অকেংবা।

শান্তদগী দাস্য দাস্যদগী সখ্য সখ্যদগী বাৎসল্য বাৎসল্যদগী মধুর॥

আকাশ, নুংশিং, মৈ, ঈশিংনা পৃথিবীদা তিলবগুম।

শান্ত, দাস্য সখ্য বাৎসল্য মধুর মতাশুবা মধুর রসদা তিল্লি॥

মধুর রসনা কৃষ্ণ ফংননবা লম্বী পুন্নমক্লগী অথোইবনি।

মসিগী শাক্সিদি ভাগবত্তা ১০।৮২।৩১ শ্লোক্তা গোপীশিংদা ভগবান কৃষ্ণনা হায়খি।

ময়ি ভক্তির্হি ভূতানামমৃতত্বায় কল্পতে।

দিষ্ট্যা যদাসীন্মৎ স্নেহোভবতীনাং মদাপনঃ॥

মতম পুন্নমক্তা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা হায়বিখি।

ঐবু লুনা নিংবা খুদিংমক ঐনসু মাবু লুনা নিংই॥

তাকপগী মতুং ইন্না নখোয়না ঐবু ফংবা নুংশিবা ওইগে।

ভাগবত্তা ১০।৩২।২১ শ্লোক্তা গোপীশিংদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়খি।

ন পারয়েঽহং নিরবদ্য সংযুজাং
স্ব সাধু কৃত্যং বিবুধায়ুষাপিবঃ।
যা মা ভজন দুর্জ্জরগেহ শৃঙ্খলাঃ
সংবৃশ্চ্য তদবঃপ্রতিযাতু সাধুনা॥

ব্রহ্মাগী পুন্সি চুপ্পা ফাওবদা সাধুশিংনা নিংবদা
যপ তপ ধ্যান তৌবনা ফংবা ঙমদ্রবদা॥
ইচা ইশু লোইনবী লোইনবা ককপা ঙমদ্রবা বিষয়গী প্রেম।
পুন্নমক থাদোক্কুনা কৃষ্ণ ঐবু নুংশিহুনা লাকপসিদা॥
পুন্নমক্তা কৃষ্ণ নুংশিবা কৃষ্ণ ঐবু ফংবা অসিতনা লমনশিংবা ওইবসম্ন

সুত চৌতাল

ফজবদগী ফজবা মীপুক হুবা শ্রীকৃষ্ণনি।
গোপীশিংগা শান্নবনা মাধুর্য্য রস অথোইবনি॥
প্রভুনা হায় রামানন্দ সাধনগী ঙমখৈ থেংলে।
মসিদগী হেন্না খংলমখিনি হায়বিযুগবা ঐঙোন্দা॥
ননাইনা হঙ্গচ্ছবি প্রভু সিদগী হেন্না হঙ্গগদবা মীদি।
ঙসি ফাওবা সংসাব অসিদা কনা অমত্তা উদ্রিনা ঐদি॥
মধুর রসগী মনুংদা শ্রীরাধাগী প্রেম্না অথোইবনি।
ইবেম্মগী মগুণবু লাইবিক পুন্নমক্না থাগৎনবি॥

মসিনক লঘুভাগমৃতদা ৪১ শ্লোক্তা ভাগবত্তা ১০।৩০।২৩ হায়রি

যথা বাধা প্রিয়াবিষ্ণোস্তস্যাঃ কুণ্ডংপ্রিয়ংতথা।
সর্ব্ব গোপীষু সৈবৈকা বিষ্ণোরত্যন্ত বল্লভা॥
অনয়া রাধিতো নুনং ভগবান হরিরীশ্বরঃ।
যন্নো বিহায় গোবিন্দঃ প্রীতোযামনয়দ্রহঃ॥

রাধাগী প্রেম্না অথোইবনি পুম্নমক্কা লাওনম্নি।
রাধা কুন্দদা শান্নবনা শ্রীকৃষ্ণগী অপেনবনি হায়রি॥

প্রভূনা হায় রামানন্দ গোপী কনা খংহন্দনা রাসদগী রাধা কৃষ্ণ লেংথোকখি হায়বসিদা পুম্নমক্তা হেল্লি হায়বসি য়ানিংদে। মরমদি গোপী ময়ামগী মমাংদা খংনা খংনা ইবেম্মগী প্রেমতনা হেন্দুনা ইবেম্মবু পুস্থনা লেংথোকখি হায়রবদি পুম্নমক্তগী হেল্লি খংনগনি। তাবগী পেনবা নাইদ্রবা অমৃতগী ঈচেলসিদা গোপী ময়াম কিত্নুনা ইবেম্মবু লোন্না পুখি হায়বসিনা পেঙ্গদ্রে চিংনরে॥

রামানন্দনা হঙ্গচৈ শ্রীমতী ইবেম্মগা প্রেমগা মান্নবা মরোল অহুমদা অমত্তা লৈতে। মরমদি গোপী কোটি চামগা লোইননা গোপী অমা কৃষ্ণ অমগা গোপীশিংগী নিংবা থুংনবা শান্নবদা ইবেম্মনা ময়ামগা এগা চপ মান্নরে হায়তুনা রাসদগী মপাল থোকখ্রবদা রাস মপুং ফাবা ঙমদ্রে; গোপীশিংগী জগোই খুথেক্কা কৃষ্ণগী পুক্লিং পেলবা ঙমদে।

শ্রীমতী রাধাগী জগোই খুথেক্তনা শ্রীকৃষ্ণগী পুক্লিং পেনহলবা ঙমই॥ শ্রীমতী রাধা উদ্রবদা বিলাপ তৌতুনা ইবেম্মবু থিরকই মসিনা শাক্সিনি॥

মসিমক শ্রীজয়দেব কবিনা হায়বি গীত গোবিন্দগী ২ শ্লোক্তা।

ঠুংঙরি

(১) ইতস্ততপ্তা মনুস্মৃত রাধিকা
মনঙ্গ বান ব্রন খিন্ন মানসঃ।

কৃতান্মতাপঃ স কালিন্দ নন্দনী
তটান্ত কুঞ্জে বিবস্বাদ মাধবঃ॥

উজ্জলনীলমনিদা শৃঙ্গার ভেদগী ৭২ শ্লোক্তা কপ্পা হায়বি।

(২) অহেরিব গতিঃ প্রেম্নঃ স্বভাবকুটিলাভবেৎ।
অতো হেতোরহেতোশ্চ যুনোর্মান উদঞ্চতি॥

(১) শ্রীমতী রাধিকাগী প্রেমগী তেন্না পান্দুনা রাববা ময়াং কংলবা চাকলবা পূক্লিংনা বন খুদিং কোইনা থিত্নুনা যমুনা মপালগী কুঞ্জদা অরাবা ওইখি মাধবনা।

(২) মাগীতা খঞ্জবা প্রেমদি লীন্না থেক্না চৎপগুম্বনি।
অশাউবা অমদি ওইনজবা খুদক খুদক্তা পোকই॥

প্রভুনা হায় রামানন্দ সাধ্য সাধনগী ওমখৈ য়োবে; পেঞ্জনগা। ওমখৈ লৈত্রে অতুবু অসিদগী তেন্না খংলমগনি নিংই।

শ্রীকৃষ্ণগী মশক রাধাগী মশক রসগা তত্ত্ব মশক প্রেমগা তত্ত্ব থবা তাহলবিয়ুগবা॥

যাত্রা রূপক

রামানন্দনা হঙ্গচে প্রভু ঐদি করি অমত্তা খংজদে।
নংনা হায়হনবিত্নুনা ঐনা চরন্দা হঙ্গচ্চননিনা॥
তেনরাবু মবোল তত্ত্বীবগা কৃষ্ণগী নাম শোনহলবগুম
খংগুমদ্রবা ঈশ্বর নংগী মরেনা ঐবু হায়হলবনিনা॥

প্রভুনা হায় মায়াবাদি করিম্ত্তা খংদবা লম্বোইবনিনা ।
নমহৎপিন্ন তাকপিয়ুনে ঐনা পামজবা থুংহন্নবিয়ুনা ॥
ব্রাহ্মণ লৈতে ক্ষত্রি লৈতে শুদ্র লৈতে সন্ন্যাসী যোগী লৈতে ।
অখংবা মী মহাক্তো পুন্নমক্কী গুরুনি মানা অথোইবনি ॥
মসিমক পদ্ম পুরান্না হায়রি ।

(১) মাহাকুলো প্রসুতোপি সর্ব্ব যজ্ঞেষুদীক্ষিতঃ ।
সহস্রশাখ্যাধ্যায়িচ নগুর স্যাদ বৈষ্ণবঃ ॥
বিপ্র ক্ষত্রিয় বৈশ্যাশ্চ গুরুবঃ শুদ্র জন্মানাং ।
শুদ্রাশ্চ গুরবস্তেসাংত্রয়ানাং ভগবত প্রিয়া ॥

১) অচৌবা শাগৈদা পোক্লবসু ফনা যজ্ঞ তৌদুনসু লাইরিক য়াম্না হৈদুনা মহাপণ্ডিত ওইদনসু শ্রীকৃষ্ণবু নুংশিদ্রবা ভক্তি লৈতবদা গুরু ওইরোই শ্রীকৃষ্ণদা ভক্তি লৈবা নাম শোনবা কৃষ্ণ নুংশিবা লাইরিক হৈরবা মা শুদ্র ওইরবসু মগোন্দা গুরু ওইগনি হায়রি পদ্ম পুরান্না ॥
রামানন্দ শ্রীকৃষ্ণ ভক্ত অথোইবনি নগোন্দা অরাংপা লৈতে ।
চানবিয়ু থুপপিগনু খংজনিংবা পুন্নমক খংহনবিয়ুনা ॥

এক তাল

প্রভু শাহন্নিংবা জগোই ঐনা শাজবনি ।
জগোই তম্বীবা নংনা সুত্র ধারিনি ॥
ঐনা বীণা যন্ত্রনি তাড়ুনা লৈবনি ।
পায়থতুনা বীণা খোংবিবা নহাক্নি ॥

নংগী লুরবা নগুণ কনানা খংবা ঙমগনি।
নংনা খংহলগে হায়বা থৌজান্তনা নংবু খংবনি॥

তাল অমা

শাহনবা জগোই ; ঐনা শাজবনি ;
জগোই তম্বীবদি ইবুংঙো নহাক্লি।
ঐনা বীণা যন্ত্রনি ; প্রভুনা বীণা পাইবনি ;
থোকহলনিংবা মরোন্দা খোংবিবনি ॥

নংগী লুববা নগুণ ; কনানা খংগনি ,
ময়াগী ঈপাক্তা লুপ্তুনা লৈবনি।
লালঙমদ্রবা জীব ; পুম্নবক লালবীবা ,
নংতনা ওইবীরিবনি ॥

নংনা খংহলগে হায়বা ; থৌজালবিবা মীতনা ,
নংবু লাইনা ফংজবনি ,
তাংলবা চরণ ফংজবনি।

খংহলগে নহাক্লি ; খংহল্লোই নতিক্লি ,
পুম্নমক খংবদি নথম্নি॥

তোল্লবা ননাইনি , থৌজাল হৈবা ইবুংঙোনি ,
মপোক খুদিং চরণ কাউদবা নিজরি।

মসিমক ব্রহ্ম সংহিতাদা হায়রি ৫। ১ শ্লোক্তা।

ছোট চারি তাল

ঈশ্বর পরম কৃষ্ণঃ সচ্চিদানন্দ বিগ্রহঃ।
অনাদি রাদি গোবিন্দঃ সর্ব্ব কারন কারনং ॥

ঈশ্বর পুম্নমক্তগী অথোইবা কৃষ্ণনি।
অরেপপা অথংবা নুংঙাইবগী মশক্তি ॥
অহানবস্থ্ মহাক্তি, অরোইবদস্থ্ মহাক্তি।
জীব পুম্বগী থোকফমনি জীব পুম্বগী চংজফম্নি ॥

বৃন্দাবন্দা চমদবা অনৌবা মদন্নি।
কাম গায়ত্রী কাম বীজনা মাবু নিংনবনি ॥

মসিমক ভাগবত্তা ১০।১৬।৩৬ শ্লোক্তা শ্রীকৃষ্ণদা কালিগী গুপীশিংনা —

(১) কস্যানুভাবোঽস্য ন দেবঃ বিদ্মহে
তবাঙঘ্রিরেনু স্পর্শাধিকারঃ।
যদ্বাঞ্জায়া শ্রীললনা চরত্তপো
বিহায় কামান স্থচিরং ধৃত ব্রতা ॥

ললীতা মাধবতা ৮।২৮ শ্লোক্তা শ্রীকৃষ্ণনা হায়রি।
অপরিকলিত পূর্ব্বঃ কশ্চমৎকারকারী
স্ফুরতি মমগরীয়ানেষ মাধুর্য্য পুরঃ।
অয়মহ মপিহন্তঃ প্রেক্ষ্যযংলুব্ধচেতাঃ
সরভস মুপভোক্তং কাময়ে রাধিকেব ॥

(১) কালিদমন মতমদা কালিগী রঙ্গঙ্কিশিংনা হায়খি।
হে কৃষ্ণ ঐখোয়গী ইবুংঙোসে কয়াদা লাইবককফগ্রবানা॥
নংগী চরণ ফংগে হায়না লক্ষ্মী পুম্নমক্না অপাম্বা পুম্নমক
থাদোক্নুনা মতম কুইনা তপ তৌবদা ফংবা ঙমদ্রবা চরণবু
ইরাই লাইনা ফংজরে হায়খি।

(২) অমদি শ্রীকৃষ্ণ মশামক্কী মমিবু মণিগী ফক্লাংদা উরুবদা
শ্রীমতী রাধিকানা তৌবগুম প্রেম্না ঙাউত্নুনা চেংনা 'কাল্লি
হায়রিবা ব্রজরাজনন্দন ব্রজনিংথৌ মচা শ্রীকৃষ্ণনি।

রামানন্দনা হঙ্গচ্চে প্রভু শ্রীকৃষ্ণ স্বরূপ তাবাবে।
হৌজিক শ্রীরাধা ঠাকুরাণীগী স্বরূপতত্ত্ব হঙ্গচ্চগে॥
শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপ শক্তি শ্রীরাধা ঠাকুরাণীনিনে।

মসিমক বিষ্ণু পুরান্দা ৬।৭।৬১ শ্লোক্তা হায়বি।

বিষ্ণু শক্তিঃ পরা প্রোক্তা ক্ষেত্রজ্ঞাখ্যাতথাপরা।
অবিদ্যা কর্ম্মসংজ্ঞান্যা তৃতীয়া শক্তিরিষ্যতে॥

বিষ্ণু শক্তিনা পুম্নমক্তগী অথোইবনি হায়রি।
চিৎ শক্তি জীব শক্তি মায়া শক্তি অহুমনি॥
পুম্নমক থংবা; জীব পুথোকপা শেম্বা য়োকপা;
থংহন্দবা অমদি থংহনবা।
হলাদিনী, সন্ধিনী. সম্বিৎ
হরাওহল্লি, অমত্তা ওইহল্লি, নিংশিংহল্লি।
শক্তি অহুম অসিনা জগৎ পুরিবনি।

ছোট চারী তাল

শ্রীকৃষ্ণগী অহ্লাদ শক্তি ; হরাওহলবা ওন্মি হায়না ;
ইবেম্মবু অহ্লাদিনী কৌরি ; বৈষ্ণবশিংনা।
মহাভাবকী মশক ওইবী ; কৃষ্ণ প্রেমগী শকলোন লৌবী ;
গোপীশিংগী কোক্কী লৈতেংন ; বৃন্দাবন্দা ॥
মহাভাব চিন্তামণি ; শ্রীরাধা ঠাকুরাণী ;
ললিতানচিংবী মাগী শকলোন্নি ; সখি নিপান।
শ্রীকৃষ্ণবু নিংজরবী ; কৃষ্ণ প্রেমতনা শারবী ;
কৃষ্ণ প্রেম্মীশিংগী অথোইবিনী ; জগত্তা শোন্নরি ॥

ব্যাখ্যা :—ব্রজ সুকুমারিশিংগী নোংমদা স্নান অহুমসক তৌই।

শ্রীমতী ইবেম্মগী স্নানদি

কারুন্যামৃত :—থৌজাল হৈবনা অহানবা স্নান্নি।
তারুন্যামৃত :— ইনৌ নৌবতনা অনিশুবা স্নান্নি ॥
লাবন্যামৃত :- মপুংফাবা ফজবনা অহুমশুবা স্নান্নি।
ইকাই খুম্নজবনা অশংবা শাড়ি ফিজেৎনি ॥
শ্রীকৃষ্ণবু নিংজবনা অঙাংবা মন্নুংগী ফিজেৎনি।
হাইজবা ওইনজবনা মায়োক্কী থাখুম ফিজেৎনি ॥
ফজবা সখি প্রনয়না লাইবক্কী চন্দন ওইনা থিল্লি।
মিনোক মুংশিবনা কর্পূর ওইতুনা হকচাং পুম্নমক্তা চাইরি ॥
কৃষ্ণ মুংশিবা প্রেম্না কস্তুরি চন্দন ওইনা হকচাং পুম্বা তৈরি।
ধীরা ধীরাত্মক গুন্না লংলবা কব্রং মুগা ফি ওইনা লৈতেং ওইবি।

অন্নুরাগনা পানা চাবগী চিনবানগী অঙাংবা লৈতেংনি।
প্রেমদা ওইনজবনা মিংকী কাজ্জল লৈতেং ওইরি॥
কিলকিঞ্চিনচিংবা ভাব কুন্না হকচাংগী ফিজেং লৈতেংনি।
নির্ব্বেদ বিষাদনচিংবা ব্যভ্যচারি কুন্থ্রাহুমদোইনা অরাংপা ফিজোন্নি।
গুণ পরেংনা লৈপরেং ওইডুনা ঙকশমদা ফজনা শিরি॥
লাইবক ফবা হায়বডুনা লাইবক্তা চন্দন ওইনা ঙাল্লি।
প্রেম বৈচিতনা লিকথাং ওইনা মায়োক্তা ঙাম্থোইরি॥
মপুং ফানা ফজবনা সথিগী পাম্বৈ ওইনা লৈরি।
কৃষ্ণ লীলা পুন্নমক নিংশিংবনা মতাওইনা নাক-য়েত্তা লৈরি॥
মশাগী ফজবা মুংশিবগী য়ুমদা চাওথোকচবগী শর্য্যাদা।
ফজনা ফমডুনা মতম পুন্নমক্তা কৃষ্ণ ফংজববু নিংজডুনা লৈরি॥
শ্রীকৃষ্ণগী নাম গুণ তাজবনা নাকোংগী লৈতেং ওইরি।
শ্রীকৃষ্ণগী নাম গুণ শোঞ্জবনা লৈয়েংগী লৈতেং ওইরি॥
অম্সুম্না মতম পুন্নমক্তা শ্রীকৃষ্ণগী পেনবিনবত খল্লি।
খঞ্জডুনা ইবুংঙোগী পুক্লিং পেনহলবা শ্রীমতী রাধিকানি॥

মসিমক শ্রীগোবিন্দ লীলামৃত্তদা ১১ সর্গে ১২২ শ্লোক্তা হায়রি।

কাকৃষ্ণস্থপ্রনয়জনিভুঃ শ্রীমতী রাধিকৈকা।
কাস্য প্রেয়স্য নুপমাগুনা রাধিকৈকা নচান্য॥
জৈম্ম্যাং কেশেদৃশিতরলতা নিষ্ঠুরত্বং কুচেহস্যাঃ।
বাঞ্ছাপুর্ত্তৌ প্রভবতিহরেঃ রাধিকৈকা নচান্যা॥

গুণ পুন্নমক্না তিল্লবী ইবেম্মা নত্তনা শ্রীকৃষ্ণগী পুক্লিং পেনহলবা ঙমদে। সত্যভামা ব্রজ গোপী লক্ষ্মী পার্ব্বতি অরন্ধতীনা কলক্করিবনি।

প্রভুনা হায় রামানন্দ রাধা কৃষ্ণগী তত্ব তাজরে খংজরে।
শ্রীরাধা কৃষ্ণ অনিগী প্রেম বিলাস খরা তাহলবিয়ুনে॥

রাম'নন্দনা হঙ্গচ্চরি প্রভু মাসিগী মখাদি হায়বা ঙম্বা শক্তি লৈজদে। অদুমকপু ঐনা খংজবা খরা হঙ্গচ্চগে মাসিনা পুক্কিং পেনবীগদ্রা খ'জদ্রে। অস্তুম্না মশানা শেমজবা প্রেমগী ঈশৈ রামানন্দ মশানা শক্লক্লে। ঈশৈ হেক তাবদা শ্রীহস্তুনা মনাইগী মচিন মেন্দুনা খাম'লে ওকলে তাবা ঙমদ্রে মখা অমুক তারন্থু রামানন্দ॥

এক তাল

ইহান হানবা প্রেমগী ময়োন হুনখি মিংয়েং চানরুবনা।
নিতি থুদি চাউখংলকপনা উথিদরে ঙমখৈ লোমনা॥
নি'উদে মাবু নিপা ওইনা খন্দে মানস্থু নুপীনি হায়না।
ঐখোয়নিগী নি'নবতনা ওইহলখি অমত্তা ওইনা॥
হে ইতা পুন্নমকসে নুংশিবা হায়বা প্রেমগী ৱারীনিনা।
কান্নুগী মফমদা তম্বীকচো পুন্নমকসে কাউখ্রমাল্লে হায়না॥
থিরুখিদে তে'বা'নবা হায়খিদে অতোপ্পা কনা।
ঐখোয়নিগী উনবদি ওইহল্লি ময়াইদা কাম লৈবনা॥
হৌজিক্কি কাউথোকপিগ্রে খংবিখিদ্রে খংবিয়ুদুতি ন'না।
নিপালক্কগী অথোইবা অহেলবগী মচংনি মাসি খংবিয়ু নংনা॥
অথোইবা নিপাগী হৌনশানি মীনুংশি খংদবা মহৌশানা।
মনাইগী ঈশৈ অসি হেক তাবদা প্রেম্না থক থক নিক্লা॥
প্রভুগী খুং থম্বালনা খাম্লে রামানন্দ মনাইগী মচিন মেন্দুনা।
মখা অমুক তারন্থু তাবদা ৱারে খাংবা ঙমদ্রেনা॥
অস্তুম্না প্রেমগী ঙমখৈ য়োরবা ঈশৈদো খাম্লে প্রভুনা॥

লোফা

কদোইদা উজগবা বৃন্দাবন ইমিংসিনা;
চংনরম্বা কুঞ্জগী লম্বী বস ময়ী রাধানা।
উবা ফংগবা, কবিন্নুংদা, ঐগী ইমিংসিনা;
কুঞ্জগী লম্বী চংনবম্বা শ্রীরাধা শ্যাম্না॥

মাসিগী প্রমাণ উজ্জ্বলনীমণিদা স্থায়ি ভাব হায়বদা ১১০ শ্লোক্তা।

১। রাধায়া ভবতশ্চ চিত্তজতুনী স্বেদৈ র্বিলাপ্য
ক্রমাদ যুঞ্জন্নদ্রি নিকুঞ্জ কুঞ্জরপতে নির্ধুত ভেদভ্রমং।
চিত্রায় স্বয়মন্বরঞ্জযদিহব্রহ্মাণ্ড হর্ম্মোদরে।
ভূয়োভির্নববাগহিঙ্গুল ভরৈঃ শৃঙ্গার কারুঃকৃতী॥

শ্রীবৃন্দা দেবীনা শ্রীকৃষ্ণ যেংতুনা হায়খি :—

১। হে গোবর্দ্ধন চীংগী তময়াদা লৈবা কুঞ্জদা শান্নবদা হৈশিংবা হে কৃষ্ণ! শৃঙ্গার মধুর রসগী শান্নবদা হৈশিংবা সাটিক ভাবর শৈদোকবকপা অশাবা হুমাংনা শ্রীরাধিকাগী লঙ্কাগী মশক ওইবা পুক্নিংবু মহি চেলহন্দুনা অমত্তা ওইখ্রে ব্রহ্মাণ্ডগী মশক ওইবা যুমগী মন্নুংদা য়েক-খোংপা তৌনবগী নন হিংডোনগী মশক ওইদুনা মচু শংখ্রে॥

প্রভুনা হায় রামানন্দ ঐনা খংনিংবা খংগে তাল্লিবা অংকপ্পা পোংশক্তো মাসিনক ওইরেনে। মাসিদা লুরিবদি ফংগে তান্নবা লম্বী খংদ্রবদি ফংবা চমজোই ফংনবা লম্বীদো তাক পিযুনে।

এক তাল

রামানন্দনা হায়জে প্রভুনা হায়হলবা অতুদা হায়জবনি।
মাসিগী অফবা ফত্তবা ঐদি করিমত্তা খংজদবনি॥
মরোল অহুমগী মনুংদা মাসিবু কনানা খংবা ঙমগনি।
খংজরে ইবুংঙো তৌবা ঙম্বা জগৎকী মপু নংগী মরৈনি॥
ঐবু পুন্নমক হায়দোকহল্লগা পেন্না প্রভুনা তাবীবনি।
শ্রীরাধা কৃষ্ণগী লীলাদি পুন্নমক্তগী য়ান্না থুপ্পা লীলানি॥
মনাই ওইবা মরুপ ওইবা মচা ওইবগী প্রেম্না ঙমথৈ খংদবনি।
শ্রীরাধা কৃষ্ণ অনিগী লীলাদি সখিশিংদনা খংবনি॥
সখিশিংনা মনিং তৌনা লীলা শান্নহল্লগা সখিশিংনা পেঙ্গবনি।
সখিশিংদা চংজবা সখিনা য়াবিনবদা হায়জগদৌবনি॥
সখিনা য়াদ্রবা মঞ্জুরীনা চালবিদ্রবদি অনিগী কুঞ্জ সেবা ফংদবনি।
বাগন্নগা ভক্তিনা সিক্কা মঞ্জুরী ফংনবা চংজগদবনি॥
সখিশিংনা য়াবিরবা ইবেম্মনা চালবিরবতদা কুঞ্জ সেবা ফংগনি।

স্থুট চৌতাল

শ্রীমতী রাধিকাগী মশক্তি শ্রীকৃষ্ণ প্রেমগী উবিনি।
সখিশিংনা উবিগী ময়োন মপাল অনৌবা মনানি॥
শ্রীকৃষ্ণ লীলা অমৃতনা উবিগী পাম্বীদা চাইবদা ইংবনি।
পাম্বীনা ইংবা নুংঙাইবদগী মনা মপান্না ইংজবা কোটি হেল্লি॥
ব্রজ গোপীশিংদি মশাগী ওইজবা অপাম্বা অপেনবা খঙ্গদবনি।
অনিগী নুংঙাইবা পেন্নবা উয়গা মথোয়গী পেঞ্জবা কোটিনি॥

গোপীশিংগী শেংলবা প্রেমবু উরগা চান্নবী হৈবী ইবেম্মনি।
ইবেম্মগী থৌশিন্না মরম ওইতুনা গোপীশিংস্তু কৃষ্ণগী সেবা ফংহল্লি॥
ইবেম্মনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা ফংবগুম গোপীশিংস্তু কৃষ্ণ সেবা ফংহল্লি॥
মাসিগী শাক্ষি :—ভক্তিরসামৃত সিন্ধুদা ১৪৩ শ্লোক্তা হায়বি।

প্রেমৈব গোপরামানাং কাম ইত্যগমৎ প্রথাং।
ইত্যুদ্ধবাদয়োহপ্যেতং বাঞ্ছন্তিভগবৎ প্রিয়াঃ॥

শ্রীভাগবত্তা ১০।৩১।১৯ শ্লোক্তা হায়রি।

১। যত্তে সুজাত চবনাম্বুরুহং স্তনেষু
ভীতাঃ শনৈঃ প্রিয়ঃদধীমহি কর্কশেষু।
তেনাটবীমটসিতদ্ব্যথতে নকিং স্বিৎ
কুর্পাদিভি ভ্রমতি ধীর্ভবদায়ুষাংনঃ॥

১। ব্রজগোপীশিংনা শ্রীকৃষ্ণদা হঙ্গচখি হে কৃষ্ণ নংগী থোংলবা লৈগুম্বা নখোং থম্বালহুনা মুংজেং চেগাই তিংখংনা থল্লবা বৃন্দাবনগী বন্দা চংপত্তুবু নাদব্রা, নংতনা পুন্সিগী লন ওইজববা ঐখোয়দি য়াম্না ঙকচবে, ঐখোয়গী মায়োক থম্বালদা নংগী চবণ থমজববু নাগনি খঞ্জহুনা তপ্পা তপ্পা হাপচরিবনি॥

আড়া

গোপী ভাব লৌহুনা রাগানুগা ভক্তিনা শ্রীকৃষ্ণবু নিংগনি।
গোপী মশক ওইরগা সিদ্ধ মঞ্জুরী ফংলগা কৃষ্ণ সেবা ফংগনি।
লাইনেম্বী কয়ানা লক্ষ্মী কয়ানা ব্রজরাজনন্দনবু ফংবা ঙমদবনি।

স্মৃতি শ্রুতিশিংনা গোপীদা চংজহুনা ব্রজরাজনন্দবু ফংবনি ॥
গোপীদা চংজহুনা গোপী ওইজরগা শ্রীরাধা কৃষ্ণগী রাস লীলা জগোই
য়াওজবনি।

মাসিমক শ্রীমদ্ভাগবতা হায়রি ১০।৯।১৬ শ্লোক্তা।

১। নায়ং সুখাপো ভগবানদেহিনাং গোপীকাসুত।
জ্ঞানিনাঞ্চাত্ম ভূতানাং যথা ভক্তি মতামিহ ॥
ভাগবত্তেং — ১০।৪৭।৫৩ শ্লোক্তা হায়রি।

ঝপ তাল

২। নায়ং শ্রিয়োঙ্গ উনি তান্তবতেঃ প্রসাদঃ
স্বর্যোষিতাং নলিন গন্ধ রুচাংকুতোঽন্যাং।
বাস্যোৎসবেঽস্য ভুজদণ্ড গৃহীতকণ্ঠ:
লব্ধাশিনাং যউদগাদ ব্রজসুন্দ বিনাং ॥

১। ভক্তিতনা ফংবা ভক্তগী কৃষ্ণ ফংবা নুংঙাইবা অসিবু লৌশিংনা ব্রহ্ম সাধন্না আত্মাসাধন্না ব্রজ নিংথৌ মচা কৃষ্ণবু অমদি যশোদাগী থব্রাই ওইববু ফংবা ঙমদে।

২। বাসগী জগোই হেক হৌগংলকপদা ব্রজ গোপী পুন্নমক মাগী মাগী লেংবান্দা মনম নুংশিরবা থোৎলবা ফজবা শ্রীকৃষ্ণগী পাম্বোম্না চান্না প্রেম্মালিঙ্গল পীবি নুংশিনা কোল্লি।

অসিগুম্বা থোজাল অসি শ্রীবিষ্ণুগী মায়োক্তা শান্নহুনা লৈবা শ্রীলক্ষ্মী দেবীনসু ফংখিদে। অতুগা লাইগী লাইরেম্বী থম্বাল মনম নমলবীশিংনসু ফংখিদে॥ অতোপ্পা কনানা ফংগনি ফংবা ঙমলোই!

চারি তাল

মনাইগী রা তাবদা ; প্রভুনা রামানন্দবু ;
প্রেমগা লোইননা কোল্লি।
মহৌশাগী ওইবা প্রেম্না ; ঙাউহুনা কোম্নহুনা ;
হীক্লা হীক্লা কপলি ॥
অহিং চুপ্পা নিংশিংবা ; থোক্তুনা কপমিন্নহুনা ;
লৈমাই থক্তা ওললি।
নোং ঙাল্লবদা ; জ্ঞান তারক্তুনা ;
নুংশিবা রাহৈনা পাওমেল্লি ॥
নুমিং তরানি লৈবীহুনা ; ঐগী পুক্নিংগী অমোংপা ;
শেংদোকপিয়ু হঙ্গংলি।
লালওমদ্রবা জীব নুংশিবীবা ; জীব লালবীনবা ;
জগত্তা অতৈ লৈতরি ॥
প্রভুনা হায় নংবুদি ; মপোক অসিদদি ;
ঐনা থাদোকপা সুওম ওমলোইদোরি।
নীলাচন্দা ঐখোয় অনি ; পুন্না লৈমিন্নহুনা ;
শ্রীকৃষ্ণ নিংমিন্নগদবনি ॥
অসুম্না নুংশি নুংশিনা ; বিদায় লৌনহুনা ;
মপু মনাই চংনখি ॥

ব্যাখা ঃ— সন্ধ্যাদা অমুক লাক্তুনা প্রভুগী চরন্দা খুরুমই।
প্রভুনা খংনিংবা তানিংবা কয়া অপুম্বা হঙ্গচ্চখি।
তাসুম্না অহিং কয়া কয়া রারী শান্নহুনা লেনখি ॥

দুই তাল

প্রভুনা হায় (বিদ্যা) মহৈ পুন্নমক্তগী অথোইবা মহৈ করিনো।
রামানন্দনা প্রভু মহৈ পুন্নমক্তগী ভক্তিনা অথোইবনি ॥
মিং চৎপা পুন্নমক্তগী অথোইবা মিংচৎ করিনো ।
শ্রীকৃষ্ণ নুংশিবা কৃষ্ণগী মনাইনি হায়বনা মিংচৎ অথোইবনি ॥
লন লৈবা ইনাক খুনবা পুন্নমক্তগী লন লৈবদি করিনো।
শ্রীরাধা কৃষ্ণবু নুংশিরবা মীদো ; পুন্নমক্তগী ইনাক খুনবা লন লৈবনি
রামানন্দ রাবদগী রাবা অরাবা কবিনা অথোইবনি
শ্রীকৃষ্ণগী ভক্ত মনাইগা কায়নবনা অরাবা পুন্নমক্তগী অথোইবনি ॥
মক্তি পুন্নমক্তগী জীবগী মুক্তি অথোইবা করিনো হায়রু।
শ্রীকৃষ্ণবু নুংশিবা ভক্তদো মুক্তিশিংদগী অথোইবনি ॥
ঈশৈ পুন্নমক্তগী অথোইবা নুংশিবা ঈশৈ করিনো।
শ্রীরাধা কৃষ্ণগী লীলা প্রেম গুণ শকপনা অথোইবা ঈশৈনি ॥
মঙ্গল পুন্নমক্তগী জীবগী মঙ্গল অথোইবা করিনো।
শ্রীকৃষ্ণ ভক্ত তিন্নজবনা মঙ্গল পুন্নমক্তগী অথোইবনি ॥
জীবনা নিংশিংগদবা পুন্নমক্তগী অথোইবা করিনো।
শ্রীকৃষ্ণগী নাম গুণ লীলা নিংশিংবনা পুন্নমক্তগী অথোইবনি ॥
ধ্যান তৌজনা নিংবা পুন্নমক্তগী অথোইবা করি নিংগনি।
রাধা কৃষ্ণগী চরণ ফংগে নিংবনা লাইনিং পুন্নমক্তগী অথোইবনি ।
পুন্নমক থাদোক্লগা জীবগী লৈফম অথোইবা কদাইদনো।
ব্রজ ভুমিগী রাস মণ্ডলদা লৈজবনা পুন্নমক্তগা অথোইবনি ॥

তাবদা নাকোংগী কান্নবা অথোইবনা করিনো।
শ্রীরাধা কৃষ্ণগী প্রেম লীলা গুণ তাজবনা নাকোংগী অইংবনি ॥
উপসনা পুন্নমক্তগী অথোইবা উপসনা করিনো।
শ্রীরাধা কৃষ্ণগী নাম শোনবতনা উপসনা পুন্নমক্তগী অথোইবনি ॥

এক তাল বা লোকা মধ্যাকম্ব

মুক্তি পাম্বা ভক্তি পাম্বা অনির্গী মচৎ করিনো।
চৎপা ওমদবা মপোক : চৎপা ওম্বা মপোক লাইগী মপোক্কি ॥
মহাও খংদবা ক ক্লা নিম্বগী অখাবা মপাল লৈহি থকই।
মহাও খ বা কোকিলনা হৈনৌগী অথুম্বা লৈহি থকই ॥
লাইবক থীবা জ্ঞানিশিংনা অকংবা জ্ঞান্দা ওাউরি।
লাইবক ফবাশিংনা কৃষ্ণ প্রেম অমৃতব্ পামজনা থকলি ॥
অম্বুম্না অহি চুপ্পা ঈশৈ শক্তুনা জগোই শাহুনা লেপ্লি।

ব্যাখ্যা :—প্রভুগী চরণ কোঞ্জত্নুনা রামানন্দনা হঙ্গচে। শ্রীনারান্না ব্রহ্মাদা বেদ তন্ত্রীরংম শ্রীকৃষ্ণ প্রেম তত্ত্ব, শ্রীরাধাগী প্রেম তত্ত্ব লীলা তত্ত্ব পুন্নমক হায়হল্লগা ইবুংওোনা তারীরি।

তেউৎ

১ হা গৌরাঙ্গ থৌজাল হৈবা তাকপিরোনে লোৎলম্নু।
২। অহানবদা উরম্মি এনা সন্ন্যাসীগী মশক ওইনা।
৩। হৌজিক্কা উরে শেংনা ফোংদবা কৃষ্ণ রূপাতো ॥
১। করিগী লোৎপীরিবা ; থৌজাল হৈবা হা গৌরাঙ্গ ॥
৩। মন্নুংদা ওইবা কৃষ্ণ রূপাতো ; সনা কুচুনা থক্তা থোংবা।

ছোট দশকুশ

নমাংমক্তা উরি ঐনা মক্রুবা সনাগী মুর্ত্তিবু ;
মাগী মঙান্থনা কুপশিল্লি শংবান্নবা মুর্ত্তিবু ।
মাতুমক্লা লোৎপদি ঙমদ্রে তশেংনমক উরি ঐনা ;
নৌরবা চিনবানথোংদা বংসা খোংবত্থুদা ॥
নৌরবা শাথেক অহুম্না ওইবা ; মক্রুবা রাহোং চুরা থোনবা
লৈপরেং ঙক্তা থোনবা ; থাজ কোটি ঙমজবা ॥
জীব পুম্বগী পুক্নিংবু শুমহৎলবা শক্রম ।
উকুরগা মতৌ অসি থোইনা ঙকলে ননাইদি ॥
মীনমদনা তাকপিযু অসিগী মরমদা ।
হৈনদবা মচংনি ; চংজরকপদা মীনম্বদি ॥
চবন্দা চংজরবা তোল্লবা ননাই ঐনি ।

এক তাল

প্রভুনা হায় শ্রীকৃষ্ণ প্রেমদা থোইনা চেৎলবা নহাক্নি ।
কৃষ্ণ প্রেম লৈবশিংগী মহৌশাগী স্বভাবনি ।
অথোইবা ভক্তশিংনা উই ঈশিং কংফাল অনিমক্তা ।
য়েংউ য়েংউ খুদিংদা কৃষ্ণগী মুর্ত্তিদা মউবা ॥
ঈশিংদস্থ কংফান্দস্থ নিংজবা মবুংঙাবু উজবা ।
কৃষ্ণ প্রেমদা লুপলবা অথোইবা ভক্তশিংগী হৌনজবা ॥
শ্রীরাধা কৃষ্ণদা নংগী চেৎলবা প্রেম থম্বনা ।
উরু উরু খুদিংদা রাধা শ্যামদা উবনি নংনা ॥

মসিগী শাক্ষি শ্রীমদ্ভাগবত্তা ১১। ২। ৪৩ শ্লোক্তা।

১। সর্ব্ব ভুতেষু যঃ পশ্যেৎ ভগবদ্ভাবমাত্মনঃ।
ভুতানি ভগবত্যাত্মন্যেষ ভাগবতোত্তম ॥

১। হবিযোগি রাজনা নিমি নিংথৌদা হায়খি। হে মহাবাজ মী মীতুনা মানা নিংজবা মবুংঙোবু থাজবা মুংশিজবনা পুক্নিং লেপ্লবা মীতুনা পোৎ পুম্নমক্তা মবুংঙোগী মশক ওইনা উজে। অমদি ব্রজগোপীশিংনা হায়খি, উ-ব্বা উরি-উপাল পুম্নমক। শ্রীকৃষ্ণগী বাঁশি খোঞ্জেল তাবদা অমৃত শিন্থৈ মবুংঙো শ্রীকৃষ্ণ উজরে হায়না ॥

কাফি - ক্ষাক তাল

রাইনা হায়জৈ থাদোকপিরো;
প্রভু নংগী হৈশিংবা পুম্বা।
ননাইগী ইমাং মকসিদা প্রভু নংগী;
তশেংবা শক্তম করিগী লোৎপীরিবা॥
রাধাগী রাখল বাধাগী মণ্ডাল লৌবিতুনা;
নংগী থুপ্লবা রস পুম্বা চুপলিবনিনা।
মরোল অহুমদা প্রেমগী মহাও থংহল্লিবনি।
তোল্লবা ননাইবু লালবীগে হায়না লাকপনি॥
হৌজিক ফাওবা করিগী লোৎপীরিবনো;
চংজবদা লোৎপীবদি হৌনদবা মচৎনি॥

এক তাল

মদন মুহন গোপীনাথ রাধাগী থল্লাই মপু ওইবা।
নৌরবা সন্ন্যাসী ফিজোন্না কুপলহুনা লোৎলিবা॥
অমুবা কুচু লোৎলিবদো ফোংহুনা মনাইদা উইলবিরো।
কোটি কাম্বু শুমহৎপা রুপ পামজবা পুক্কিংনা মুংশিজবা॥
ফুইনা নোংহৌ কুচু হেনবা থম্মোই ঐনা পামজরুবা।
চুরা বাঁশিনা লৈতেংলিবা খোই খোইবা মিচিনা তথক্লিবা॥
শাথেক অত্তম থেকলিবা খুত্তা মুরুলী পাইরিবা॥

এক তাল

হা গোবিন্দ থল্লাই মপু থল্লাই ঐগী চান্নবা।
ফীগে সনা থোল্লিবা ল্লাহোং চুরানা লৈতেংলিবা॥
শ্রীযমুনা মপান্দা রাস লীলা শান্নরিবা।
গোপী কয়ানা থৌগল্লিবা গোপী মশিং লাকওমদবা॥
রামানন্দ ননাইনি খংজদে করিস্থু লীলা নংগী।
নংতনা ওইবীরিবা তশেংবা মপু জগৎশিগী॥

বিহাগ এক তাল

মোমোন নোক্রা প্রভুনা; উইল্লে মনাইদা তশেংনা;
রাধা শ্যাম্না অমত্তা ওইবা রুপতো।
প্রেম্না খুত্নুম চনখ্রে; মনাইদা দর্শন পীবিরে;
রসরাজ মহাভাব অনিগী শত্তম॥
লোৎলখ্রা মাগী অরোনবা; নৌরবা শক্তম ফজবা;
ফোংহুনা মনাইদা উইলবীরে।

উজবদা রামানন্দ ; রান্থখরে পেঙ্গবদা ;
থম্মোই পুঙমদনা লৈমাইথক্তা ॥
উবদা প্রভুনা চেনশিন্দুনা ; মনাইম্বু চেৎনা কোনবীরে ;
প্রেমগা লোইননা মুংশিনা ॥

ব্যাখা :—প্রভুনা শ্রীহস্থগী খুৎ থম্বালনা নালবীরগা জ্ঞান তাহন্দুনা হায়রকই। মবুংঙোগী সন্ন্যাসী শক্তম উবদা ঙকখরে।

দুই তাল

ঐগী লীলা রস তত্ব নংগী নফমদা ফোংলে।
অরোনবা ঐগী ইশকসে নঙোন্দা উহল্লে।
ঐগী কুচু অঙোবা নত্তে রাধাগী হকচাং শোকলুবননি।
নন্দগী মচা নত্তনা মাবু অতৈনা শোকপা ঙমদবনি॥
মাগী রাখন্দা খন্দুনা শায়োন লৌহুনা লাকলিবনি।
শ্রীকৃষ্ণগী রস তত্ব মাধুর্য্য রসতবু ঐনা চুপলিবনি॥
নংগী প্রেমগী পাঙ্গম্মা ঐগী অরোনবা পুম্বা নংনা খংলিবনি।

ঠুংঙরি

ঐগী অরোনবসে কনা অমত্তা তাকথোক্কনু।
উরগা মীনা নোকনগনি ঐনা অঙাওববু॥
ঐসে অঙাওবা অমনি নংসে অঙাওবা অনিশুবনি।
নংগা ঐগা ঐখোয় অনি অঙাওবা চপ মান্নরবনি।
অস্নম্মা মপু মনাই মুমিৎ তরানি চুপ্পা লৈমিন্নে।

লাইনিং লম্বী ওমখৈ থেংনা রারী-রাভাই শামিন্নৈ ॥
কোরি, শেঞ্জেং, লুপা, সনা, রতন, চিন্তামণি।
খাওজাওদগী মথং মথং লৌখৎলকপদা ॥
মথং মথং লৌখৎলকপদা চিন্তামণি লৌখৎলকপগুম।
মপু মনাই অনিদো প্রেমগী ঈপাক্তা তাওখরে ॥

লোফা

প্রভুনা হায় রামানন্দ বিষয় থাদোক্তুনা চৎলো নীল্লাচন্দা।
তীর্থদগী ঐস্থু থুনা লাক্লগা পুন্না লৈমিন্নসি মফমত্তুদা ॥
অসি হায়না প্রভুনা মনাইদা নুংশিনা বিদায় পীবিরে।
মবুংঙো কাইনবগী অব্রা ঈপাক্তা লুপ্পা বিদায় লৌজরে ॥
মহৌশানা চৈতন্যগী লীলাদি কুংনা ঙৌরবা শঙ্গোমগুম্বনি।
মনাই বামানন্দগী প্রেম্মা থুমলবা চিনি অকেংবনি ॥
শ্রীরাধা কৃষ্ণগী লীলানা করপুর ওইনা মনম নুংশিবনি।
মাসিবু অমুক্তং নাকোংনা তাজবা ফংজরবদি ॥
নাকোংসিনা মতম পুম্নমক্তা তানিংতুনতা লৈগদবনি।
অব্রা মুংঙাই কল্লক মাহৌ পুম্নমক লোইনা কোক্কদবনি ॥

তুই তাল

শ্রী নিত্যানন্দবু নিংলবদি শ্রীগৌরাঙ্গবু ফংজবনি।
শ্রীগৌরাঙ্গবু নিংলবদি গোপী মশকপু ফংজবনি ॥
গোপী মশকপু ফংজরবদি শ্রীরাধা কৃষ্ণগী চরণ ফংজবনি।
শ্রীরূপা হৌবা রঘুনাথ গোষাঞিনা লোইবা ॥

শ্রীগুরুদেব তরুক্কী চরন্দা খুরুমজত্না।
তোল্লবা কৃষ্ণদাসনা চৈতন্যগী লীলাবু শকচৈ ॥

প্রার্থনা

শ্রীরাধা মাধব অনিগী চরণ পীনবিয়ু।
অরোইবা মতমদা চরণ নাক্তা থম্বীয়ু॥
থৌজালহৈবা থৌজালহৈবী শ্রীরাধা মাধব।
ননাইবু থৌজালবীদ্রবদি থৌজালহৈবা থৌজালহৈবী।
নিংলেন্দো সংসার অসিদা অরেম্বা ওইরনি।
নরোত্তম দাসনা হায়জে শ্রীরাধা মাধবকী শ্রীচরন্দা॥
শ্রীরূপ মঞ্জরীনা চামব থৌগনবদো পামজবি।

লোক্ক-লালসা

শ্রীগৌরাঙ্গ শোঞ্জবদা ঐগী কদৌঙৈ ত্থ্ং জগবা।
হরি হরি শোঞ্জবদা মিত্তগী পি তাজগবা॥
কদৌঙৈনো শ্রীনিতাইনন্দনা ঐহাকপু চানবীবদো।
তাইবংগী কল্লক মিঠৌববু ঐনা উংকুম্না থনবদো॥
বিসয়গী লাংনা পুনবদো কদৌঙৈ ঐনা থাদোক্কবা।
বৃন্দাবনবু উজবা কদৌঙৈদা ঐনা ফংজগবা॥
রূপ রঘুনাথ শোঞ্জবদা কদৌঙৈ ঐনা নোল্লুকচবদো
কদৌঙৈ এনা খংজবা অনিগী চান্নবদো॥
রূপ রঘুনাথকী চরন্দা ঐনা লুনা নিংজবদো।
পামঙৈ নরোত্তম দাসনা শ্রীচরন্দা চংজবদো॥

নাম পুন্ন — জয় ভাই হরিবল লোইরে।

শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন শৈরেং পরেং

দিবা শুতল

গৌরচন্দ্রিকা

গুটা এক তাল

লেংবিরকো গৌরহরি ; থম্মোই সিংহাসন্দা
ফজবা শক্তমদো উহনবিয়ু ।
তডাংলবা চরন্দা ; চেৎনা কোঞ্জতুনা ;
নগী নিংলেন গুণ শকচগে ॥
পামজবি পুরিংদা , ভক্তশিংগা লোইনতুনা ,
নংগী কীর্ত্তন অমৃতব তাজবগা পেঞ্জগে ।
ও ইরে বেদ পুরান্দা , নংগী নাম অমৃতগী গুন্না ,
লাল্লি পাপীশিং শাক্তি লৈইবি অজা মন্না ॥

লোক্ষা

নবদ্বীপ্তা মহাপ্রভু লৈগী বন্দা লেংশিনখরে ।
লাইরেম্বীগী লাইশংদা মুংডাইনা পোৎথাখরে ॥
মতমতুদা খোংনাঙগী মিংশেন্দা ফজবা মাইথোং থাজ উকরে ।
ব্রজগী রাখন্দা লুপথরে খোইমুগী খোঞ্জেন্দা ঙাউরে ॥
ভু ভু হায়না ঙংলে সাত্তিক বিকার কাওতুনা ফজনা জগোই শাদে
ভাব থংলবা স্বরূপনা মুংশিনা ব্রজ লীলা গুণ শক্লক্লে ॥
ভক্তশিংনা খোঁগন্দুনা হরি নাম সঙ্কীর্ত্তন্না প্রভুবু পোৎথাহল্লে ।
গদাধরনচিংবা ভক্ত প্রেমকপু প্রভুনা মুংশিনা কোল্লে ।

এক তাল

শ্রীবাস পণ্ডিতনা মনাও অহুমগা লোইননা।
শ্রীনরসিংহ দেবগী প্রসাদি মাধবী মাণ্ডবতা॥
পুরক্কুনা প্রভু অহুম লুক মথেন হারে।
মিষ্টান্ন পাকান্ন লুচী পুরি কচৌরি ক্ষীরনচিংবা॥
শ্রীরাধা কৃষ্ণগী প্রসাদি পুক থন্না হাবীরে।
ভক্তশিংস্থ মহা মহা প্রসাদি ফংজরে আচমন তৌরে॥
আসন্দা লেংশিল্লে ভক্তশিংনা তাম্বুল সেবা চংজবে।
নুংঙাইনা চেপথবে গোবিন্দ দাসনা খোং নোইজরে॥
মিকপ থোক্লে আসন্দা লেংশিলক্লে চামর থৌগল্লে।
শুক শারি চোংঙা তেনৱানচিংবনা গৌব গুণ শকলি॥
কবি শেখবনা গৌরগী থুপ্লবা গুণ পামজনা শকচবি।

শ্রীরাধা গোবিন্দ মধ্যাহ্ন লীলা

কাট দাস পেডে

রাগ অমৃত কল্যাণ

শ্রীগোর্ব্বদ্ধনগী তময়াদা ; মণি লাইশং নিংথিবা,
হৈনম লৈনম্মা চুববা।
শিদবা উপাল্লনা কোইশিলবা ; ঋতু তকক্লা থৌগলবা ;
থোইনা হেন্না ফজ্জবা॥
ফুগাইনা শাৎপা থম্বাল্লক্তা ; পোমবোম শাৎপা থরোয়াইদা ;
ঙাম্নু থঙ্গোংনা সুংঙাইনা শান্নরি।

লৈহি পাম্বা খোইমুশিং ; পঞ্চম স্বরদা কোকিলশিং ;
খোংই মুংশিনা ঙংনা ঙংনা পাইররি ॥
লুরবা কুণ্ড মপান্নি ; মক্রুবা মণি তাংবল মথক্তা ;
সনাগী শেঙ্গা থন্না থমলরে সন্দেস ।
অথুম অহাও মখল মখল ; শ্রীফল খজুরনচিংবা ;
লড্ডু পেড়া জিলিবী ক্ষীরনচিংবা ॥
বৃন্দা দেবীনা কচ্চবা ; পুরি পুরা মাখন্নচিংবা ;
হরাওনা হাবীরে শ্রীগোবিন্দনা ।
ইবুংঙোগী প্রসাদি ; ইবেম্মনা পামজনা ফংজরে ,
অনিমক্কী প্রসাদি সখিশিংনা ফংজরে ॥

ঠুংঙার

সেবা খংলবা সখি, অনি অহুন্না, নিংথিবা লৈগী শর্য্যা শেমখরে ।
পানা থোগল, চামর কাংহাই চরণ সেবা হকচাং নোইনবা থোরাংখ্রে ॥
কুশুম লৈগী কুঞ্জনি লৈহি পাম্বা খোইমুনা ঙংনা ঙংনা পাইররে ।
হৈনম লৈনম চুরবা মলয়া মুংশিংনা লিরি লিরি হুমলরে ॥
লেংশিনবীরে শ্রীরাধা মাধব লৈতনা শেম্নবা শর্য্যাথক্তা ।
কুঞ্জ ইচিক হুলখরে তাইবং মঙ্গল পীবিরে মুংঙাইরবা ঈথক্তা ॥
মক্রুবা বৃন্দাবন্নি মক্রুবা লৈকোন্নি মক্রুবা অনিগী শান্নবনি ।

সম্ভোগ : কুঞ্জ লীলা

শ্রীকৃষ্ণগী থম্মোই থম্বালদা শ্রীমতী ইবেম্মা চেপখরে ।
ইবেম্মগী মায়োক্তা ইবুংঙোগী খুৎ থম্বালন্না জগোই শাখরে ॥
নিংথিরে ফজরে ফুইনা হোৱা নোংলক্তা লেংদবা নোংথাং কুপখরে ।

শ্যাম্না অশংবা তমান পাম্বী ওইরে রাইনা সনাগী উরি ওইরে ॥
অশংবা তমান পাম্বীদা সনাগী উরিনা লৈয়েং চানা য়েংখরে।
কুঞ্জগী থোংনাওদা উজবা ফংলে, নুংঙাইজরে মশাবু মশানা কাউজরে ॥
য়েংউ ইতাশা সনাগী থম্বাল ঙমজবা শ্রীমতী ইবেম্মগী তুংয়াম্নি ।
য়েংউ য়েংউ থরো অশংবা ঙমজনা ফজবা শ্যামগী খুকউনি ॥
অনিগী লীলা অশংবা থরো সনাগী থম্বাল থরো থম্বাল পুন্না শাংলি ।
সনাগী থম্বাল লৈহি অশংবা খোইমুনা হরাওনা চুপলি ॥
য়েংউ ইতাশা অমত্তা ওইবা প্রেমগী শক্তম বৃন্দাগী মপান্না উজবনি ।
হে বৃন্দে থৌজাল হৈবী অমুক্তা চানবিয়ু মতমসে য়াম্না থেংলবনি ॥
কুঞ্জ ইচিক ছুনখরে হৌদোকচবা ঙমদরে গুরুজনা ব্রাথোক ওইবা তারে
মতম থংলবা বৃন্দানা মরোল শুনা তম্বীরবা হৈশিংবা কোকিল পুরক্লে ।
পঞ্চম শুরদা শ্রীরাধা গোবিন্দ তত্তনা শোন্দুনা অনিবু হৌদোক্লে ।
হৌগৎলো ইবেম্মা করিগী অশংবা শয্যাদা নিংঙাইদনা চেপলিবা ॥
অহিং নত্তে নুংথিম্নি মতম চাদ্রে হৌগৎলো সূর্য্য পুজা তৌননবা ।
থৌগঞ্জগে ঙাইজরি সখি ঐখোয় ময়াম্না লেংলসি হে রাধে কুঞ্জগী মবেম্মা
তাবদা হৌগৎলে ইবুংঙো ইবেম্মা শেখরনা মতম চানা ঈশিং সেবা
(জল সেবা) চংজরি ॥

ব্যাখা :—রাধা মাধব মধ্যাহ্ন লীলা লোইরে অপরাণ্ড মতম চংলকপদা
প্রেম্না পীঙমদনা বিদায় পীনছুনা ইবুংঙোস্ সুবল সখা লোইননা
সখা লক্তা চংখরে । শ্রীমতী ইবেম্মস্ সখিশিং লোইনছুনা
সূর্য্য কুণ্ডদা সূর্য্য পুজা তৌরগা শঙ্গাইদা লেংখরে।

মতম পুস্বদা হরি হরি তত্তনা শোল্লি।

শিবা রাত্রি

মহাদেব পুজা ঈশৈ

সিন্ধু রাগ — আড়া

গৌর চন্দ্রিকা

লেংবিরক্লো গৌরহরি সঙ্কীর্ত্তনগী ময়াইদা।
নিত্যাইনন্দ শ্রীঅদ্বৈত ভক্ত পুন্না য়াওবিরক্লো॥
নংগী যন্ত্র নংনা পাইবিবো নংগী কীর্ত্তন নংনা তৌবিবো।
কৌজবিএ হে প্রভু তোল্লবা ননাই ঐখোয়না॥

খোইড়া

অচকপনি হে গৌরাঙ্গ; উখিদরে শংবানবা কুচু;
শায়োলরে নবদ্বীপ্তা অঙৌবা কুচুনা।
কুম কুম চন্দনচিংবা; পামজবা পুন্না থাদোকখবে,
হকচাং পুন্না কৃষ্ণ নাম্ব পামজনা থিল্লরে॥
কাথক্তা খ্রাহোং চুরা; মালতি পরেংনা যেংপা,
ফজবা চুরাদো কদাইদা লৈখ্রে।
রাধাগী খ্রাখন্দা; লুপলতুনা নানা,
ডর কৌপিন শেংপিবরে॥
ব্রজগী খ্রাখ্বালশিংগা; মনবা সন্নাও শেল্লম্বদো,
নুংশিবা মরুপশিং কদাইদা লৈখ্রে।
নিখিবনা অরেপ্পা ওইনা; পামজনা চৈস্তু পাইরবে,
হরি হরি হবি তত্তনা শোল্লরে॥
প্রেম চান্দনা হায়জৈ; ওহে প্রভু গৌর হবি;
হৌজিক লীলা পুন্না কাউবিখরে।
নিংথিবা খ্রাখল অত্তম; পাংথোকে হায়না;
রাধাগী কুচু ওইবিররে॥

মহাদেব কৌজবা
তাল অমা

লেংবিরক্লো ত্রিনাথ ঠাকুব জগকী মপু ।
লেংবিবাক্লো হে ত্রিনাথ ঠাকুব তাইবংগী মপু ॥
থম্মোই যোগাসন্দা হন্না হন্না কৌজরিয়ে।
ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বর মিংলেন অহুম লৌবিরিবা ॥
মন্ত্র যন্ত্র খংজদে পুজা মিংলেনতবু শোঞরিয়ে।
দম বম বম হব হব হব গঙ্গাধব শিব শম্ভু ॥

আড়া

হৌখবে মতম শোল্লু ত্রিনাথগী মিংলেন ।
শোল্লু শোল্লু পামজনা হবিগী অথোইবা মিংলেন ।
ওহে প্রভু ত্রিনাথ মবোল অহুম শেম্বীবিবা ।
গঞ্জা ভাস্থক অহুম থোক্লা নিংথিনা শেম্নহুনা ।
হে সাধু ভক্তি তৌনা কৎলু মৈথু যতন তৌনা ।
সন্ধ্যাগী মতমদা তোইনা শোল্লু ত্রিনাথগী মিংলেন ॥
দম বম বম হব হব হর বম বম বম বম বম্বুলা ।

কব্বাল

জয় গণেশ গণেশ গণেশ ভগবতী দুর্গাগী মপাবি ।
লংজরা কোটি পাপ পুম্বা কোকপীযু চরন্দা চংজবি ॥
ঙাম্থোইবি হে প্রভু সনা লুপা মণি মুক্তানা লৈতেং ওইবি ।
য়েংউ য়েংউ পুক্লিং হুনা ফজবা চাংদমনিংঙাই লৈতবি ॥
য়াতোন্না অঙৌবা মুক্তাবু ঙমজবা থোল্লবা পুক্লা থোইনা মগুণ ওইবি
ভূতনাথ মহাদেবগী মচা য়ৈথাই থিঙ্গাই পুম্বা মাংহলবিরি ।
গজরাজ কোকলেন লৌবিদুনা কল্লবা শক্তিনা সাধু বৈষ্ণব কনবিবি

শিবা আরতি

আরতি কচ্চরি সদাশিবগী জয় ওইরি।
মোইবুং খোংলি শরিক খিংলি কাংশি হৌনা য়েবি॥
ভৃঙ্গিনা করতাল খিংলি নন্দিনা পুং ফজনা য়েরি।
মাইগৈ মরিমক্তা লাইয়াম পুম্বা ভাল ভাল লাওবি॥
উফুল লৈতেংলদুনা মহাদেব ডম্বুর খিংলকলি।
প্রেম্না ময়াই কারদুনা শ্রীগোবিন্দ তোইনা শোল্লি॥
মাইখোং থম্বাল মঙানা হরাওনা পঞ্চ নাম শোল্লি।
বৈষ্ণবদাসনা শ্রীচবন্দা স্তুতি কচ্চরিয়ে॥

প্রার্থনা = খোইড়া

চানবিয়ু প্রভু ভুতনাথ ; চানবিয়ু প্রভু হে ভুতনাথ।
কৈলাশা চাংদোন্দা ঙাম্বোইরিবা পার্ব্বতীনা ওইদা খোগল্লিবা॥
গণেশ কাত্তিক থাদা কোল্লিবা নন্দি ভৃঙ্গিনা খোংশংলিবা।
অঙাংবা শিন্দুর শগোইহিদাক মপাল লোইননা কচ্চরি হৈখাগোক মপাল
ফজবা কোথক্কী জটা মুংদা গঙ্গাগী য়ুমফম ওইবিবা॥
নিনি পানবা থাজগী মকোইনা জটাগী লৈতেং ওইহিবা।
খৌরি মতা ফবদা কালকুট হুবু পুবিরিবা॥
অঙৌবা লিক্লাই য়ুম্বীদা অশেংবা মণিনা ডালবগুম্বা।
ভজনসু খংজদে সাধনসু হৈজদে হন্না হন্না খুরুমজরি॥

কবালি

খুরুমজৈ শিব শঙ্কর হর ত্রিপুরারি পাসুপশুপতি পিনাক ধারি।
মরোল অহুম লালবিবা মরোল অহুম শেম্বীবা জীব পুম্বা য়োকপিবা ॥
কোক্তা জটা পুবা ভক্তা কালকুট সাধু বৈষ্ণবশিংবু কলবিবা।
মিম্বা থম্বাল অহুম্বা ভাবগা গঙ্গা কোক্তা পুবা উক্ষুন্না লৈতেংলিবা ॥
ত্রিশুল খুত্তা পাইরিবা অকিবা পুম্বা মাংহল্লবিবা হর হর মহাদেব।
হে দেব দেব মহাদেব মকারায় হন্না হন্না খুরুমজরি ॥

মালকোষ চৌতাল। কৃষ্ণ শক্তম

ব্রাহোং চুরানা কোক্তা থোনবা;
নাইন্না নাপাদা হাই হুম্বা।
মণি নোপুরনা চরন্দা নিল্লবা;
সনা ফিগে ফৈজোম থোনবা।
চিনুবান থোংদা মুরুলী খোংবা;
নুংশিবা মিয়েংনা জগৎ শুম্বহৎপা।
মুক্তা পরেংনা ভক্তা থোনুবা;
থাজ্র পরেংনা ভানুবগুম্বা ॥

কৃষ্ণ শক্তম — থম্বাক

শ্রীনন্দগী মচা কৃষ্ণগী শক্তম উরুবদা পুক্লিং হুখরে।
কোকথক্তা ব্রাহোংগী চুরা মালতিপরেংনা য়েৎলবা ॥
লাইবক্কী কেশর চন্দনবু উবদা মরোল অহুম শুমহৎলি।

অশংবা মণিগুম ফজবা চাইরুংদা মণিনা হায় হুম্না ঙালবদা ॥
ঙাগী নিংথৌরেলনি হায়রঙুনা ঈশিংদা লৈবা জীব পুন্নমক।
পুখ্রি তুরেল থাদোক্তুনা ঙায়াম পুম্বা লোইনা পায়শিলক্রে।

উরুবদা মহাদেবনা ধ্যান কাইবা শক্তমনি।
ব্রহ্মানা বেদ থিবদা ময়েক কাউবা শক্তমনি ॥

কিঙ্কিনী নোপুরগী খোঞ্জেল্না তাইবং পুম্বা শুমহংলবা।
গিবি ধাবিগী চরণ থম্বালনি মীবাগী থম্মোই লন্নি ॥

আড়া

লৈতে লৈতে হরি নামগা চাংদমনিংঙ্গাই অমা লৈতবে।
আগম নিগম ভাগবত পুরাণ পুরাণ তবানিপান্দা ॥
খিরুবদা লৈতরে তীর্থ চংপা ব্রত তৌবা যজ্ঞ তৌবা।
দান কংপা মান্নবা লৈতবে হরি নাম শোলবগা ॥
শ্রীকান্তনা হায়রি তারিয়ু জীব পুম্বা হরি নাম চিন্তামণি তত্তুনা শোল্লু ॥

শকনিংবা ঈশৈ মথং মথং ... ...

—

দেবী পূজা ঈশৈ

রাগ সিন্ধু - খোইড়া

অণর্পিত চরিং চিরাৎ করুনা অবতীর্ন্ন কলৌ।
সমর্পিতু মুন্নতোজ্জল রসাং স্বভক্তি শ্রীয়ং ॥
হরি পুরট পুন্দর দ্যুতি কদম্ব সন্দি পীত।
সদা হৃদয় কন্দরে স্ফুরতু বঃ শচীনন্দন ॥

এক তাল

কীর্ত্তনগী মণ্ডপস্তু খংজদে ভক্তিগী পোকফমস্তু লৈজদে।
কীর্ত্তন তম্বীয়ু প্রেম পীনবিয়ু তোল্লবা ননাই ঐখোয়দা ॥
ঙসি কীর্ত্তনদা গৌর নিত্যাই গদাধর অহুম পুন্না ঙানবিরবো।
পুজা কচ্চগে নিংজরি শ্রীনিত্যাই গৌরহরি ॥
কচ্চনিংঙাই পোংলমদি লৈজদে কচ্চবা খরনা পেনবীয়ু।
মিংকা পিনা চরণ শেংজগে ভক্তিনা চরন্দুদা পুজা কচ্চগে ॥
শ্রীমুর্ত্তিবু থম্মোইদা থমজনা কীর্ত্তনগী ময়াইদা লেপচরি।
পুজা তৌজগে; পুক্নিং তুলশী ভক্তি চন্দন কত্তুনা ॥
থম্মোই সিংহাসন্দা চরণ থমজত্তুনা চরণত্তুদা।
খংজদে খংজদে চরণগী মণ্ডপ ॥
য়েংনা ওইনা করি করি গুণ লৈবা অনি পুল্লগা করি গুণ লৈবা।
করম্বা চরন্নো বলিগী মকোক্তা; করম্বা চরন্নো কালিগী মকোক্তা
যোগিনা নিংই চরণত মহাই; মুনিনা নিংই চরণত মহাই।
করম্বা চরন্না জাহ্নবী গঙ্গা পোকপা;
খংজদে খংজদে চরণগী মণ্ডপ ॥

গৌর শক্তম

শ্যাম কৈল্যান—খোইড়া

নৌনা ফজবা চন্দন্না লৈত্তেংবা ;
গৌরগী শক্তম্না পুক্লিংসে চিংখরে ।
ফজনা নৌরবা মুংশিবা শক্তম্নি ;
শাগৈ মৌশিংগী পুক্লিংবু হুরাল্লি ॥
নদীয়াগী থাজনা সন্যাসী ওইররে ;
রাধাগী রাখন্দা অঙাউবা ওইরের ।
হরি হরি শোল্লি পাম্বোম রাংনা থাঙ্গৎলি ;
অঙাউবগুম লৈমাই থক্তা থরো থরো ওল্লি ॥

খোইড়া

ফুইনা নোংহৌ ঙমজবা কুচু উরেনে ঐনা গৌরাঙ্গবু ।
সনাগী কুচুনা মপান্দা য়োমলে অশংবা কুচুনা মনুংদা লোংলে ॥
রাখল শাথেক উবদা মাবু মুন্না খংলেনে ।
রাধাগী মবুংঙো শকহৈনবা কৃষ্ণ ব্রজগী শকফমদো ॥
পুমলোং লোংখরে ; লোংপদা চিংথরে খোই খোইবা মিংয়েং ।
নুংশিবা মিংয়েং উবদা খংলে ব্রজ রাজনন্দন কৃষ্ণনি হায়বা ॥
ব্রজগী নৌরবী ব্রজগী নৌরবা অনিনা অমত্তা ওইররিবনি ।
বাঁশিনা রাধা রাধা খোংলম্বদো রাধা প্রেমগী লমন হরি নাম্নি
ব্রজদা ওইরমই অমুবা থাজ খোংলমই নুংশিনা শুমহৎপা বাঁশি
তায অংকপনি হরি হরি শোল্লি হরি নাম্না তাইবং লালবীররে ॥

খোইড়া

মতম পুম্বদা মুংঙাইবা হৈবী ইমা।
তাইবং পুম্বা শুমহৎলিবী মহাকালি ইমা॥
যুগ যুগ খুদিংদা লীলা শান্নবী অচুম্বা অরেপ্পা লেংদবিনি।
ব্রহ্মাণ্ড পুম্বা শিলবা থুংনা লৈবী, মীকোক পরেং॥
করিগী শিরিবা ইমা ইমাদি জগৎকী মমানি।

স্তুতি শ্লোক

হে দেবী জীব পুম্নমক্কী ইমাগী মশক ওইরিবী।
য়োকপী থ পীরিবী খুরুমজরি খুরুমজরি খুরুমজরি॥
হন্না হন্না খুরুমজরি।

আড়া

 কারগী মশক্কি নংদি জীব পুম্বগী থোক্লফমনি।
য়োকপী থাকপীরিবীনি জীব পুম্নমক্কী ইমানি॥
য়াদা নাপী চিক্লতুনা শ্রীচরন্দা খুরুমজরী।
ইমা ইমা ইমা অপোকপী খুরুমজরী॥

দেবী আরতি — আড়া

জয় ওইরি আরতিনা দেবী ইমাগী।
চংজরিবা মনাইশিংগী অকিবা কোকহঞ্জরিবী॥
লংলবা ফজবা সনাগী ফিজোন্না লৈতেং ওইরিবী।
শিগ্রেং সিন্দুর লৈতেংনি থৌরিদা মণি লিকথাংনি॥

ব্রহ্মা সোরারেন্নচিংবা লাইয়াম্ পুম্বনা খুরুমলিবী।
খুবাং তরা লোন্নতুনা সিদ্ধ মুনিশিংনা মা'দা স্তুতি কৎলিবী ॥
মোইবুং ভেবী শরিক বেনু কাংশি তোইনা তোইনা য়ৈরিবী
লাইগী লাইরেম্বীশিংনা চামর থৌগল তৌজরিবী ॥
রাম প্রসাদ দাসনা খুরুমজরি ইমাগী চরন্দা।
ম'পোক ম'পোক খুদিংদা শ্রীগোবিন্দগী চরণ কাউহনবীগনু ॥

দেবী প্রার্থনা – খোইড়া

চানবীয়ু ইমা ; থৌজাল হৈবী ;
পুক্নিংগী লৈরা' কচ্চরি চরন্দা।
হৈখাগোক মনা ; লোইননা গঙ্গাজল ;
কচ্চরি শ্রীচরন্দা ॥
জবাকুশুম ; লৈহাও কেতুকী ;
লবঙ্গ মালতি পরে'।
অঙাংবা থরো, অঙৌবা থম্বাল ;
মনা চামনিপাল কচ্চরি চরন্দা ॥
ইমাগী থৌজালনা ; শ্রীরাম রঘু বীরনা ;
লঙ্কাগী রাবণবু লালবাখি।
গোকুন্দা গোপীশি ; ইমাগী থৌজালনা ;
ফংজখি নন্দগী মচা কৃষ্ণবু ॥
হে ইমা কট্যায়িনী ; শ্যামাদেবী জগদম্বী ;
ভবানী দুর্গে।
হে বৈষ্ণবী শ্রীকৃষ্ণদা ভক্তি লৈজবা পীনবিয়ু।

য়া দেবী সর্ব্ব ভূতানাং মাতৃরূপে ন সংস্থিতা।
নমতস্যৈ নমতস্যৈ নমতস্যৈ নমঃ নমঃ ॥

কৃষ্ণ শক্তম — ঝাড়া

ফৃইনা নোংহৌ ওমজবা করি মুংগী উরুরবা।
মথেক অহুম থেকলিবা ওইদা চুরা চেলপ থোনবা॥
গুক্তা গুঞ্জা মালা থোনবা অনৌবা নোংদা নোংথাং কুপগুম্বা।

খেম তাল

অশংবা ব্রজগী থাজনা ডাল্লি;
গুণ পুন্নমক্তা তিল্লবা থাজনি।
তাইবং মঙ্গল পীবিগে হায়না;
কুঞ্জ বন্দা হরাওনা শান্নরি॥
লুনা পাল্লবা অশংবা মরকটা মণিগুম;
কাম কোটিবু হেন্না ফজবা শক্তমনি॥

তেওরা

ব্রজ বৃন্দাবনসে; ফজবা ওমখৈ লৈত্তে;
ঋতু তরুক্তা থৌগল্লিনে।
কোকিন্না কুহু খোংলি; ব্রাহোং জগোই শারি;
খোইমু মপৈ মপৈনা মুংশিনা ঙংই॥
ফজবনা লোইরে; পুক্লিং শুমহৎলে;
গোলুক বৃন্দাবন্দগী থোইনা হেল্লে।
চেলখিনি খন্দুনা; প্রেম যমুনানা;
পাম্বোম তিংথোক্তুনা কোলশিনখ্রে॥
বন বন খুদিংদা; কুঞ্জ কুঞ্জ খুদিংদা;
শ্রীরাধা কৃষ্ণনা মুংঙাইনা শান্নরি।

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে।
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে॥

প্রার্থনা :— মনশিক্ষা লালস্যা ; মথং মথং
হরি বোল হরি বোল হরি বোল।

নারদ সংহিতায়াং :

১। হুঁঙ্কারাৎ প্রসবশ্চৈব যথা বেদস্য ওঁমিতি।
তাশব্দেনোচ্যতে গৌরী নাশ ব্দেনোচ্যতে হরঃ
তানেতিশব্দ হুঁঙ্কারাৎ প্রোথাপ্যন্তে শনৈং শনৈঃ॥
তথ্রচ :—
আ কারেণ হরি প্রোক্তো রিকারেন পিতামহঃ।
আ, তা, না, রীতি শব্দেন সর্ব্বেষামেব সম্ভবঃ॥

১। নরাদ সংহিতা :—

হু কারদগী ওঁকার বেদ প্রোকই হুঁ ঙ্কারদগী তা, না, নচিংবা (শব্দ) খোম্লোক মথং মথং তপ্পা তপ্পা থোকই। তা শব্দে) খোম্লোক্লা গৌরি দেবী না শব্দে, খোম্লোক্লা হর মহাদেব তা (শব্দে) খোম্লোক্লা হরি রি (শব্দে) খোম্লোক্লা ব্রহ্মানি হায়রি।

মরম অসিনা আ, তা, না, রি, শব্দনা খোম্লোক্লা ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বর দেবীনচিংবনি খংনরি।

১। হরি নায়কস্ত :—

বর্নালঙ্কার সংযুক্তা গমক স্থানচিত্রিতা।

আলাপ্তিরুচ্যতে তজ্ঞৈজ্ঞর্ভূরিভঙ্গি মনোহরা॥ ইতি—

২। হরি নায়কা হায়রি : সঙ্গীৎ হৈবশিংনা স রিগমনচিংবা হাপ্পুনা গমক হাপ্পুনা মখল মখা য়াম্না ফজনা রাগ পুথোকপবু আলাপ কৌই।

৩। বর্নালঙ্করাস্তু নিরর্থক হুঁঙ্কারাদিশব্দ।

সঙ্গীতোক্ত সরিগ মেত্যাদি বর্নালঙ্কারশ্চ।

৩। বর্ন অলংকার মখল অনিনি অর্থ য়াওদবা হুঁ কারনচিংবা শব্দ। খোন্থোক ; সরিগমনচিংবা হাপ্পা বর্ণ অলঙ্কারনি।

৪। আলাপ্তৈর্বহুধা ভেদান প্রপঞ্চভিয়েরিতাঃ।

৫। আলাপ হায়বসি মখল মখা য়ামই হায়বা ঙমদে।

৫। সঙ্গীত শিরোমনৌ :

গীতং বাদ্যঞ্চ নৃত্যঞ্চ এয়ং সঙ্গীত মুচ্যতে।

গীত বাদ্যে উভে এব সঙ্গাতমিতি কেচন :

তত্রির্য্যঙ নর দেবাদি মনোহারি প্রকীর্ত্তিতম।

৫। সঙ্গীত শিরোমণিনা হায়রি —

ঈশৈ শকপা, পুং যন্ত্র য়েবা, খোংবা, জগোই শাবা অহুম অসি পুন্না শকপা শাববু সঙ্গীত কৌই। কনা কনাগুম্বনা ঈশৈ শকপগা পুং য়েবগা অনিসিদস্ু সঙ্গীত কৌই হায়বি। সঙ্গীত হায়বসিনা শা-উচেক, তিল-কাং, মী-লাই পুন্নমক্কা পুক্লিংবু চিংই হুই হায়না পুন্নমক্কা থংনবি।

৬। শ্রীগোপাল চম্পূপুর্ব্ব পর্ব্বন্ধ :—

পুরাচতুর্ণাং বেদানাং সারমাকৃষ্য পদ্মভূঃ।

ইমন্তু পঞ্চমং বেদং সঙ্গীতাখ্যমকল্পয়ং॥

৬। অহালবদা ব্রহ্মানা বেদ মরি পুথোকলে

মথংদা সঙ্গীত বেদ মঙাশুবা পুথোকই॥

৭। সাম, ঋক, যজু অথর্ব্বাদি বেদ চতুষ্টয়।

ঋগভ্যঃ পাঠ্যমভূ গীতং সামভ্যঃ সমপদ্যত॥

যজুর্ভ্যোহভিনয়া জাতা রসাশ্চাথর্ব্বনা স্মৃতাঃ॥

৭। ঋক বেদদগী (পাঠ্য) পাবা খীবগী খোম্লোক;

সাম বেদদগী (গান) ঈশৈ শকপগী খোম্লোক।

যজুর্ব্বেদদগী (অভিনয় মোং জগোই শাবা।

অথর্ব্ব বেদদগী (রস) মহাও রস পুম্নমক শেম্বা॥

অস্নুম তোড়না মঙাশুবা সঙ্গীত বেদবু ব্রহ্মানা শেমই।

৮। সঙ্গীত সারে :—

ত কার ঈশো গিরিজা লকারস্তালস্ততঃ

স্যাংশিব শক্তি যোগাৎ।

৮। ত না মহাদেব, ল না গিরিজা) দুর্গা অনিসি তিল্লগা তাল কৌই।

৯। রত্ন মালায়াং :—

ত কার শরজন্মাস্যাদ কারো বিষ্ণুরুচ্যতে।

লকারো মারুতং প্রোক্তস্তালে দেবা বসন্ত্যমী॥

৯। ত কারনা কার্ত্তিকনচিংববু অকারনা বিষ্ণুবু ল কারনা মুংশিৎপু থংনৈ। মরম অসিনা তাল হায়বা মমিংসিদা লাইয়াম সভানা লৈ

১০। অভিনব তাল মঞ্জুরী ঃ --

ত-কার শঙ্কর প্রোক্তো ল কারঃ পার্ব্বতীস্মৃতা।

শিব শক্তি সমায়োগাৎ তাল ইত্যাভিধীয়তে॥

১০। ত শঙ্কর মহাদেব ল পার্ব্বতী দুর্গা দেবী অনি অসিনা তিল্লগা তাল কৌই। লাইগী মমিংনি।

সঙ্গীত দর্পন :—

১১। রজকোজন চিত্তনাং স রাগ কথিত বুধৈ।

১১। শক্লীবা অতুনা নুপী অঙাং অমসুং চণ্ডাল ফাওবগী পুক্লিং পেল্লবা অমদি জীব খুদিংগী থম্মোইদা নুংশিবা পোকলিবা অতুবু পণ্ডিতশিংনা রাগ কৌই।

ভক্তি রসামৃত সিন্ধু ঃ---

১২। নাম লীলা গুনার্দীনাং মুচ্চৈ ভাষাতু কীর্ত্তনম।

১২। শ্রীভগবানগী নাম লীলা অমসুং গুণনচিংববু খোঙ্গেল রাংনা শকপা শোনববু কীর্ত্তন কৌই।

১৩। সঙ্কীর্ত্তনঃ বহুভি মিলিত্বা কীর্ত্তনং-সঙ্কীর্ত্তনমিত্যুচতে।

১৩। মীয়াম তিন্নতুনা শক-শোনববু (কীর্ত্তনবু) সঙ্কীর্ত্তন কৌই।

শ্রীহরি ভক্তি বিলাস ঃ -

১৪। কীর্ত্তয়ন্তি হরি যে বৈ তে তরন্তি ভবার্ন্নবং।

১৪। শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন তৌজবশিংদি তাইবং সমুদ্রু লাইনা লাল্লি। অসিগুম্বা শ্রীহরি নাম সঙ্কীর্ত্তন অসি নোংমদা মতম মরিমক্তা

শক শোলগনি। মতুদি (প্রাপ্ত মহ্যাহ্ণ সন্ধ্যা নক্তঃ) অযুক মুমিৎয়ুংবা মুমিদাংব্রাই নোংয়াই; মসিদা শক্কদবা ঈশৈ য়াম্না লৈ।

রাগ, তাল, সঙ্গীত. কীর্ত্তন, সঙ্কীর্ত্তন লৈনবা।

হরি নাম

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে

38022

পামজবা

দ্রুত চৌতাল বা যাত্রা রূপক

হরি হরি শোল্লুনে; পাম্খোম ব্রাংনা থাঙ্গত্তুনা;
হে পুক্লিং চংলোনে বৃন্দাবন্দা।
হৌথরে মতম; লেপত্রবা তাইবংনি;
পুন্নমক অরেম্বা ঙাকনি॥
য়েংলু ভাণ্ডিরবন; তমালাবন নিধুবন;
য়েংজরুবো চংলো শ্রীবংশিবট।
কুঞ্জ নিকুঞ্জ বন্দা; নুংঙাইনা লৈজরুরো;
শ্রীমধুর বৃন্দাবন্দা॥

হরি শোল্লো হরি শোল্লো হরি শোল্লু।
হরি হরি হরি॥

লোইরবা

শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন শৈরেং পরেং

শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তনাবলি।

কোংপ্রবা

অহানবা শরুক

কোংগদৌরিবা

অহুমশুবা শরুক